
টর্কো অফগানগী চাদ-নাউদা



খৈরুদ্দিন খুল্লাকপম্

ꯀꯧ ꯑꯐꯒꯥꯅꯒꯤ ꯆꯥꯗ-ꯅꯥꯎꯗꯥ

কৌ অফগানগী চাদ-নাউদা

(পাওলগী পুরারিদা য়ুম্বম ওইবা)

খৈরুদ্দিন খুল্লাকপম



দি কাউন্সিল ফোর ইশলামিক রেন্যাসেন্স ওন কলচরেল,

লিটরেরি এন্দ এডুকেশনেল, সর্ভে (সর্কল্স)


রিজনেল হেড ওফিস-লিলোং, মণিপুর।

CIRCLES - 05

TURKO - AFGHANGEE CHADA - NAODA

DESCENDANT OF TURKO - AFGHAN

(A History based on Manipuri Muslim)



Written by : Khe[illegible]uddin Khullakpam

Published by : *The Council for Islamic Renaissance on Cultural, Literary & Educational Survey (CIRCLES)*
Regional H. Q.
Masjid Road, Lilong - 795130.

Priced — Rs. 150/-
First Published — May, 1997

Cover : Masjid of Turkey.
Cover design : Dhani Computer, Keisampat.
Printed at : Unique Screen Printers,
B. T. Road, Imphal.

Printed by : Benjamin M. Shah on behalf of
the CIRCLES at

M. I. PRESS, Masjid Road, Lilong,
SHREE PRESS, PADMA PRINTERS-Paona Bazar,
& Unique Printers, B. T. Road, Imphal.

অইবগী মরমদা

"টর্কো-অফগানগী চাদ-নাউদা" কৌবা মণিপুরী মুস্লিম (পাঙল) শিংগী হৌরককমদা য়ুম্ফম ওইবা লাইরিক অসিবু ইবিরকপা মুহম্মদ খৈরুদ্দিন খুল্লাকপম খৃঃ ১৯৪৫ ইংগী সেপ্তেম্বর ২১ দা লিলোং তুরেল অহন্বীদা পোকই। অলহাজ মৌলানা মুহম্মদ কমরুদ্দিনগী মচানুপা অনিগী মনুংদা অহল ওইরিবা অইবা অসিমক্ অঙাং ওইরিঙৈদগী পার্সিয়া লোলবু য়াম্না পামজনা নৈনরকখী। লোল অসিদা অতুক হাক্না তমলুদ্রগগু অহল-লমন, মমাঙদা চংখিবা ঈপা-ঈপুশিংগী মরক্তগী মরুওইনা রিফায়তুল্লাহগী গুরোল মখাং চথরকপা ওইবনা পামজনা নৈনরকবদা খুদোংচাবা ফংখী। খৃঃ ১৯৬৫-৬৬ কী অতুৰাইদগী অপোকপগী তুং ইন্দুনা মণিপুরগী মনুং অমমুং মপান্দা কোইনা চংতুনা ভাঙবা-শকপা, ইবা-পাবগী খুদোংচাবদু লৌরকখী।

হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটীদা ফাইনান্স দিপার্ট-মেন্টদা সরকারগী থৌপুবা অমা ওইনা লৈবিরিবা অইবা অসিনা খৃঃ ১৯৯২ ইংদগী হৌনা লাইরিক অসি ফোঙননবা মঙ-মঙবা হৌবকখী। লোইননা, অহাংবা অমদি চুটি ওইবা মুমিংশিংদা পাঙল (মুস্লিম) শিংনা খুন্দাহুনা লৈরিবা ভারত অৰাং-নোংপোক লমশিংদা চংতুনা লাইরিক অসিগী মচাক মথুম লাংশিঞ্জবগা লোইননা অহল-লমনশিংগী ৰারীশিংদু শেমজিন - তাশিল্লগা খৃঃ ১৯৯৫-৯৬ তা মপুংফাবা লাইরিক অমা ওইহন্বা ঙমকখী।

খৃঃ ১৯২৯ দা লাহোরদা পার্সিয়ান লোলদা ফোঙথবা রিফায়-তুল্লাহগী "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" দা য়ুম্ফম ওইরগা, "টর্কো অফগানগী চাদ-নাউদা" মিংথোন্দুনা লাইরিক অসি পুথোক্লবা হোৎন-রকখী। মসিদনক্ মণিপুরদা খুন্দা লৈতাহুনা লৈরিবা পাঙল

শাগৈশিংগী পাকি-পুরি অমদি হৌজিকফাওবদা লৈরিবা শুরোৎশিংগী অইবা শীরুক্রবস্থ হায়না খঙহনগৎলে। অদুবু, শাগৈ ঙসাবনা শীবকখিদে। অফংবা থবা অসিদমক ফোঙনবা হোৎনজবনি অচুম্বা সেমহৌরিবশিংশু মতুংদা খুদোংচাবা ফংবা উমজবা য়েংজগে।

অইবা অসিগী ফোঙনিংবগী ঈথোলাংবা খুদিংমক শেমগৎলগী কীভম ফংতবনা মরম ওইরগা নিংহনবগী তাঞ্জা অমদা ঐখোয়না থেংনজখী। মহা ওইরিবা মীওই ডাক্তরনা মপুং ওইবা ঐখোয়গী সংস্থান - কাউন্সিল ফোর ইশলামিক রেণেসেন্স ওন, কলচারেল লিটরেরি এন্দ এডুকেশনেল সর্ভেনা ফোঙবগী দায়িত্ব পুখৎলক অইবা অসিগা তান্নজরগা লৈবামগী মতৌ দগী হৌসিদা ফোঙদোকচবা উমজরে।

লমলম অসিগী লৈহাওদা পোৎহৈবপা, চাৎনবপ, মীওই নিংথৌজনা পোকচবা পাঙল (মণিপুরী মুসলিম) শিংগী হৈনখমদা য়াম্না ওইবা থৈবন্দিন খুন্নাকপমগী লাইরিক অসিনা ইচম চম্না পুংশিজবা, নৈনবা পামজবশিংদা খঙনবগী থৌওংশু ফংহবা শীবনি ফোঙদোকচকবগী কান্নবা ফংলে খঞ্জগে।

বি. কে. আদম
রিজনেল চেয়ারমেন,
দি কাউন্সিল ফোর ইশলামিক রেণেসেন্স ওন, কলচারেল,
লিটরেরি এন্দ এডুকেশনেল, সর্ভে
রিজনেল হেড অফিস - লিলোং, মণিপুর।



PROF GANGMUMEI KAMEI
MEMBER
Manipur Legislative Assembly
Assembly Guest House Campus
IMPHAL - 795001

রামাঙ য়ানবা

এম. খৈরুদ্দিন খুল্লাকপমনা ইবা "টর্কো অফগানগী চাদ-নাউদ" (মণিপুরী মুসলমশিংগী হৌবকফমদা যুম্ফম ওংবা ইতিহাস) ঐহাক পাঙ্জবে। মণিপুরদা খুন্দাখিবা মুসলিমশিংগী সমাজগী ইতিহাসনি, কাংলুপসিবু মীতৈ পাঙল নত্রগা মণিপুরী মুসলিম হায়না খঙনে। অইবসিনা কাংলুপসিগী হৌবকফমদি মযাম থংবা এসিয়াদা লৈবা টর্কো অফগানশিংগী চাদ-নাউদা নি হায়না উংলি। মীতৈ-পাঙল, মণিপুরী মুসলিম, টর্কো অফগান হায়ব রাহৈ অহুমসিনা উংলিবসি, ঐহাক্না খঙবদা। মুসলিম ইচিন-ইনাওশিংগী রাখল্লোন্দা অন্তর্জাতিকী ওইবা ইসলামিক ফ্রেটর্নিতি নত্রগা মুসলিম ব্রদরহুদনা যুম্ফম ওইবা অন্তরজাতিক শক্তম (ইন্টরনেসনেল আইদেন্তিতি) অদুগা মণিপুরদা কুইনা লৈরক্লবা, মীতৈলোন লোনথ্রবা মীতৈ পাঙলশিংগী লমদমসিগী ওইবা শক্তম (ইন্দিজিনেস আইদেন্টিটি) অনিসিগী চুংশিন্নবা চংশিন্নদনা রাফমসি লাইবিক অসিদা মমি তায়। অইবসিনা "টর্কো অফান" হায়রবা রাহৈসি শিজিন্নবনা কাংলুপসিগী শক্তমদা চনৈনবা রাখল্লোন (আইদেন্টিটি ক্রাইসিস) অদুবু উংলি।

টার্কী অফগানশিংনা ভারত্তা লান্দারক্লুনা লৈখিবা, মখোয় খরনা নোংপোক অমদি অবাং-নোংপোক ভারত্তা শন্দোরক্লুনা মণিপুরদা খুন্দাখিবগী মরী-মখোঙ এম· খৈরুদ্দিন খুল্লকপমনা লাইরিক অসিদা শুগাইনা উৎলি। লাইরিক অসিগী থোইদোকপা অমদি থাগৎনিঙাই ওইবদি মণিপুরদা লৈরিবা মুসলিমশিংগী শাগৈ অমদি য়ুম্নাক থোন-খিবগী রারী পীরিব'সনি। অইবনা য়ুম্নাক ৬৪ পীরি। মীতৈলোন লোনবা, মীতৈ নিঙোল লৌখিবা মুসলিমশিংগী তোপ-তোপ্পা শাগৈ লোন অহু ফজনা উৎলে। মণিপুরগী, অসাম অমদি বাংলাদেশতা খুন্দাখিবা মুসলিমশিংগী মরমদসু লাইরিক অসিদা তাক্লি। মৌ থিবগী চৎনবী অমসুং মৌলুবীশিংগী মরমদসু য়াওরি। মণিপুরগী মহারাজ-শিংনা মুসলিমশিংবু ইসলামিক আইন মতু'ইন্না, সাসন তৌনবা কাজি হাপতুনা রায়েনহল্লি ইসলামগী মরমদা তোপ তোপ্পা মৌলুবীশিংনা মসজিদশিংদগী ইসলামিক সংস্থানগী থৌপু ওইখি। ইসলাম ধর্ম্ম আস মওং চানা চৎনহনাখ।

এম· খৈরুদ্দিন খুল্লাকপমনা মতম চনা থিজিন খোমজিন্দুনা লাইরিকসি পুথোকপাবসিদা ঐহাক্না নুঙাইবা ফোংদোকচরি। মহাক নৌনা হোৎনরক্লিবা, সমাজগী ইতিহাসকার অমনি লাইরিক অসিনা মুসলিমশিংগী ইতিহাস, মণিপুরগী অপুনবা ইতিহাস শাগৎপদা মতেং ওইবনি। ঐহাকসু লাইরিক অসিগী মরমদা রাহৈ থরা ফোংদোকপগী থুদোংচাবা পাবিবগীদমক এম· খৈরুদ্দিন খুল্লাকপমবু থাগৎচরে।

প্রোফেসর গাংমুমৈ কামৈ
মেম্বর, মণিপুর বিধান সভা।

অফোঙবগী কলমদগী

ঐখোয়গী পুৱারীগী তেনশ্রবা তাংকক অমদা ঐখোয়না ময়েক লানা উমিন্নরে - য়েং বিত্নুনা লৌপুনা মহৈ-মরোং নৈথায়বা। থরাই চাওবা কয়াগী থরাইনা পোয়ানপ্রবস্ম মুখ্বংউমগ্রি ব মৈদি। খুন্নাইসিগী শোথহৌরবা মীকৈ পাউল দুরুপচাশিংনা পাউজনিঙাই শিংথা অমা চুরুৎচত্নুনা মশানা মশাবু পাখোঙ নত্রে উমিন্নরে ঐখোয়না ওসিদি পাংথরবাস খুন্নাই লংখেলদা। মাসমক্তা লিজবানি "সার্কলস" না— অখোৌ লিচা হেক্স মখোয়গী মর থেংনুল। অসুন্না এন আর সিগী মীতুৎ মুহম্মদ খৈরুদ্দিন খুন্নাকপমগী "টর্কো অফগানগী চাদনাউদ" খুদোলজরি পুংহাই শেশদা। মপুংদা খুংমাবান খুদোলসি অৱাংঅপা কয়া য়াও-রুসা যাব। মহৎ খুংনমদা চুমথোবানব হৈংবাং নিজরি ইরৈবাক-চাশিংদা। অথাব মাথ্যেং, ওমথিবা মীচৈনচিংবদি সার্কলসনা ভুংওই-শুজগনি

অদুবৈ ১৯৭২ দা মুহম্মদ আলি জনাব থান ইফম্না "মণিপুরী মুসলিম" ফংলুবনা লাইরিকসিদা থানাও যানবিখিবা ডাঃ এল চন্দ্রমণি সিংহ, স্পিকর, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লি; এলাংবম নিলকান্ত সিংহ, সেক্রেটরি, মণিপুর স্টেট কলা একাদেমী, ইম্ফাল; শ্রী মীনকেতন সিংহ, এসোসিয়েত প্রোফেসর, মণিপুরি বিভাগ, জেঃ এঃ ইউ সেন্তর, ইম্ফাল; গাংমুমৈ কবুই, এসোসিয়েট প্রোফেসর, ইতিহাস বিভাগ, জেঃ এনঃ ইউ সেন্তর, ইম্ফাল, নিংথৌজম খেলচন্দ্র সিংহ, সুপারিন্টেণ্ডেন্ট, রেকোর্ড এণ্ড লাইব্রেরি, মণিপুর সেক্রেটরিয়েট অমসুং রাজকুমার শ্রী সনাহল সিংহ, লেজবি অফিসার, ইম্ফালগী মমল নাইদ্রবা পাউতাক কয়া য়াওন খোঙানংনথিবা থৌদোক অতুদি "সার্কলস" না লাইবক থিবা থৌদোক অমনি হায়না লৌজে।

নিজবি খোঁজাল মীযেং খোরাংলবা সার্কলসনা খুবাং চাংজৈ ওরা লোম্না, পুমশুপ শুপ্পা মপু ইবুংঙো, খোঁজাল হৈবদগী হৈরবা পীনহৈবা নহাকডোন্দা।

অসলম খান মককচা
পব্লিসর,
দি কাউন্সিল ওফ ইসলামিক রেনাসেন্স
এন কলচরেল লিটরেরি এন্দ এজুকেসনেল সর্ভে
(সার্কলস) হেড ওফিস - শিলোং

শিলোং ২৭ ৪ ৯৭ ইং

মণিপুর পণ্ডিত লোযশঙ

(শ্রীশ্রী গোবিন্দজী টেম্পল বোর্ড)

ইম্ফাল - ৭৯৫০০১

তাং ০১ - ০৫ - ৯৭ ইং,

ড্রঃ খৈরুদ্দিন খুল্লাকপমনা ইম্না বানা মশাম চংনা হেক্নজবুনা মীতৈ লৈপাক অসিদা লৈরিবা মুসলিম ইপা-ইচা, ইচিল ইনাওশিং অসিনা খবন্থ মকমদগী ওইসুং নিংথৌ ববন্থগী চহৌথকনা মীতৈ লৈবাক অসিদা লৈরকপগী হাফম্নাংবা বাম্না বুপনা থিঃজিন্না চমজিল্লিবা অসিদা মীতৈ লৈংক্না লৈরথক্না নকনা অতোপ্পা পেরশিংদা লৈরিবা মুসলিম কথোকপী মরমদসু বুপনমক হওরবসু মচি লৈনবা লাকপনচিংবগী মাংলুপ্না ইরি। মরম অসিনা মীতৈ ইপা-ইচা মুসলিমনা লাকপা তিনিগী মরমদা লাইরিক হেক্না লোংশাদনা হবম্না পুযাদসু ইরি। ডাং খৈরুদ্দিন পান্টুক্কাংবগী সনাহংকুমসু বাংলা হণ্ত্রা চনবগী মতাংদা "লাকোক লংলেন অহানবা কোক্না পুয়াদা ইবিবা অসিসু শিংথাবা মাংবা কলামী যত্না হুনবগী মরমদনি। অসিগুম্বা নুপামচম জাতি অসিনা থক্লেংবা ইমি খোঙী মতমসু খুনশেমশৈরেম কবাদা থোদাং যাবক্রবা মুসলিম জাতিনি হায়দা হায়মনবা খোবকলেংনা হায়না মণিপুর পণ্ডিত লোইশংনা শিংথাদবা ঙমদে। অসিদসু নমনা মীতৈগী লমখৈ ঙাকপনা থোদাং যারকখিবা মণিপুরী মুসলিমনি হায়না পণ্ডিত লোইশঙনা শিংথানবা ঙমদে। ইবিবা মশাবালদসু লোংশাদৈ পুযাগী বাহস্তোক লৌনা। ইজরনি মতুংদা অসিদগী হেন্না মুসলিম শংগী মপুং ফাবা লাইরিক কয়াসু ইবকপগী বাথল লৈরি হায়না অইববু পণ্ডিত লোযশঙনা হন্না হন্না থাগৎচরি।

শ্রীওরিয়াম্বম কুলচন্দ্রসিং পণ্ডিত অচৌবা

মণিপুর পণ্ডিত লোযশঙ

শ্রীশ্রী গোবিন্দজী টেম্পল বোর্ড, ইম্ফাল।

"ৱাফম খরদং"

মণিপুরী মুসলিম নত্রপা পাঙল লমদম অসিগী সংস্কৃতি অমস্তুং ইতিহাস শাগৎপদা মরু ওইবা মফম কন্দূনা লৈরবা কাঙলুপনি। শ্রী খৈরুদ্দিনগী 'টর্কো অফগানগী চাদ-নাউদা' চাউরাক্লা চহী চামরিরোমগী মমাঙদগী হৌনা মুসলিমশিংনা মতৌ করম্না লৈবাক অসিদা লাক্লদুনা খুন্দ-লৈতানা লৈরকখিবগে হায়বগী ৱারোগী পারিং উৎপনা মপুং ওইবা লাইরিক্নি। হৌজিক্কী মতমদা শাগেগী নত্রগা কাঙলুপ অমগী হৌরকফম নত্রগা চাদ-নাউদাশিংগী মরমদা ইবা হায়ব-শিমক তরাই-তরাইবা ৱাফম অমদি ওইদে, চিংথ-নাম্থহৌবা অমসুং ফংলিবা সোর্স অতুগী মতুংইন্না মত খেন্নবা তঙাইফদনা থোক্লবা নত্তে। অতুম ওইনমক, খৈরুদ্দিননা মতম চঙনা লমদমসিগী অপুনবা শক্তম শাগৎপদা থৌদাং লৌরিবা, মণিপুরী মুসলিমগী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরিবা থৌনা অসিবুদি পুক্নিং থৌগৎফম থোকই। খেন্নবা শক্লেন য়াওরবস্থ "লাইরিক অসি লৈবাক অসিগী শাগৈ শলাইগী হৌরকফম মথং মনাওগী পরিং নাইনা ইবা মৈহৌবরোলগী কাঙলুপ মন্নুংচন্না থম্বা য়াই"।

লাইরিক অসিমক্তা অইবনা মশাগী সংস্কৃতি অমসুং পরমপরাদা মশানা য়েংবা মিৎয়েংনি। মসিদা মুসলিম অমনা মশাগী কাঙলুপপু নুংশিবগী, কাঙলুপসিগা লমদমসিগা লৈনরকপা অচেৎপা মরীগী মওং মওং অমা নত্রগা অমদা তাবস্থ থেংনগনি। অয়াম্বা রিফরেন্সস্থ "য়াদ দাশ্ত কুর্সি নামা" হায়বসিদগী ওইরি। অমা নত্রগা অমবু ওইরবস্থ শ্রীখৈরুদ্দিনগী লাইরিকসিনা লমদমসিগী সংস্কৃতি অমসুং ইতিহাসপু শিজিন্নবা মীওই-শিংদা অচৌবা মতেং অমদি শোয়দনা পীরগনি নীংই।

ডাঃ পিঃ নবচন্দ্র সিংহ

মণিপুরী ডিপার্টমেন্ট,
মণিপুর য়ুনিভর্সিতি
কাঞ্চীপুর, মণিপুর।

ইম্ফাল
তাং ১০।৫।৯৭

ৱাহৈ খরদং

মুহম্মদ খৈরুদ্দিন খুল্লাকপমনা ইবা "টর্কো অফগানগী চাদ-নাউদা" (পাঙল (মুসলিম) শিংগী হৌরকফমদা য়ুফম ওইবা ইতিহাস) ঐহাক মপুং ফানা পাঙরে। লাইরিক অসিদা মণিপুরদা খুন্দাথিবা মৈতৈ পাঙলশিংগী হৌরবযম, করম্না লমদম অসিদা খুন্দাখিবগে হায়বা লৌখুন নিংখিনা নৈনরি। এম, খৈরুদ্দিন্না কাংলুপ অসিগী হৌরকফমশি ময়ায় থংবা এসিয়াদা লৈবা টর্কো অফগানশিংগী চাদানি হায়না ময়েক শেংনা উৎলি। লাইরিক অসিদা অইবনা পৃথিবীদা লৈরিবা মুসলিমশিং হায়বদি শেখ, সৈয়দ, মুগোল অমদি পাঠানশিংগী মচা-মশু ভাক্তনা হায়না মণিপুরদা লৈরিবা মৈতৈলোন লোন্দুনা খুন্দারিবা মুসলিমশিংবু প্রমাণ তৌরি।

মণিপুরগী অরিবা ইতিহাসকার কয়ানা মণিপুরী মুসলিমশিং অসি লাইনিংথৌ খাগেম্বা (১৫৯৭ ১৬৫২) হাক্তক্তা লাকখিবা লানফাশিংনা মণিপুরদা খুন্দাখিবা অহান্না মুসলিমশিংনি হায়দুনা ইবিরম্মী। অদুবু, খৈরুদ্দিননা "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" গী মতুংইন্না লাইনিংথৌ খাগেম্বা হাক্তক্তগী লাকখিবা লমদম অসিগী মুসলিমশিং অসি লানফা ওইনা উহনবদগী খরদং খেথরগা মুসলিম লুচিংবনা মৈতৈ নিংথৌগা য়ানরগা লমদম অসিদা খুন্দামিন্নখিবনি হায়বগী ৱাথল্লোন উৎলি। অসিগুম্বা মণিপুরী মুসলিমগী ইতিহাস অসিনা মৈতৈ ইতিহাসকারশিংনা ইবীরমবগা খরদং থেনবশি ৎসিগী অমদি তু গী ইতিহাস নৈনবশিংগী মথুৎতা শিন্নজরি।

লাইরিক অসিদা অইবনা টর্কো অফগানশিংনা ভারত্তা লান্দা-রকখিবা অমদি লৈখিবা, মখোয়না শন্দোরক্লনা মণিপুরদা খুন্দারকখিবগী মরি মখোং নিংখিনা নৈনৈ। লাইরিক অসিদা মণিপুরী মুসলিমশিংগী য়ুম্নাক ৬৪ অমসুং য়ুম্নাকশিংগী মথৌ মতম নিংখিনা নৈনৈ। লাইরিক অসিগী লোন্দা-পুদা ফজে। মৈতৈলোন লোনবা মীতৈ পাঙলশিংগী

পাংগলশিং অমসুং মীরাংনশিং নিংথিনা লৈনৈ। অসিত্তা নংঙনা মুসলিমশিং তগী ওইবা লৈঙাক মপু "কাজী" হাপত্তুনা ইসলামিক আইন শীজিন্নদুনা, রাজেন পথাপ, মণিপুরগী মহারাজশিংনা তৌরম্লী অমসুং মৌলবীশিংবু মসজিদশিংগী থৌ পুহনবী হায়বসিংশু উংলি।

লাইরিক অসিবু ইবিবিবা খৈরুদ্দিন মুহম্মদনা মতম চাংনা থিংজিন-বিদুনা লাইরিক অসিবু পুথোকপীশিংগীদমক্তা ঐহাক্না থাগৎচবি। মসিগুম্বা লাইরিক অসি লমদম অসিদা লৈরিবা মণিপুরী মুসলিম (মৈতৈ পাংগল) শিংগীদমক অরুবা ইতিহাস অমনি হায়না থাজৈ অসিগুম্বা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না শিংনদুনা লৈমিনবগী অপুনবা ইতিহাস অমা শাগৎপদা অচৌবা শরুক অমা পীগনি হায়না আশা থমজরি। মতুংদসু লাইরিক হৌ। অসিনা নপনা থিজিনদুনা অসিগুম্বা লাইরিক কয়া পুথোকপীবা ঈশ্বরনা চমহনবীশনু।

ডাঃ সরোজিনী
মণিপুর ষ্টেট আরকাইভস
পোরোম্পাট. ইম্ফাল।

তারিখ ১৭।৫।৯৭ ইং,
ইম্ফাল।

মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা মতমদা মাইকৈ কয়াদগী মীওই কাংলুপ কয়া লাকখি। মখোয়সিংনা অমগা অমগা তোংন-তিন্নরক্তুনা ইতিহাসকি ইচেল অমদা অনৌবা মণিপুরগী শক্তম অমা সাগংলকপনি। মসিদা নোংপোক-নোংচুপ, খা-বাংদগী তোঙান-তোঙানবা কুচু-কুমেন, লাইনিং-লাইসোল, লোন-লি কয়া য়াওখ্র-বনি। মখোয়সিং অদুগী মনুংদা টর্কো-অফগান কাংবু কয়া য়াওখি অমসুং মখোয়গী খোঙুল য়েংখংপা খৈরুক্পিন খুল্লাকপমগী মীংয়েং অমসুং নৈনবা অসি অনৌবা লম্ অমনি। নৈনবা লাইরিক অসিনা অরোইবা রারেপ্পা অমা ওইদবা য়াই, অদুবু মহাক্না পুখংলকইবা নৈনবগী হিরম অসি অয়াইবা য়া নত্তে। অরিবা মণিপুর, মণিপুরিগী সক্তমগী মরমদা নৈনবা মীওই খুদিংমক্না তম্ভাইফদনা পাদবা য়াদবা লাইরিক অমদি ওইরে।

লাইরিকসিবু খুজিক্কং মাংজোননা পাহনবীবগীদমক অইবা মসাবু থাগৎচরি। নৈনবগী লোইনাইদ্রবা লম্বেলদা মণিপুরগী পাঙলসিংগী মসক-মচু, কুচু-কুমেন, খুমাইসিদা পীবা খুদোল খুদিংমক য়েংবা চংই। মতুদা লাইরিক অসিগী ফমফম অমা সোইদনা লৈরগনি হায়না থাজে।

এম; সি: অরুণ

N. B. খোমজিনজম্নিবা শাগৈ/শাগৈগী চাদ নাউদাশিং অসি করিগুম্বদা চীং-নাম্বহৌবা অমদি অরান-অচুই য়াওরবসু ভাকপীরকুবা নীংশিংজরি। অনীগুম্বা খুৎলমদা চাটকা লোইননা কোঙননবা থোরাং তৌজরি। শাগৈ/য়ুম্মাক খুদিংমক্কী (মীতৈ অমদি পাঙলগী) শুরোল-চারোল শুনা কোঙননবা থোরাং লৈজে—CIRCLES।

মণিপুরদা তোঙান-তোঙানবা মতমদা মাইকৈ কয়াদগী মীওই কাংলুপ কয়া লাকখি। মখোয়সিংনা অমগা অমগা তোংন-তিন্নরক্তনা ইতিহাসকি ইচেল অমদা অনৌবা মণিপুরগী লক্তম অমা সাগৎলকপনি। মসিদা লোংপোক-নোংচুপ, খা-বাংদগী তোঙান-তোঙানবা কুচু-কুমেন, লাইনিং-লাইসোল, লোন-লি কয়া য়াওথ্র-বনি। মখোয়সিং অদুগী মনুংদা টকৌ-অকপান কাংবু কয়া য়াওখি অমসুং মখোয়গী খোঙুল য়েংখৎপা থৈকদ্ধিন খুন্নাকপমগী মীংয়েং অমসুং নৈনবা অসি অনৌবা লম্ অমনি। নৈনবা লাইরিক অসিনা অয়োইবা য়ায়েপ্পা অমা ওইদবা য়াই, অদুবু মহাক্না পুখৎলকইবা নৈনবগী হিরম অসি অয়াইবা য়া নত্তে। অরিবা মণিপুর, মণিপুরিগী সক্তমগী মরমদা নৈনবা মীওই খুদিংমক্না তঙাইফদনা পাদবা য়াদবা লাইরিক অমদি ওইরে।

লাইরিকসিবু খজিক্কং মাংজোননা পাহনবীবগীদমক অইবা মসাবু থাগৎচরি। নৈনবগী লোইনাইত্রবা লম্বেলদা মণিপুরগী পাঙলসিংগী মসক-মচু, কুচু-কুমেন, খুন্নাইসিদা পীবা খুদোল খুদিংমক য়েংবা চংই। মতুদা লাইরিক অসিগী ফমফম অমা সোইদনা লৈরগনি হায়না থাজে।

এম; সিঃ অরুণ

N. B. খোমজিনজৱিবা শাগৈ/শাগৈগী চাদ নাউদাশিং অসি করিগুম্বদা চীথ-নাম্বুহৌবা অমদি অরান-অহুই য়াওরবসু ভাকপীরক্লবা নীংশিংজরি। অনীগুবা খুৎনমদা চাইকা লোইননা ফোঙননবং থোরাং ভোজরি। শাগৈ/ঘুম্নাক খুদিংমক্তী (মীতৈ অমদি পাঙলগী) গুরোল-চারোল গুনা ফোঙননবা থোরাং লৈজে— **CIRCLES**।

য়াহৌদোক

"টর্কো অকপানবী চাদ-নাউদা" কৌবা লাইরিক অসি ঐনা ইজখিবদি মণিপুরদা পাঙলশিংনা লাকখিবা অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈ, ওজা-গুরুশিংনা বারী ওইনা হায়বিরগা তাহনখিবা অমদি অখঙ-অহৈ মশেল হাংনবদা তাখিবশিং অদু কাওদতুনা ঐগী থম্মোয়দা নিংশিংবগী পুক্কৈদা পৈশিন্দুনা লৈরম্ খিবনি। অখঙ-অহৈ, ওজা-গুরুশিং লোইবা নাইবা পুংস ওইখিবনা মাগী মাগী মতম লোইরক্লবদা অতৈং-অথম নাইদবগী মওংগুম তাইবং শেম্বা মপুগী খুয়া তানখ্রে। লাকপা লেপ্পবা হনখিবা লোয়বা নাইদ্রিবা মতম অসিদা লৈহৌরিবা মীরোল অসিনা মণিপুরী মুস্লিম (পাঙল) অসিগী মরমদা মতমগী মতুং-ইন্না খিজিনবগী মওম অমা লাকখ্রে। অদুগুম্বা খিজিনবগী লমদা শাইনাংফম ওইগদবা পুয়াশিং মণিপুরী মুস্লিমশিংগী ওইনা মশীং থন্না য়াম্মদনা লৈরম্বদগী খিজিনবগী লমদা অরাবা চৈথেং অমা থিজিল্লিবা/ থিজিল্লিবীশিংনা থাঙনখি। অরাবা চৈথেং থাঙনবদু উবদা য়াম্না পেক্লখিদে, হায়কম খঙদনা ওল্লাংখি। অখঙ-অহৈশিং ঙম্মক লৈখিদ্রে, লৈখিদ্রবা মতুং অসিদদি বারী থরদমক খঙজ-তাজহৌবা ঐখোয়বুল্ল (অয়াম্বা ওজা গুরুশিং লৈখিদ্রবনিনা) মরু ওইবা মীওই অমা ওইনা লৌবিরগা অরু-অথেনবু থন্ন-তানবা লাবগীবা মীওই কয়া অমত্তু য়াওরকখি। অসিগুম্বা মতমদা কাহেন্না অকিবা পোকখি-বদি পাঙল জাতি অসি হৌরকফম খঙনহৌদ্রবা মথংগী মীরোলদা মপা-মপী পান্দবা হৌরকফম খঙদবা কোয়চং-চংপা জাতি অমা ওইনা লৌবিখিদুনা ইজ্জৎকী য়ুম্ফমদা চাওখৎপগী মউ লিংবা ঙমহৌ-রোইদ্রা হায়বা অসিনি। পাঙল (মণিপুরী মুস্লিম) গী ইতিহাসকী লমদা য়াম্না চাওনা অরাংপা অমা লৈরব্রা অমত্তুং পাঙল কনানো?

কদায়দগী লাকপনো হায়রা কাওবা কাওশিল্লকপা য়াবগী অকিবা অমা লৈরবা মতম অসিদা ঐস্তু পাঙল (মণিপুরী মুস্লিম) অমা ওইনা পোকচমনগী অরাংপশিং অসি খরদমক ওইরবস্তু মেনখৎপদা শকক য়াজগে। শকক য়াজবা অত্নুদা খরদমক ওইরবস্তু অরাংপা অত্নু মেনখৎপা ওয়বদি হোৎনজমলগী মহয় য়াল্লগনি খঞ্জত্নুনা মথক্তা পল্লিবা লাইরিক অসি ইজখিবনি। লাইরিক অসিদা মরু ওইনা পাঙলশিং কদায়দগী হৌরকপনো অমস্তুং টর্কো অফগানশিংদগী পাঙল করম্না ওইরকখিবনো? মখোয়না মণিপুরদা য়ৌরক্লগা করি করম্বা থৌফমদা শকক য়াখিবগে অসিনচিংবা অসিনি। পাঙল হৌরকপগী ইতিহাসিক ওইবা মুখ্যম খিদোকপদা পাখিবা লাইরিকশিং মখিং পথা য়ার্বাদ নোংশামৈ পুয়া, চৈথারোল কুম্বাবা, নোংচুপ হারম, চাদ-লাইহুই, বিজয় পঞ্চালি, য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা, তারিখুল ইসলাম, হাদিকতুল ওলিযা, ইবনে খুলদুন, The rise of Mohammadan power in India, History of India অমদি শাকোক লমলেন অহান্না সিলেটের মাটী সিলেটের মানুষ, হবিগঞ্জ পরিক্রমা অসিনি। "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" লাইরিক অসি মণিপুরী মুস্লিমগী ওইনা লানজিংলেন মুহম্মদ সানি (নবাব) না পাসিদা ইরম্বনি। পুয়া অত্নু অম্নক মহারাজ গম্ভীর সিংহগী মতমদা রিফায়তুল্লাহ উর্ফে খোয়দোংবা জোমাদারনা মপুং ফাইনখিবনি। মুস্লিমগী ওইবা অসিগুম্বা পুয়া লাইরিক্কী মশিং খরা তাঙই। মমল য়াম্বা পাঙলগী রেকোড কয়া, মাঙকদ্রবা ওজা-গুরুশিংগী পাউতাক কয়া অমা অপোকপা জনাব অলহাজ মৌলানা কমরুদ্দিন শাহ মরহুমনা চেকশিন্না শেন্নবিরম্বদগী ওসিগী মণিপুরী সমাজগী মণিপুরী ইতিহাসকী ক্ষেত্রদা য়াম্না পাকশন্না অরাংপা অমা লৈরিবসিদা খরদং ওইরবস্তু মেনখৎনবা হোৎনজগে খনখিবনি। মথক্তা পনখিবা লাইরিক অসি জনাব

মৌলানা অপোকপনা লৈরিবৈদা ভুখায়চন্না ইরগা থমগ্রবনি, অরা অনং মায়োক্নবা পুন্সিগী মতম ওইখিবনা মদোমদা খোয়দোক্না ইথিন পীবা ঙমখিদে। অপোকপনস্তু লাইরিক অসে কোঙদোকপা ঙম্নদে। অহাম্বদস্তু পঞ্জ্যে, মণিপুরী মুস্লিমগী ওইবা লাইরিকশিংগী অরাংপা লৈবা, থিজিনবগী লমদস্তু মশিং য়ামদবা মতম অসিদা মুংশি-মুংশি ঙাম্লিবা পাঙল রেকোর্ড শংলেনগী থাউমৈবু অহেম্বা মচাল পীশিল্লগা অকম্না চমাক্কগী নোংলৈ মুংশিন্তুগী হিংহৌনবা খন্দুনা খাইবোক চম্না ইতুনা লৈরবা লাইরিক অসে মপুং ফাহনবিরগা ফোঙদোক-পীনবা শাগৈ অসিদা লৈবা ওজা-গুরু, অখঙ-অহৈশিংদা কম্না তক্কখি। লাইবক থীবদি অথুবা মতমগী ওইনা মতুগী ভার লৌবিনবা বনা অমা ফংখিদে। তামক অসিদা সরকারগী লেংয়শংদা খবক অমা পায়তুনা Account Section গী অচিনবা খোগল পুজরগস্তু All Manipur Shahi Association, Lilong না অসিগুম্বা লাইরিক অসি মপুং ফাহল্লগা অথুবা মতমদা ফোঙদোক্নবা ঐঙোন্দা খুংশিন্নবিখি। অসিগুম্বা All Manipur মী ওইবা য়াথং অমা ফংজবদগী অমুকস্তু রেকোর্ডশিংতু মাঙখিদনবগী রাখল্লোন্দা ঐনা মতু য়াবা তাখি অমস্তুং Shahi Association না শিন্নবিরকপা খবক অতু হরাও হরাও ফিগাও শানা য়াজখি। মণিপুরী মুস্লিম পাঙল-শিংনা তাবা মফম মণিপুর, কাছাড়, ত্রিপুরা, হোজাই, ডিমাপুর, নিচুগেংনচিংবদা কয়ারক হুন্না রেকোর্ড খোমগৎপা চৎখি। অতুগুম্বা খোঙচত্তা রেকোর্ড কয়ামুক খোমগংলকখি। রেকোর্ড খোমগংলকপা লম-লমগী মীওইশিংনা চাওরবা শরুক্কী মতেং পাংলকখি। অতুগুম্বা মতেং পাংলকখিবশিংবু ঙমখৈ লৈতনা ধন্যবাদ পীজরি অমস্তুং ময়ামগী লমন তোনশিল্লরবনি হায়না

লৌথৈ । অতুবু লাইবক থীবদি লাইরিক অসি প্রেসতা থা-জিন্দুনা নমহন্নবগী মতাংদা All Manipur Shahi Association, Lilong না কব্রিগুম্বা মথলগী দায়হ্না অমত্তা লৌবিখিদবনা চহি ১/২ গী মতম থিন্থখি। নৌহৌননা অমুক All Manipur Manipuri Muslim Historical Society অমসুং The Council for Islamic Renaissance on Cultural, Literary and Educational Survey হায়বা Organisation অনীসিনা লাইরিক ফোংদোকপগী দায়হ্না লৌবখি। লাইরিক অসি ফোংদোকপগী দায়হ্না লৌবিখিবগী দমক Organisation অনীবু ভমথৈ লৈতনা থাগৎচরি। লাইরিক অসিবু অথুবা মতমদা ফোংদোক্রবা তকশিল্লকখিবনা অরান-অশুই, মরেক্কী, বনান অমদি লোম্না পুদাদা অশোয়বা য়েংশিন থিজিনবগী মতম লৈজখিদে। অশোয়-অচাম য়াওরবদি তাকপীরকপদা হরাওনা লৌজগনি অতুগা বনানচিংবা শোয়রবসু মথংগী থুংনমদা শেমদোক্রবা থৌরাং থমজরি।

তাং ০৬-০৯ ৯৬ ইং

এম. খৈরুদ্দিন খুল্লাকপম্
লিলোং তুরেল অহল্লী, খেংনেংমাংথোং
মণিপুর।

"তরফ" লৈবাক

"তরফ" অরাবিক ৱাহৈনি। হায়নবা লৈ, তরফ জয় তৌখিবা লানহুম্বা সিপাহিসলার সৈয়দ নাসির উদ্দিন্না নিংথৌ আচক নারায়নবু অতোপ্পা মফমদা চংখিনবা হায়রম্মী। মসিদা "তরফ" কী অর্থদ অতোপ্পা মফমদা চংখিবা নত্রগা মফম থাদোকপা হায়দবু খঙহল্লি। অতোপ্পা মোং অমনা আউলিয়া ১২ গী মনুংদগী হজরত শাহ গাজী (রঃ) কৌবা অমনা "ইস তরফ জাওগে" হায়না লমজিংখি, মতুংদগী তরফ মীংথোনখি। মতমচুপ্পী তরফকী ঙমখৈদি অরাংদা বরাক তুরেলগী branch শিং থাদা বেজুড়া পরগনা অমদি ত্রিপুরাগী চীং, নোংপোক্ত ভানুগাসকী চীং অমসুং নোংচুপ্তা লাখাই। মতুংদা তরফ রাজ্য পরগনা ২৭ থোক্লা থায়দোকখি। পরগনাশিংচুদি মথংশিংনা-দাউদনগর, গোদা হাসন নগর, লুকরা হাসন নগর, উসাইনগর, রিয়াজপুর, ফতেজাবাদ, পুটীজুরি, বালিশিরা, আদি তরফ, বিশগাও, অনন্দপুর, বামৈ, রঘুনন্দনচিংবা। য়াম্না পাক-চাওরবা পাং ঘোড়িয়ারীজুরি লাম্নগা তরফ রাজ্যগী অরাংদা old branch of Barak River গী লোম্বান্দা তরফকী সীমানা (ঙমখৈ) লেপ্তুনা লৈরিবা খুন অতুবু সীমেরগ্রাম নত্রগা সীমের গাও হায়না কৌই। তরফকী থানোংপোক কাচন ওইতুনা বাংলাদেশতা ঐতিহাসিক ওইরবা খোয়াই (খুয়াই) তুরেল চংশিল্লকই। কু হায়বগী অর্থদ চীজাও, আই নত্রগা ইযগী অথদী ঈচেল হায়বনি। কু-আই নত্রগা কুয়াই খৈদরকপদা ক্ষেমাই নত্রগা খোয়াই কৌবা চীংদগী চেল্লকপা ঈচেলনা তরফকী চুনারুঘাট, বাহুবল, হবিগঞ্জনাচিংবা থানা ফাওহুনা চেল্লি। খোয়াই, করাঙ্গী, সুতাং শযানালী, কালিশিরি, যোজনাল অসিনচিংবা তুরেলশিং অমসুং তুরেলখোংশা কয়ানা থল্লবা মফম অসিদা মতম অমদা পৃথিবীগী য়াম্না নুংঙাইবা মফম ওইরম্মী। দিনারপুর চীংগী নোংপোক্তা লৈবা হাইল হাওর অমসুং নোংচুপ্তা ঘোড়িয়ারীজুরী হাওর লৈ। চীংগী অরাংথংবদা

চেল্লি গোপলা তুরেল। অরিবা রাজমালাদা ইরিবা "কোপলাই", গোপলা মীংদা মমিং চংখি। গোপলা খোঙলোয় মতুংইন্না বিজনা, বালিখাল মীংথোন্দুনা অজমীরিগঞ্জগী মনাক্তা ভেড়া মোহনা তুরেলদা ঈতিনখি। ভেড়া মোহনা, সুরমা, কুশিয়ারান-চিংবা তুরেলশিং "কালনি" হায়বা মফমদা ঈতিন্নদুনা ভৈরব বাজারগী মনাক্তা মেঘনাগা ঈতিন্নখি। চহি লিশিং কয়াগী ট্রেদিশন অমসুং চাওখৎলবা কৌউ-শিংউ মফম অসিদা শিজিন্নবা অমসুং লায়থোকপদগী য়াম্না ঈং-তপনা, চোকথরদুনা রঘুনন্দন অমসুং দিনারপুর চীংদা কোক থন্নগা তুমগ্রে। ঐথোয়না খঙবা ওন্মী, গোপলাগী তোর্ব্বান্দ। দিনারপুরগী অসিগুম্বা মফম অসিদা মতম অমগী ত্রিপুরাগী নিংথৌ শাগৈ অহাব। থোকখি। করম্বা মতমদগী হৌদুনা মফম অসিদা মীওইবনা খুন্দারকাখবগে হায়বদু ইতিহাসকী চেনাদা চন্নুনা লৈরি। তরফ অসি ব্রাহ্মণ-বড়িয়ার গী অবাংদা লৈবা সরাইল হায়বা মফমদগী অবাং-নোংপোক্তা কি: মি: ৬৪ (মাইল ৪০) লাপনা লৈবা মফমনি।

★ হবিগঞ্জ পরিক্রমা — Edited by { ডা: মোহম্মদ অফজল, সৈয়দ মোস্তফ কামাল }

মাগধ রাজ্য অমসুং প্রতাপগড়

হটুনাথকী পাচালীগী মতুং ইন্না অঙ্গ লৈবাক্কী যুবরাজ ছত্র সিংহ ব্রহ্মচালগী যজ্ঞ গী বার্তোন কংদুনা লাক্লম্মী। যজ্ঞ অদুগী মতুংদা ত্রিপুর নিংথৌ ধর্ম্মধরনা হায়জবদগী ছত্রসিংহ কৈলাশগড়গী যজ্ঞসু য়াওরম্মী। মহাক্না মরৈবাক্তা হনখিবদা মাগী রাজ্য অদু য়েক্লবনা থুদুম চনখিরম্মী। মতৌ অদুদা তঙাইফদনা মহাক সিলেটতা হল্লক্রম্মী অমদি যজ্ঞ তৌবা নিংথৌশিংদা মহাক লৈবাক অদুদা লৈজগে হায়না হায়জরম্মী। গৌড়গী নিংথৌ ধর্ম্মধরজ, ব্রহ্মচালগী নিংথৌ ব্রহ্মজিৎ অমসুং ত্রিপুরগী নিংথৌ ধর্ম্মধরনা মোং

অমম্বা ওইনা ত্রিপুরা অমসুং গৌড়গী Union Place কী মফম থম্বা ছত্রসিংহদা দান তৌখি। মফমদু আদম আইল চৌংগী মনা কনি। মাগধী ছত্র সিংহনা পীরুবা রাজ্য অমা শেম্লদুনা "মগধ" মীংথোনখি।

ছত্রসিংহনা লৈরম্বা চৌংগী মমিং ছত্রচূড়া নত্রগা ছাগচূড়া হায়না খংনৈ। মহাক্কী মচানুপীগী মমিং কাঞ্চনমালা কৌরম্মী। মহাক্কী অহান্না মচা নুপা নত্তবদগী নিংথৌনা কাঞ্চনমালাবু লুহোংবিদুনা মক্সাক নুপা ফংজখি। মহাক্কী অরোইবা পুন্সিদা মচানুপা অমা ফংজখি। মরম অসিনা মহাক্কা মহাক্কী রাজ্যবু মচানুপা অমদি মক্সাক নুপা অনীদা য়েনথোকখি।

গৌড় গোবিন্দনা পাম্বা মতমদুদা শাগৈ অদুগী কনকসিংহগী মমিং তাবা ফংই। কনকসিংহনা ত্রিপুর নিংথৌ রত্নমানিক্যগী মচলনুপীবু লুহোংজম্মী। কনকসিংহগী মচানুপা প্রতাপসিংহ অমসুং জগৎসিংহনি অদুগা মচানুপীনা শান্তিপ্রিয়ানি। গৌড়গী নিংথৌ গোবর্ধনগী মচানুপা গরুড় ধ্বজগা শান্তিপ্রিয়াগা লুহোংখি।

সিলেটকী করিমগঞ্জগী খাদা ছত্রসিংহ, কাঞ্চনমালা, কনকসিংহ, প্রতাপ সিংহনা চিংবা রাজ্য লৈরম্মী। Region অসিদা লৈরিবা ছাত্রচড়া, প্রতাপগড়, সোনাই কাঞ্চনপুরনাচিংবা মফমশিং অসিনা মগধ নিংথৌরেলবু নিংশিংহন্বদা মতেং পাংলি। Probably, শাগৈ অসিগী অরোইবা নিংথৌদি প্রতাপ সিংহ নত্রগা জগৎসিংহনি।

প্রতাপগড় ঃ "সোনাই কাঞ্চনপুর" অসি প্রতাপগড় রাজ্য ওইনা ফাওরকখি। প্রতাপগড়গী নোংপোক মায়কৈদা চরগোলাদা "জগৎসিংহ গড়" মীংথোনবা লৈবাক্কী fort লৈ। মসিদা পাল্লম্বা নিংথৌ শাগৈনা মুৎখরকপগা লোইনংলে. ইনন প্রতাপগড় গুরুবা উমং বামং ওনখি। মতমগী খোংলোয় মতুংইন্না region অসি ত্রিপুরা রাজ্যগী মনুংচনখি অমসুং পোড়া রাজা কৌবা Tributory Prince অমগী অধিকারদা লাকখি।

সুলতান বায়জিদ ঃ মতম অদুদা ১৫ শুবা শতাব্দীগী অরোইবা শরুক্তা মির্জা মালিক কৌবা পাখঙ অমা লাইবক চাংযেংবা ওইনা চবগোলাদা লাকখি। মহাক্না "পোড়া রাজা" গী মচানুপী উমাবতীবু লুহোংদুনা প্রতাপগড়গী নিংথৌ ওইখি।

শাগৈ অসিগী ইবোই লোযবা মীওইদি সুলতান বাযজিদনি। ত্রিপুরা নিংথৌ ধর্ম মানিক্যগী ধনমানিকা অমসুং প্রতাপ মানিকা কৌবা মচা অনী লৈরম্মী। ধন মানিক্যনা নিংথৌ খুতম মুনগ্রবদা মচিনমনাও অনী যেংখিনবা হেনগংলকখি। প্রতাপ মানিক্যনা মহাক্কী শক্তি হেনগংনবগী বাখল্দা মচানুপী রত্নাবতীবু সুলতান বাযজিদকা লুহোংবিখি। প্রতাপ মানিক্য ১৪৯০ দা হুংখি। সুলতান বাযজিদনা প্রতাপগড improvement তৌখি। বাযজিদকী মচানুপা অহল মেরামত খাঁ নীব ওইবম্মী প্রতাপগডনা শক্তি হেনগৎলকপদা কাছাড নিংথৌনা চিংনবকখি অমসুং প্রতাপগড় আক্রমন তৌখ অদুবু কাছাড নিংথৌ মাযথীখি। মেরামত খাঁ গী মসুনুপ আফতাব খাঁগী মতমদা কাছাড় নিংথৌ তুলসীধ্বজনা অনৌবা প্রতাপগড আক্রমন তৌখি। লাম্মা তুলসীধ্বজ শিখিবম্মী অদুবু মাগী কোংনবী রানী কমলা দেবীনা লান অদু শোক্খি। আফতাব খাংসু শিরম্মী কাছাড়ী সিপাইশিংনা প্রতাপগড দখল তৌখ।

প্রতাপগড়গী নিংথৌ শাগৈ (মথংমথাং লাইনা পীডবি)

মির্জা মালিক মুহম্মদ তুরানী

মির্জা মালিক মুহম্মদ সানি (মালি কামাল উদ্দিন)

মির্জা মালিক মুহম্মদ মজকুর (মালিক প্রতাপ)

রাজা মেরামত খাঁ

জমসের খাঁ

আফতাব খাঁ

1। সিলেটের মাটিও সিলেটের মানুষ — অইবা — ফজলুর রহমান
2। "যাদ দাষ্ট কুনি নামা" — অইবা — খামু মিয়া চৌধুরী
3। "য়াদ দাষ্ট কুনি নামা" — অইবা — রিফায়তুল্লাহ

ৱাহৈ খরা

মুঃ খৈরুদ্দিন শাহ (খুল্লাকপম) না ইবা "টকৈ। অফগানগী চাদ নাউদা" হায়বা লাইরিক অসি পারে। মণিপুরদা অতম কুইনদগী মরৈবাক মরমদমক ওইনা লৈরক্লবা মীক্তৈ পাঙলগী হৌরকফম অমদি ওসিগী যুগ অসিফাওবদা চৎথরক্লিবা পাল্লী পুরিগী ৱাংলী অমা থিদুনা পুথোক্লবা অইবনা লাকনরি। হকথেংননা উহৌ-শঙহৌবা অথঙবশিংদগী খুদম পীদুনা চেংনা থাজরবা পরীং অমা শেমগৎনবা লাক্লরি। মতম চংনা থৌনা লৈনা হোৎনরিবা অইবগী মশং অসি থাগৎনিংঙাইনি।

মুঃ খৈরুদ্দিন শাহনা লানথোক্লিবা পরীং অসি কদায় ফাওবা মযামগী ওইনা লৌশিনবা য়ারবা লোয়ননা কয়া য়াম্না লাইথায় তাবা য়াংরবা হায়বদুদি ইতিহাস খুৎচুবশিংগী নৈন পরৈদা লৈরে। অদুগা নৈনবগী মচল পুথোক্লিবসিদি খিংকৌ নক্তে হায়না লৌফম থোকই। হৌফম থিদুনা খঙদোকপা কৈ। ইশাগী নাং খঙবা অমদি খঙহনবা য়াম্নমক মরু ওইবা লৌচৎ অমনি। লৌচৎ অসোমদা পুক্নীং চংলকপা অইববু তরাম্না ওকফম থোকই। তুংগী লম্বেন্দসু তাইবঙ মপুনা থৌনা পীবিবা ওইসনু।

কাঞ্চীপুর
২৫/২/৯৪ ইং

ডাঃ এলাংবম দীনমণি সিংহ
প্রোফেসার অমসুং হেড,
মণিপুরী দিপার্টমেন্ট,
মণিপুর য়ুনিভরসিটি।

হীরম লমায়

ভারতা মুসলমানশিং লাকপা

ভরাশুবা শতাব্দীদা আরব সম্রাজ্য মরায় চারথরকখি, নোংপোক থংবা আরব সম্রাজ্যগী শরুক মচেৎ তাহুনা তুর্কীশিংনা শক্তি পায়রবা কৌরকখি। খৃঃ ৯৬৩ দা তুর্কী মীনাই আলপ্তগীননা অফগানিস্থানদা মানংতংদা গজনী লৈবাক শেমগৎখী। মহাক্না শিরবা মতুংদা মহাক্কী মীনাই ওইরম্বা সবুক্তগীননা খৃঃ ৯৭৭ তা গজনীগী মপু ওইখি। মতম অতুগী গজনী লৈবাক্কী ওমথৈ পেশাবর ফাওবা শান্দোকখি। সুলতান মামুদ (মহম্মদ) (খৃঃ ৯৯৮-১০৩০) সবুক্তগীননা শিরবা মতুংদা মহাক্কী মচানপা মাহমুদনা গজনীগী নিংথৌ ওইরম্মী। মহাক্না লানথোক্না ১৭ক চান্দারকখি। খৃঃ ১০০১ দা মহাক্না ভাতিন্দগী নিংথৌ জয়পালবু মায়থোবা পীখি। খৃঃ ১০০৮ দা জয়পালগী মচানুপা আনন্দ পালসুবু মহমুদনা মায়থোবা পীরম্মী। খৃঃ ১০১০ দা মহমুদনা মুলতান জয় তৌহুনা লৌশিনখি। মহাক্না মথং মথং নগরকোট (১০০৯), থানেশ্বর (১০১৪), মথুরা (১০১৮), কনৌজ (১০১৮), গোয়ালিয়র অমসুং কালিনজর (১০২১-২২) অমসুং গুজরাটকী সোমনাথ (১০২৫) লান্দারকখি। অদুম তৌদুনা ময়াই থংবা এশিয়া জয় তৌনবা থৌরাং তৌরম্মী। ময়াই থংবা এশিয়াদা অচৌবা গজনীগী সম্রাজ্য অমা শেমগৎনবগী রাখল অদুনা মাঙজিন থাহুনা মহাক্না ভারতা লান্দারকখিবনি। খৃঃ ১০৩০ সুলতান মহমুদ তাইবং পান্থবু থাদোক্লমগা অরোইবা য়াহিপ তানখি। মহমুদ মশামক লান্দা থৌনা ফবতা নত্তনা কলাবিদ্যা অমসুং সংস্কৃতিবু পুক্নিং চংনা য়োকখৎপা পাম্বা নিংথৌ অমা ওইরম্মী। মহাক্না ফজরবা ফুরা দলাল কয়া শাহুনা

গজনী সহরগী মতিক মগুন হেনগৎহনখি। মহাক্না গজনীদা বিশ্ববিদ্যালয় অমসুং অচৌবা লাইরিক পাকম শঙ লিংখৎলম্মী। মহাক্কী কোর্টদা অফাওবা কবি অমসুং পণ্ডিত কয়া লৈরম্মী। ফিরদৌশি অমসুং অল-বিরুনীনা পুন্নমক্তগী অখোইবা ওইরম্মী। ফিরদৌশিনা সুলতান মহমুদপু থাগৎতুনা "শাহনামা" কৌবা শৈরেং ব্বারা (কাব্য) অমা ইরম্মী। অল-বিরুনীনা ভারতকী মরমদা লাইরিক অমা ইরম্মী। সুলতান মহমুদ মশামক অচুম্বা চৎপ অচুম্বা লৈঙাকলোন পাম্বা অমসুং ময়োকখৎপা নিংথৌ অমা ওইরম্মী। মশামক্না লৈবাক ব্বায়েল্লম্মী।

মুহম্মদ ঘোরী :— ঘোর লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা অহান্বদা গজনী লৈবাক্কী নিংথৌশিংগী মখা পোল্লম্মী। খৃঃ ১১৭৩দা ঘোরগী সুলতান গিয়াসুদ্দিননা গজনী লৈবাক জয় তৌদুনা লৌশিনখি। ঘোরগী নিংথৌনা মহাক্কী মনাওপা মুইজুদ্দিনবু গজনীগী রাজপ্রমুখ হাপ্খি। মুইজুদ্দিনবু মুহম্মদ ঘোরী হায়না খঙনরম্মী। মহাক্না খৃঃ ১১৭৫ দা মুলতান অমসুং উচ খুদম চনখি। পেশাবর অমসুং লাহোরসু জয় তৌদুনা লৌশিনখি। অসুম্না পঞ্জাব অপুন্না মহাক্কী মখুৎতা তাখি। পঞ্জাব লৌশিনখিবা অসিনা অরাং ভারত অপুন্না মুহম্মদনা জয় তৌনদা। মহাক্না ভারত্তা মুসলমানশিংগী অচৌবা সম্রাজ্য অমা লিংখৎনিংবগী অচেৎপা ব্বাখল লৈরম্মী। খৃঃ ১১৯১ দা থানেশ্বর (কর্নাল)গী মনাক্তা শোক্লখিবা টেরাইনগী লানফমদা দিল্লি অমসুং অজমীরদা পাল্লম্বা চৌহানগী নিংথৌ পৃথিবীরাজনা মুহম্মদপু মাযথিবা পীখি। অদুবু অনিশুবা টেরাইনগী লানফমদা (খৃঃ ১১৯২) পৃথিবীরাজ মুহম্মদকী মখুৎতা মায়থিখি। অনিশুবা টেরাইনগী লান্দা মাযপাকপা অসিদগী মুহম্মদকী পুক্নীং থৌগৎখি। লান অদুনা মহাক্না ভারত্তা মথং মথং লান্দারকপগী অহাম্বা খোংজং ওইখি। ভারত্তা মুসলমানশিংগী লৈবাক অমা লিংখৎনবগী য়ুম্ফম শেমখিরম্মী। মুহম্মদনা অজমীরসু থুদুম চল্লম্মী। মথংদা মহাক্না কনৌজ নিংথৌ জয়চন্দ্রবু চান্দ্বার (ইটরা)গী লানফম (খৃঃ ১১৯৪) দা মায়থীবা পীরম্মী। মুহম্মদকী

সেনাপতি কুতুবুদ্দিননা দিল্লী, মিরট, রণথম্বর কোল কালিনজর অমসুং অল-হিন্দবারা জয় তৌরম্মী। মুহম্মদকী অতোপ্পা সেনাপতি বখতিয়ার খিলজীনা বিহার অমসুং বঙ্গদেশ জয় তৌদুনা লৌশিনখি। অসুম্না অরাং ভারত অসি মুহম্মদ ঘোরীগী মখাদা পুরকখি। মুহম্মদ ঘোরীনা লৌশিনব ভারতকী লমশিংদুগী রাজপ্রমুখ ওইনা কুতুবুদ্দিনবু হাপ্লম্মী। খৃঃ ১২০৬ দা পঞ্জাবকী খোখারশিংনা মুহম্মদপু হাংখিরমই। মহাক্না শিরবা মতুংদা মহাকী মখাদা লৈরম্বা অরাং ভারতকী লমশিং অদুগী অশুপ্পা মপু কুতুবুদ্দিননা ওইখি। কুতুবুদ্দিননা মীনাই শাগৈ লিংখৎতুনা দিল্লিগী অহান্না সুলতান ওইখি। ভারত্তা অহান্না মুসলমানশিংগী শক্তি লিংখৎখিবা হায়বদি অহান্না সুলতান ওইখিবসি কুতুবুদ্দিননি। মহাক্না ভারত্তা শেমগৎ-শাগৎলম্বা মুসলমানশিংগী শক্তি অদুনা নোংপোক-লোমদা খুাইদগী চাওবা সম্রাজ্য অমা ওইরকখি।

বখতিয়ার খিলজী (টর্কী জাতি) না বিহার জয় তৌরবা মতুং মথং মথং খৃঃ ১২০৪ দা বঙ্গদেশ জয় তৌখি। খৃঃ ১২৭৯ দা বঙ্গ-দেশকী গভর্নর টুগরিলনা লাল হৌরক্লবদা দিল্লিগী সুলতান গিয়া-সুদ্দিন বলবননা লালহৌবদু নমথখি। মহাকী মচানুপা বোঘরা খানবু বঙ্গদেশকী নিংতম্বা গভর্নর হাপ্লম্মী। বোঘরা খান্না নাছিরুদ্দিন মিং-থোল লৌরগা (খৃঃ ১২৮২-১৩২৪) বঙ্গদেশকী নিংতম্বা সুলতান ওইখি। মতম অসিদা টুর্কী হায়বদি তুরানিশিং খৃঃ ১২৮৪ দা বঙ্গদেশতা য়ৌরকখি। টুর্কী তুরানিশিং লাক্লবা মতুং চহি তরুক (৬) লৈরগা খৃঃ ১২৯০ দা য়েমনদগী শাহজালালগী কাওবু অমা বঙ্গদেশ য়ৌরকখি। টুর্কীশিংনা বঙ্গদেশ লৌশিনবদা বাবাজী শাহজালাল

১। 'ইসলাম জ্যোতি হযরত (হজরত) শাহ জলাল' By :- চৌধুরী গোলাম আকবর- সাহিত্য ভুষণ Page 43 অমসুং 'ময়াই থংবা যুগকী ভারত ইতিহাস' By :- এল, বোধরঞ্জন সিংহ Page 23 অমসুং "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" By :- খামু মিয়া চৌধুরী সিলেটী

পীর সাহেবকী অচৌবা শরুক অমগী থোৌদাংনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। বাবাজী পীর সাহেব শাহ্ জালালুদ্দিন স্বর্গ মুরিদ ৩৬০ অমম্ভু লোৌযনরকখি। টুর্কী জাতিনা চংলক্লগা বঙ্গদেশতা অহানবা হেক্তা লান তৌরমদে। লানগী লানওং য়েংহুনা লৈরম্মী। লানওং য়েংফিডে বুরহানউদ্দিন কৌবা নুপা অমনা মচাগী 'অকিকা' শা অমা কংখি (জীবা তৌখি)। জীবা তৌখিবা শা অদু চাবিনবা মুসলমান মনীংয়াম্না রাংলম্মী। মতম অদুদা গৌড়গোবিন্দগী এলাকাদা মুসলমানগী য়ুম ১৩ খক্তা ঙাযরম্মী। মখোযনা শা অদু চাবদগী অকংকানী অবেপা শা মচেং অমা উচেক্না পুখিরম্মী। পুখিবা শা মচম অদু গৌড়গোবিন্দগী কোন্নুংদা তাহৌরম্মী। শা মতুম অদু উরবদা শা লেনবা, জীবা তৌবা মুসলমান কনা লৈবনো হায়না খিরকপদা বুরহানউদ্দিনবু ফংখি। মহুনা মরম ওইহুনা গৌড়গোবিন্দনা মহাকপু চঙৌ পীখবনি। চঙৌ ফংলবা বুরহানুদ্দিননা তাঞ্জা। অসিদা পীর সাহেব শাহজালাল অমদ মুরিদ ৩৬০ গী মতেং লৌখি। অঙুম তৌনা চাস্তেংনবকপাগী ইংশোক ১২০২ দগী ১৩১৮ ফাওবগী মতম খরা অসিগী মনুংদা বাংলা লৈবাক সিলেট অমসুং ত্রিপুরা য়াওনা মুসলমানা শংনা লৌশিনখি। মির্জা খাকান টুরানীগী মচানুপা মির্জা মালিক মুহম্মদ টুরানীনা ত্রিপুরাগী পুরারাজাগী মচানুপী উমাবতিবু তালোয় ওইনা লৌরগা মচা মঙা পোকখি। মখোয়হুদি- (১) মির্জা মালিক মুহম্মদ সানি (২) মির্জা মালিক মুহম্মদ মজকুর (৩) মির্জা মালিক মুহম্মদ জুনেদ (৪) মির্জা মালিক মুহম্মদ কৌরিফ (৫) মির্জা মালিক মুহম্মদ কুলশুম নি।

মির্জা মালিক মুহম্মদ টুরানীগী মচা মুহম্মদ সানি তরক লৈবাক্কী মনুংচন্বা প্রতাবগড়গী ইলহাইল কৌবা মফমদা কোন্নুং ওইহুনা পাল্লম্মী। মহাক্না পাল্লম্বা দেশ অদুগী পাকচাওবা ঙমখৈদি তরাংদা অমোসী নোংচুপ্তা সুরখাই (ঢাকা দক্ষিণ), নোংপোক্তা বদরপুর, খাদা কাটশিল

২। "য়াদ দাস্ত কুর্সি নামা" By :- খামু মিয়া চৌধুরী সিলেটী।

(লুসাই চীং ফাওবা) অসিনি। ইলছাইলদা হৌজিক ফাওবা লৈরিবা 'মুণ্ডোমালা' পুথি মতমতুগী কোম্মুংগী ফজবা নিংথিজবগী লমদা চাওনা শরুক য়াখিবা অমসুং সনাগী মথক্তা তম্ফা থীবগুম নিংথিজবদা শিংথানিঙাই ওইরবা অমনি। পুথি অদু মুহম্মদ সানিনা কনথোবা অমাদ হৈশিংবা নবাব অমা ওইনা পাল্লম্বদগী 'মুণ্ডোমালা পুথি' অসি পুথোকখিবনি। 'মুণ্ডোমালা পুথি' কৌখিবদি য়ুমলোন্নবা দেশকী যেক্লবশিংনা নবাব মুহম্মদ সানিবু মায়থীবা পীগে হাংলুগে হায়না অকনবা মীওই চামথক লাক্লম্মী। মকম মতমগা লাক্লিবা মীযামগা ভাবনা লানদুং অমা শারগা য়েংবদা খরা চরক-চহীং নাইবগী মতৌ থোক্কদোরে হায়বা খংলদুনা পাইরকী লৌশিং অমনা লাল্লোং অমা শেম্লে। নবাবকী বজিরবু লাক্লিবা য়েক্লবা ময়ামদা লাওথোকহল্লে 'নবাব সাহেব কন্না নাতুনা লৈরে ময়াম করিগীদমক্তা লেঙবিবকপনো; ঙসিদি হন্থীরো অনাবসি কন্না নারবনিনা নখোয় বারী শানবা য়াররোই' য়েক্লবা মহাক্না হায়বকই, 'নবাব কন্না নারবনিনা ঐখোয় বারী শানবোই, অমুক্তা মশক উন্নরম্নগা চীংংঙনা হল্লগে।' য়েক্লব' ময়াম্না হায়রিবদু নবাবনা য়ারে অমসুং থাজিল্লকবা য়াথং পীরক্লে। থৌরাং পুম্নমক হান্নরা লোয়হুনা লৈরবনিনা নবাবনা করিসু নাচুংদে। বজিরনা ময়ামদা এলান অমা তৌখি (লাওথোকখি)। অনাবসি কন্না নারবনিনা নখোয় লেংবিরক্লিবা ময়াম লাংবিদনা মী অমমমতা মমাঙ থোঙজাওদগী চংবীরগা উনবীয়ু অমসুং নবাবপু উন্নরম্নগা মনীং থোঙজাওরোমদা তপ্পা থোকপীয়ু। বজিরগী এলানগী মতুংইন্না য়েক্লবা ময়াম অদু অমমতা ওইনা মমাঙ থোঙজাওদগী চংলকপা হৌরে। মতম অদুদা মমুংগী অনিশুবা থোঙদা নবাবকী জল্লাদ (মীহাৎপা মী) উধামান কৌবা মুপা অমনা থাংশাং অমা পায়রগা লুমহুনা লৈরম্মী। অমমমতা চংশিললক্লিবা য়েক্লবশিংদু অনিশুবা থোঙ লানশিল্লকপগা জল্লাদ মীহাৎপনা থাংশাংনা কক্তুনা হাৎলম্মী। অসুম্না হাৎখিবসি মী ৯৯ শুব্রে ।

শরিবা মীওই ৯৯ শুদ্ধৈ হায়বা নবাবত্তা খওইনবদা অমত্তা ভায়রবা য়েক্কবা অদু নবাবকী হুকুম্নি থাদোকখ্রো হায়রকখি। বাকম অদু য়ুজিরনা লাওথোক্লবদা ১০০ শুবা য়েক্কবা অদু মফমচুদগী নাম্বোক্ত্না চেনখ্রে। শিহৌরিবা মীওই ৯৯ গী মকোক্ত্না করুগা কোয়না থম্বদা পাক চাওনা কল্লিবা মীকোক ৯৯ গী অকোয়বগী এলাকা (মফম) অদু পুখ্রি অমা ওৌখি। মচুগী পুখ্রি অদু মুগোমালা পুখ্রি কৌখি।[3] মুহম্মদ সানিনা নবাব ওইবা মতম অদু দিল্লিদত্তা নত্তনা ভারতকী মফম অয়াম্বদমু মুগোলশিংনা পায়া মতমনি। মসিম অদুদগী ময়াম্না মুহম্মদ সানিবু মুগোলনি হায়না লৌনৈ। তুশেংবদি মুহম্মদ সানি মুগোল নত্তে; টুর্কী জাতিনি। সুলতান বায়জিদ অমদি মুহম্মদ সানি মবাম্নিমক মতম অমদগী পানমিন্নখি। সিলেটকী চীফ ওইনা পাল্লম্বা বাযজিদতি মুগোলনি। অমুম্না মবানি টুর্কী অমদি মুগোলনি হায়বা মশা খায়না খঙবীগদবদি রিফবেন্স ওইবা ইতিহাস "The Rise of the Muhammadan Power in India" By:- Mohd. Kasim Farishta হায়রিবা লাইরিক অসি পাখিবগা খঙগনি। ইতিহাস আসদা মচা খায়না তাকপীরি। অতোপ্পা রিফ-রেন্স ওইবা লাইরিক অমনা 'য়াদ দাই কুসি নামা' By: রিফা-য়তুল্লাহনি। অদুবু রিফরেন্স লাইরিক খরা-নোংশামৈ পুয়া, চৈথারোল কুম্বাবনচিংবদদি মুগোলনি হায়না পীরি।

অমুম্না তৌতুনা মপাল লৈবাকশিংদগী মতম মতমগী ওইবা য়াওলদা মুসলমানশিং চংলকখি। চংলকখিবা মুসলমানশিং অদুদি— আরবস, টুর্কী, মুগোল, পার্শিয়ান অমসুং অফগানিশিংনি।[4]

3। 'য়াদ দাই কুসি নামা' By:- খামু মিয়া চৌধুরী সিলেটী
4। 'A History of India' Vol. I By: Romila Thaper, Page 266 & 267.

মুসলমানশিং মণিপুরদা লাকপা

খৃঃ ১৫৬২ দা মৈদিংঙু মুংযাম্বানা মনিপুরগী নিংথৌ ওইখি । মতম অদুদা সিলেটতগী মুসলমান মীওই অহুম লাকখি । মখোয় অমগী মমিং দি—আশিক শাহ, রুবা শৈখ অমাদি বটল্লান খান কৌই । মুংযাম্বা নিংথৌগী মচানুপা অহান মৈদিংঙু খাগেম্বনা খৃঃ ১৫৯৭ দা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি । খাগেম্বা মতমদা মণিপুর চাকচুংলমাচোংবা, লৈবাক রাযেল থৌদা ফেন্দা শাসন চুম্না তৌবা অমসুং চংশিনখৎপা লৈবাক অম ওইরম্মী । মৈদিংঙু খাগেম্বনা পাম্না মতমদা হিযাং তাম্নবা কুম্মা হুট লেবেলদা পুখোকপা হৌখি অমসুং চহি খুদংগী হিযাং তাম্নবা পাংথোকপা হৌখি । চহিগী হিযাং তাম্নবা মেবা কুমজনবা মতম হৌবক্রে । হিযাং তাম্নবগী হি চীংশোম্না খুরাই লাকপগী লৈবমদা, মনাও শানোংবগী হিদু বাইনগা হিযাং হিদেন্দা ঙিদান্নবা যাওখি হিদান্নবদা চীংশোম্বগী অরাই হি অদু থেংগাই-নদুনা কাযরে । অরাইবা হিদুগী মহুৎ শিংনবা মনাও ইবুংঙো শানোংবদা রা ঙাংনখি । মনাও ইবুংঙো শানোংবনা মযামবুংগী রাকম অদু যাদনিংখিদে । হাযনপ্রিবা রাকমদি অকাযবা হিবু ফোৎলগা খেনা-চিংবা ঙৈবগা শংলগে নত্রগা অহনবা হি অমা লৈরগা মহুৎ পীগে নত্রগা মমল ওইনা হি অদুগী মতিক চাবা পীগে হাযবনি । শানোং-বনা খুম্মকখি—"ঐগী হি অদুতা পীবীয়ু নত্রবদি ঐ য়াজদে"। অস্থুম্না নীংঙাই শংদানরকপদগী ময়ামবুং নিংথৌ খাগেম্বগী মনাক য়েৌনরে । মৈদিংঙু খাগেম্বনা রায়েম্বদসু অদুক তেমশিনবা য়ানদ্রে ।

খোদো অহূদা মৈদিংঙ্‌ খাগেম্বস্থ য়াম্না শাংরে। তৌকম খোকপা থবক তৌবদা য়ারক্ত্রবা হায়বসি লৈবাক সমাজ অমগী য়েক্কবা মীশক অমনি। অতুগুম্বা মরাল লৈরবা মীওইবু মীতৈ নিংথৌ অমা ওইনা পীকম খোকপা মতিক চাবা চৈরাক পীদ্রবদি তাইবঙ শেম্বা মপুনা অচুম্বা চৎতবা নিংথৌ অমনি হায়রতুনা দণ্ডী পীরকপা য়াই থম্মুনা হায়রকখি— "ইনাও ইবুঙো শানৌতোন, নংদি হায়রু খুদিংমক অমত্তা য়ানিংবগী বাকম লৈতে। নংনা থাঙ্গৎলিবা বাকম অতুদি তাইবং শেম্বা মপু নত্তনা কনা অমনা থুংহনবা ঙমবা থবক নত্রে। অতুগুম্বা ওইথোক্লরোইদৌবা বাকমবু চেৎনা কোম্মুনা লৈরবদি ঐ নিংথৌনি খঙভ্রা ? নিংথৌ ঐনা য়াদ্রবদি ঐগী লৈবাক অসিগী মন্নুংদা লৈহন্দবা ঙম্মী কাওরব্রা ? নয়ামবুং চীংশোম্বনা হায়রিবা বাকমশিংতু নবুক্কা নখোলগা তাম্নরগা অতুক য়াশিন্নৌ নত্রবদি নহাক মনিপুরদা লৈবা য়ারোই" হায়বগী য়াথং পীখি। শানোংবগী মমা ইবেম্মা চাং পোম্বীগী ফত্ত-থৌইনশিন্দগী নহান্দগীস্থ নিংঙাই শংদান্নরকপনি ওসিস্থ য়াশিন্নরকপগী মহুত্তা অহোইনতুম মনাই অচাম্বশিংগা বা তান্নখি। কাছাড়গী ডিমাসা প্রতাফিলদা মতেং পাংবিনবা হায়জবা তাখি। নিংথৌ প্রতাফিলনা মীতৈ নিংথৌ খাগেম্বগী মথক্তা লান্দাতুনা মায়থীবা পীবিম্ন, মায়থীবা পীরবা মতুংদা শানোংববু নিংথৌ হাপ্পীম্ন হায়জখি। অইবা চিঠী অমগা লোয়নন৷ শানোংবা কাছাড় লৈবাক পাংথ্রে। কছাড় য়েৌরতুনা বারম খুদিং মতোন লোয়া ঙাংনথ্রে। নিংথৌ ডিমাসা প্রতাফিলনস্থ য়াবিরে। খাগেম্বগী মথক্তা লান্দাবা চৎনবা অরেপ্পা বাকম থমথ্রে। কাছাড় নিংথৌ ডিমাসা প্রতাফিলনা অথঙবা অমা লৈবদগী মণিপুর মীতৈ নিংথৌবু মায়থীবা পীবা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে থম্মুনা মথৌনা ফবা পাশা মুসলমানশিং সিলেটতগী মতেং নিরকউবা দরকার ওইরম্মী। সিলেটকী নবাব মকোক নাজিরীদা হায়জরুই। মুহম্মদ নাজিরীনা য়াবিরক্লতুনা মণিপুরদা মৈদিংঙ্‌ খাগেম্ববু মায়থীবা পীবা চৎপদা কাছাড় ময়াং লৈবাক্তা

তায়নবা নবাব নাজিরগী মনাওশিং থোকপা মুহম্মদ সানিবু সিপাই ১০০৭ কা লোয়ননা ডিমাশা প্রতাফিলগী মতেং পাংনবা থারকখি। মুহম্মদ সানি অমসুং খোঙম্নী-লাম্নী পুন্নমক ডিমাশা প্রতাফিলগী কোন্নুং উধারবন্দ য়েৌরক্লে। কাছাড় নিংথৌ ডিমাশা প্রতাফিলগী কোন্নুংদগী অমুক মণিপুরগী দমক খোঙশাননবা শেম শারে। নিংথৌ প্রতাফিলগী-সেনাপতি মকোক ভীমবল অমসুং যুথারেক ফমজিংহনগদবা অনীমকসু থুংলরে। নবাব মুহম্মদ সানিগী পীব্রিবা মপারী নাজরা অমসুং মনাও অতোনবা শাহ কুলসুম কৌবগা মবাপিবু অভাং ওইরিবা মরমনা চৎপদা ব'গনি খন্দুনা কোন্নুং অসিদা লৈহৌও, হয়েং ঐনা মণিপুর জয় তৌরগা নপা-নচা অনিমক লাকউ হায়না পাউতাক্রবদা অভাংশিংদু লৈহৌরে অমসুং খোঙম্নী-লাম্নী ময়াম অদু ভীমবল অমদি যথারেক অনিনা ফমজিংলগা মণিপুরগী দমক কাছাড় থাদোক্লমে

লানজি লেন মুহম্মদ সানি মতুং ইনকপা সিপাই ১০০৭ বিষ্ণুপুর য়েৌরক্লে। মতম অদুদা মীতৈ সিপাইশিং অতকপা ফংনা মায়কৈ ঙাক্লম্মী। মুসলমান সিপাইশিং য়েৌশিনখ্রে লোয়ননা অকনবা লান শোক্লখ্রে। লান অদু মুসলমানশিংনা মায পাক্লে। মায পাব্রবা লান লোয়ব্রবদা পাশা সিপাইশিংনা হায়রকই— "লান ঐখোয়না ঙম্মে অদুনা লোইপোৎ পীয়ু। লোইপোৎকা কোন্ননা ঐখোয় চৎখ্রগে। মীতৈনা হংলকই- "লোযপোৎ কায় ওইনা পীজোগে অপাম্বদু তাকপীবু।" পাসাশিংনা হায়রকই, "লোয়পোৎতি সনা ওইনা পীবু।" "সনা ওইনা পীখ্র হায়রবদি মতম থরা ঙাইবীয়ু ঐখোয়গী সনা লৈজদে অককুবা মতম অমদা পীজগে" পাউখুমখি। রাফম অদু য়াশিন্নবা অমদা লোইপোৎ ওইনা সনা ঙাইবা তাখি। লোয়ননা সনা পুরগা ময়ুম লৈথাক হনখিনবা ঙাইরম্মী। অদুম্না সনা ঙাইরিভে মতম অদুদা মুসলমানশিং য়াম্না চম্না ফ্রি ওইনা মখোয়গী ধর্ম্মগী লাইনীং লাইশোন তৌদুনা লৈরম্মী। নোংমদি মৈদিংঙুগী সেনাপতি মকোক

ধনঞ্জয় কৌবা গুপা অমনা শগোল অমা তোংলগা মুসলমান তেঙ্গোল তম্না ফুজিল্লরুন্না লাইনীং লাইশোন তৌরিবা পাসা মুসলমান সিপাই অমবু উমাইবীনা লৈমায়থক্তগী য়েন্নাও চেনখিবগুম চিংছুনা পুখিরম্মী। পুথ্রিবা সিপাই অদু মৈদিংঙগী লৈমদা চঙনা কৎলুরে। সিপাই ময়ামবু চঙনা কাবা ঙম্বা ওইসনু হায়বগী থাজনবী অমদা কার্যক্রবী কামরান শেখ সিপাইবু মমিং লাম্মী য়াম্বা থোনখি।[5] নবাব মুহম্মদ সানিনা পাসা সিপাই অমা ফাখিবগী মরমদা শাওনা হংখিবম্মী। মতুংগী মরম চপচাবা ফংখিদে। লোয়ননা পাসাশিংনা হায়খি— "পোইরৈচাশিংনা লোইপোৎ পীরগে ঙাইবিয়ু" হায়বগী য়ানবা অমদা ঙাইখিবনি। লোইপোৎ ঙাইরিঙৈদা সিপাই কাযম থোক্লে। সিপাই অদু থাদোকউ। লোইপোৎসু হায়নখিবা সনা অদু পীরো হায়খি। পোইরৈচানা খুমখি— নখোযদা লোইপোৎ পীগে হাযজিনবনি। নখোয়সি ঐখোয়গী য়েক্লবনি, করিসু ইবাল লৈতবা ঐখোয়গী ইথক্তা লান্দারকপগী। ইরাল লৈতবদা লান্দাবকপা নখোযবুদি লোইপোৎ পীগে হায়না থমলগা খুদোংচাবা লৌবা তংাইফদবনি হায়খি। রাহৈশিংছু তাবদা মুসলমানশিং য়াম্না হৈনদবা অমা ফাওখি। লোয়ননা লান্দানবা শেম-শারম্মী। পোইরৈচাশিংনা পাসা মুসলমানশিংবু মণিপুরদা লৈমিন্ননিংবদগী মখোয়না শাওরিবতু থেমলতুনা হাযজখি। পোইরৈচাশিংগী অদুগুম্বা প্রেমদগীগী হায়জবা রাহৈবু হেন্দোকপা ঙমঞ্জতুনা মণিপুরদা লৈমিন্নখি।[6]

মণিপুরদা লৈরিবা মুসলমানশিংসি মুগোল, টুর্কী, পার্সিয়ান, আরব,স অমসুং অফগানিশিংনি। অদুবু মখোয়গী মচা-মশুশিং অসিসু অপুনবা মীং অমা শেম্লগা মখোয়গী মচা-মশুশিংনি হায়না লৌনৈ। মমিং অদুদি "টর্কো অফগানগী চাদ নাউদা"।[7]

5। "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" By :- রিফায়ত্তুল্লাহ
6। "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" By :- রিফায়ত্তুল্লাহ, Page 21&22
7। "A History of India" By: Romila Thaper, Page 266 & 267.

মণিপুরদা মুসলমানশিং খুন্দাবা মফমশিং

বিষ্ণুপুর (তৌবুল) গী লানফমদা শোক্লখিবা লান লোয়শিনখ্রে। নবাব মুহম্মদ সানি অমসুং মৈদিংগু খাগেম্বা অনিমক য়ানবা পুরকখ্রে। মণিপুরদগী পাসা মুসলমান সিপাইশিং মবৈবাক্তা হন্দনবা ৱারী শানখ্রে। লোয়ননা খৃ:১৬০৬ কী ইঙা থাগী ১৭ নি পাম্বা ইরাই সুমিন্তগী খুন্দা লৈতাবা হৌখি। মখোয়শিংবু অহাম্বদা মৈদিংগু খাগেম্বগী মতমদগী মৈদিংগু গম্ভীর সিংহগী মতম ফাওবদা মৈদিংগু শিংগী য়াথং ফংডুনা লৈখিবা পাম্বা য়াবা মফমশিংদি :-(১) মোইরাংখোম (২) শিংজমৈ (৩) বামোন লৈকাই (৪) লাংথাবাল কৈবুং (৫) মাকলং (৬) লমশাং তাওখোং (৭) পাংশোই (৮) পাঙলতাবী (৯) খোংজোম ঙাখিয়াম লরাই (১০) ৱাংজিং তুরেল ৱাংমা (১১) হৈরোক (১৩) মালোম (১৪) চঙমদবী কংলা উকোক (১৫) ফুন্দ্রে (১৬) বিষ্ণুপুর মনীং খোবুম চৌংজিন (১৭) মালোম খোময়াল (১৮) কৈনৌ (১৯) মোইরাং তাওখোং (২০) য়াইরিপোক নিংথৌনাই (২১) ক্যামগৈ লৈশাংখোং (২২) উচিৱা (২৩) গুগ্রু (২৪) কাজিপাৎ (২৫) সোলাই (সাপম সোলাই) (২৬) নোংজাই (২৭) কমেং (২৮) হৈঙাং (২৯) কাইরং খুমীদোক হৈনৌ খোংনেম্বী (৩০) মপাল ইথোল (৩১) শেম্বী কান্দোং (৩২) মাইবম লোকপা (৩৩) ৱাংবন (৩২) শিংজমৈ চিংঙাগী অৱাং (৩৫) বামোন কম্পু (৩৬) ময়াং ইম্ফাল (৩৭) কোন্থা অসিনচিংবনি।

মফমশিং অসিদা মতম অমদতা চপ মান্ননা লৈখিবা নত্তে।

অহান অকোন নায়না থৌভম থৌভমগী ওইনা লৈখিবনি। মফমশিং পীরিবা অসিদা ইকোন-কোন্না লৈখিবা মফমদি কাজি পাংনি। কাজি পাংতা তাখিবগী মতমদি গম্ভীর সিংহগী মতমদনি।

অহাম্বা য়ুম্ফম ওইখিবা মফমশিংগী মনুংদগী হৌজিক পাংলা তাদুনা লৈরিবা মফমশিংদি :— (১) য়াইরিপোক নিংথৌনাই (২) চঙমদবী কংলা উকোক (৩) ফুংদ্রে (৪)ময়াং ইম্ফাল (৫) উচরা (৬) কায়রং খুমীদোক হৈনৌ খোংনেম্বী আসনি। খরা থেংশররবা মতুংদদি মখোয় মখোয়না খুদোংচাগদবা যেংলগা য়ুম-কৈ হোংদোক হোংজিন তৌদুনা অপাম্বা মফমশিংদা লৈনরে। খৃ: ১৮১৯-খৃ: ১৮২৫ ফাওবা মণিপুরবু অৱানা ওং-নৈবদা চহি তরেৎ (৭) খুন্তাকখি। চহি ৭ খুন্তাকপ্রবগী মতুংদা মণিপুরদা অমুক হন্দিনগা খুন্দা লেংদুনা লৈনরে। খুন্দা লৈতাদুনা লৈরবা পাঙলশিং হায়গুম্না হোংদোক-হোংজিন তৌনরে। মখোয়না লৈবা মফমশিং লেংদনা লৈবা হৌনখ্রে। খুল মচা-মচাশিংগী মনুংদা মপুংফাবা খুনফমদি :-লিলোং, য়াইরিপোক শঙ্গাইয়ুম্ফম, ক্ষেত্রিগাও, অমদি ময়াং ইম্ফাল মডা অসিনা অথোইবা খুনফম ওইরকখি। খৃ: ১৮৯১ থোংজোম লান মতুংদা ফাকতা কৌবা খুল অমত্তু শেমগদুনা মুসমানশিং পুডনা তাখ। ভসি মণিপুরগী ১ক ওইবা খুনফম তকক (৬)' সিদা লৈরিবা জাতি অসি টুর্কী অমদি আফগানিশিংনি। মীর সমশুদ্দিন [৮] ইরাকী অফাওবা শিয়াগী লিদর অমনি মহাক মণিপুর য়োরকখিদে। মরম অসিনা মুসলমানগী কাঙলুপ অনি-হায়বদি- শিয়া, সুনিগী মনুংদা সুনি জমাত অমসুং হনফি মজহব (ধর্ম) নি।[৯]

8। মীর সমশুদ্দিন ইরাকী অফাওবা শিয়া গ্রুপগী লিদর অমনি। মহাকনা ভারতবর্ষদা শিয়া জমাত (ধর্ম) হৌদোকখি।

9। History of the Rise of Muhammadan Power in India By : Mohd. Kasim Farishta Vol. IV Page 261.

মণিপুরগী মপান্দা পাঙল (মণিপুরী মুসলিম) খুন্দাদুনা লৈখিবা

খৃঃ ১৬০৬ তা টুর্কী অমদি আফগানশিংগী কাঙলুপ অমা মণিপুরদা সিপাই ওইনা লাকখি। সিপাই ওইনা লাকখিবসি মণিপুরগী নিংথৌ মচা মশেল খংনবদগী মথোয়শিংসি অমনা অমগী মথক্তা অকনবা চৈরাক পীনিংলম্মী। অসুম্না অপীকপা রাহৌ অতুদগী অচৌবা রাজাও অমা থোক্লম্মী। (শানোংবনা কাছাড় নিংথৌ ডিমাসা প্রতাফিলদা খাগেম্ববু মাযথীবা পীবীয়ু।) মৈদিংঙুগী মনাও অতোনবা শানোংবনা কাছাড় নিংথৌ ডিমাসা প্রতাফিলদা ময়াম্বুং মৈদিংঙু খাগেম্বগী মথক্তা লান্দাবিযু হাযজবদগী ডিমাসানা য়াবিদুনা পাসা মুসলমান সিপাইশিংবু নেক্রগা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মথক্তা লানদানবা থৌরাং অমগী মথাদা লাকখিবনি। লাকাপ্রবা মুসলমানশিংসি অমত্তা মযুমদা হন্দনবা হায়জরগা মণিপুরী মীতৈ নিঙোলশিং পীরদুনা মণিপুরী মুসলমান (পাঙল) ওন্থোকপ্রবনি। মীতৈ লৈবাক্তা লৈরগা মমারোল মণিপুরী লোন্দুনা পাঙল ওইনা মতম শাংনা লৈরকল্রে। অসুম থেংথরক্লবা মতম অসিদদি হিংনবা লম্বী থিবদা অরাবা কোঙ্গায মায়োক্নরক্লে। লোয়নননা "খাগী-অরা" চত্তুনা হিংনননবা শিনফম থিবা তারকখি অমসুং মনিপুরগী মপান্দা চংতুনা খুন্দাবা হৌখি। মণিপুরগী মপান্দা লৈপ্রবশিং অসি লোয়নমক হিংনবা লম্বী থীখিবশিংদুনি হায়বদুদি নত্তে। চাম্মগী মসুংদা ৪/৫ দনি। অয়াম্বদি চহি ৭ খুত্তাকপদা মণিপুরদগী মপান্দা চেনপ্রগা অমুক হন্নক্তনা খুন্দাহুনা

লৈনখিবনি। মখোয়না খুন্দাতুনা লৈরবা মণিপুরগী মপানগী লৈবাক-শিংতুদি:— কাছাড়, আসাম, ত্রিপুরা, নাগালেণ্ড, বাংলাদেশ, বর্মা, অমদি সাউদি অরাবিয়ানি।

কাছাড় জিলাগী মনুংদা পাঙল তাবা মফমশিংদি:— (১) কে-নোকপুর (২) কণ্ঠনপুর (লাংগী) (৩) গোবিন্দপুর (৪) জোয়পুর (৫) তারাপুর (৬) কাকমারা (খাংমরা) (৭) কৈনৌ (৮) কোরোইকান্দি (৯) ইফম (১০) শাবল লৈকাই (১১) লম্বাবস্তী (১২) বাশকান্দি (১৩) হিংগাত-মোইজিং (১৪) জোয নগর (১৫) শিঙ্গের বন্দ (১৬) লালপানি (১৭) সাপোর ময়না (১৮) ডোল্গ্রাম (১৯) মরাগাং (২০) তলেনগ্রাম (তলেন খুন) (২১) লালং (২২) বাগেহব (বাইগর) (২৩) চিরিগাং (শ্রীগাং) (২৪) দীঘলাং (২৫) লখীচুড়া (২৬) শিবপুর (২৭) বাদ্রীপার (২৮) আলীপুর (বাগাপার) (২৯) নুংফৌ পাঙল (ইগ্রামপুর, অমুরার মপাল) (৩০) কৈনৌ মখোং (৩১) মোলোং (৩২) জাইরলতোলা (৩৩) দুর্গাপুর (৩৪) মোঙ্গোলপুর (৩৫) নগলা পার (লৈশাংখোং) (৩৬) লালং খুনজা (৩৭) ভাগাডহর (বাম)।

আসামদা পাঙলশিং লৈবা মফমদি— (১) সাদিয়া (২) বোকাজান (৩) হোজাই শালবাগান।

ত্রিপুরাদা পাঙলশিং লৈবা মফমশিংদি— (১) লংতোরাবা (২) মীথির্মা (মীথিরমিয়া (৩ ঙালালি (অলালী) (৩) লংচুয়াবিল (৫) কমলপুর (৬) মনিকভাণ্ডার (৭) মোলায়া (৮) বোরবারিক (৯) কালাছাড়া (১০) ভুমিহিল অভঙ্গা (১১) কৈমাছাড়া (আলালী)।

নাগালেণ্ডদা পাঙল লৈবা মফমশিংদি — (১) নীচুগোং (২) সেমাইল (৩) চার মাইল (৪) কণ্ঠনপুর (ডিমাপুরদগী নোংপোক্লা মাইল ১৪ রোম লাপ্পা লৈবা মফম)।

বাংলাদেশতা পাঙল লৈবা মফমশিং— (১) শ্রীপুর (২) জলালপুর (৩) মাধবপুর (৪) মৌড়ভী বাজার (৫) কুনাগাও (৬) ফুলতোলী (৭) ঘোরা মোড়া (৮) দানয়া (৯) ভানুগাহ (১০) মঙ্গে মখোং

(১১) শমশের নগর (১২) ভানুবিল (১৩) জমির কোনা (১৪) খাদিম নগর (সিলেট) (১৫) কুমড়া খাপোন (১৬) মুক্তাবিল (১৭) লৈশাংখোং (১৮) শাহপরাণ (সিলেট) (১৯) দিরানেরচোক (গুলাপ গঞ্জ) (২০) বাশতোলা।

সউদি অরাবিয়াদা পাঙল লৈবা মফমশিং— (১) মক্কা (অজমীগী কোলোনী) (২) জিদ্দা (৩) তয়েফ।

বর্মাদা পাঙলশিং লৈবা মফমদি— (১) মণ্ডলে ছত্রা নম্বর।

অসিগুম্না নত্তনা মালয়েশিয়াদসু পাঙলশিং লৈরগনি পাউ ফঙই।

বাংলাদেশতা পাঙলশিং :-

পাঙলনা শঙনবা খুল মমীং	মযাংনা শঙনবা খুল মমীং
১। ভান্নু গাহ	কুমড়া খাপোন
২। জামির বান	জামিরা কোনা
৩। ফুলতলী	ফুলতোলী
৪। আলীনগর	বালী বাজার
৫। মোইটীং	কুমরবজার
৬। শখেলথাবা	দক্ষিণ তিলকপুর
৭। মাধবপুর	পুকুর উত্তর পাও
৮। পুরানা বাড়ী	পুরানা বাড়ী
৯ ঘোড়া মরা	নজাং কোনা
১০। ক্যাংচৈ	ঘোড়ামারা
১১। লবুক লৈকাই	নন্দের গাঁও
১২। কোনজিন লৈকাই	দক্ষিণ ঘোড়ামারা
১৩। কান্দি	কান্দি গাও
১৪। খোয়নাম লৈকাই	কান্দি গাও
১৫। ইফম লৈকাই	জলালপুর
১৬। চংগাল	পশ্চিম জলালপুর
১৭। কৈনৌ	খেবালী ঘাট

	পাঙলনা খঙনবা খুল মমীং	ময়াংনা খঙনবা খুল মমীং
১৮।	বারমিল	কোনাগাও
১৯।	লৈশাংখোং	পুর্ব জলালপুর
২০।	তম্পাকনাই	দক্ষিন জলালপুর
২১।	খুনৌ	নয়া গাও
২২।	দালুয়া	কালারা বিল
২৩।	শ্রীপুর	শুলের হাউ
২৪।	লতা তাবা	রাতা বাড়ী
২৫।	মোকাবিল	মোকাবিল
২৬।	শাহ পরান (সিলেট)	শাহ পরান (সিলেট)
২৭।	মৌলভী বাজার	মৌলুভী বাজার
১৮।	খাদিম নগর	খাদিম নগর
২৯।	দিবানের চোক	দিবানের চোক(গুলাপগঞ্জ)
৩০।	বাশতলা	বাশতলা

টুর্কী জাতিশিংনা মণিপুর য়ৌরক্লগা ঙসিগী পাঙল ওইরকপা ফাওবগী শম্লপ্পা রারী

ঐখোয়না ইতিহাসকী লমায় ফাঙ্কৎতুনা য়েংবদা খঙবা ঙম্মী য়াল্লা ঙল্লিরৈ মতংদা লৈবাক কয়ান চাওখৎপগী মাংজিল থাদুনা চংশ্লবশিংগী মতুংদা টুর্কী কৌবা জাতি অসিসু অমনি। টুর্কীষ্টানদা লৈরিবা জাতি অসি কনানো, কদায়দগী হৌরকপনো হায়বদু অমুক খরা নৈনসি। হজরৎ নুহ অলৈহিসসলাম আদম সানিগী মচানুপা অহুম পোকই— হাম, শাম, য়াফিস কৌই। য়াফিসকী মচা-মশুশিং চীনারোমদা শন্দোক্লুনা লৈখি, য়াফিসকী মচা-মশুশিংগী মতুংদা "তরক" কৌবা নুপা অমা য়াওখি। তরকনা পোকপা মচা-মশুশিংগী মমিং ইবদা "তরক" হায়বা রাহৈ অসি মীংগী মমৈদা অতুম ইরম্মী। অসুম্না মীংগী মমৈদা তরক হায়বা রাহৈ অসি ইন-খিবদগী মখোয় অসি তরক কৌবা জাতি অমা ওইনা খঙনখি। য়াফিসনা পোকপা মচাশিংশি চীন, টুর্কীষ্টান, খুতিন অসিনচিংবা লৈবাকশিংনা শন্দোক্লুনা লৈখি। মখোয়শিং অসি মশীং য়ামখৎলক-লম্মী। মশীং য়ামখৎলকপদগী মখোয়শিং অসি কাঙলুপ কাঙলুপ নাইনা তোখায়না লৈনরম্মী। মখোয়গী কাঙলুপ খুদিংগী লুচিংবা অমমম শেম্বা হায়বসি তঙায়ফদবা অমা ওইনা খন্নে অমসুং লুচিংবা অমমম শেম্লম্মী। লুচিংবা অমমম শেম্লগা মখোয়গী লৈবাকশিং অতু লৈঙাক্লরম্মী। "তরক"কী মচাশিংগী মতুংদা অলনাজা খান কৌবা নুপা অমা য়াওখি, অলনাজা থান্না মাগুল-তাতার কৌবা অনী পোকখি, তরক্কী কাঙলুপতা হুনজুক্কী কৌবা অমসু লৈ। তরক্কী

মচা-মশুশিংগী মনুংদা সুলজুক কৌবা মুপা অমা পোকখি। মহাক্কী মমিংদগী লৌতুনা সুলজুক্কী কৌবা কাণ্ডপ ওইরকখিবনি। অলনাজা খানগী মচা মাগুর, তাতার অনিমক তোঙান-তোঙানবা লৈবাক্তা, মাগুলনা চীনা নত্ত্রগা মাগুলিষ্টানদা তাতারনা টুর্কীষ্টানা লৈখি।

টুর্কীষ্টান দেশতা মতিক মগুন রাংবা থৌনা ফবা অচৌবা শংদৈ। জাং অমা লৈরম্মী। অদাওবা শাগৈ জাং অসিদা "তুর" কৌবা মুপা অমা পোকখি[১০]। ফরিদৌংগী মচা তুরন টুর্কীষ্টানদা হুকুমৎ তৌবম্মী। অসুম তৌনা মহাক্কা টুর্কীষ্টানদা পাল্লমগীদমক মাগী মমিং লৌহনা টুর্কীষ্টানবু "তুরাণ" হায়নম্ব কৌখি। (ইসলিএ উসকো তুরাণকে নাম সে ভী য়াদ কিয়া জাতা হে।)

মপ-মমা অমত্তনা পোকপা মচিন-মনাওশিংগী মনুংদা কাণ্ড ন কাণ্ডপ তোঙান-তোঙান লৈনখিবনা জাং তোঙান-তোঙান ওইনখ্রে। মখোয় কাণ্ডপ খুদিংমক্কী মীং মাগুল-তাতার সুলজুক্কী হায়না খঙনখ্রে। সুলজুক্কী কৌবা কাণ্ডপ অসিনা ইহান হায়বা ওইনা নরা-বুখার কৌবা মফমদা ইসলাম দুবুল তৌখি (ইসলাম ধর্ম্ম লৌখি)

তাতার সুলজুক কৌবা কাণ্ডপ অনীসনা পুর্নশিন্নবগা মুসলমান লৈবাক ফারীস, খুরাস নদা লৈখ্রে।

ইরানগী নোংপোক থংবদা লৈবা প্রোভিন্স অম, প্রোভিন্স অদুগী লৈবাক খুরাসান, ফারীস, সমরকন্দ, বুখারা অসি ইরানগী প্রোভিন্স ওইনা লৈবম্মী। সেন্ট্রেল এশিয়াদগী তুরাব কাণ্ডপ (টুর্কী জাতি) গী তুবনা যাথং তৌবমদগী প্রোভিন্স অসি তুরান হায়না কৌখি। মাকন অমরোমদনা ইরানবুম্ব ইরান-তুরান হায়না খঙনখি[১১]

ইরানদা পোকখিবা এফ্রাসিয়াববুম্ব তরকান হায়না লৌইন

১০। তারিখুল ইসলাম Vol. III Page 354
By : মৌলানা অকবর শাহ খান নাজিব অবাদী

১১। The Rise of the Muhammadan Power in India
By : Mohd. Kasim Farishta

অদুবু মহু অচুম্বরা হায়বদুদি নত্তে; মহাক্তি অশেংবা ইরানগী নিংথৌরেল খান্দাননি। এক্রাসিযাবনা ফাগুগৎলকপা অমসুং টুর্ক জাতিশিংগা তোৎন-তিন্ননা লৈখিবদগী মতুংইদ্বা সুলজুকীশিংবু এক্রাসিযাবকী মচা-মগুশিংনি হায়না খঙনখি। অশেংবমক্তি সুলজুকীশিং টর্কি জাতিনি। মাগুল তাতার মচিন মনাও অনিমক অমস্তা ওইনা লৈমিন্নরম্নদগী 'তোঙান তোঙান তানখিদুনা অমনা অমগী মথক্তা ইতং-তংতনা লান্দানখি। মগুল-তাতার অনিনা লাস্তেংনবা অসি মাগুলনা অদুম মাযথীখ, তাতারশিংতনা মায় পাকখি। মাগুলশিংবু লাকচা খুদুম চনখিবনা উপায লৈরক্লদুনা মাগুলশিংনা হন্দোকশা তাখি। তাতারশিংনা মখোযবু লংঙ্গোয চন্দুনা থম্মী। মখোয়গী সুপী-অভাংশিংদা নত্তবা মীৎযেং য়েংখি। য়াম্না ওৎপীনৈবিখিবগী মহৈ ওইনা পোক্লকপা জাতি অহ মাগুলশিন লৌশিনখিদে, তাতারশিংনসু লৌশিনখিদে। মখোযগী কাঙলূপ অদু তোঙান্না লৈরম্মী। চাবৌ-মৌবৌনবসু কাঙলূপ অদুগী মনু দা অদুম তৌরম্মী। কাঙলুপ অসিসু অঙকপা ফংনা মশিং য়াম্লক্লে। অদুবু তাতাবশিংগী যত্ত-কর্ম ফল ওইনা মখোযবু কড়া-তাতাব হায়নসু খঙনখি। হৌজিক্কী টুর্কমানশিংসি কড়া তাতারশিং অদুনি হায়না অহবশিংনা মোং পীনরি।[১২]

ফরিদোংগী মচা তুবনা ইবানগী প্রোভিন্সপু লৌশিল্লগা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্মী। লোয়নননা ইবানগী নিংথৌরেলগী টাইটল "শাহ" ফংখি। ইরান তুবানদগী লাকখিবা সেখ মির্জা খাকান তুবানী উর্কে শেখ চুংক শাহ খাকান তুবানী ভাবতবর্ষদা (ইণ্ডিযা) লাক্লবা মতুংদা টাইটল "শাহ" ওইখি। মির্জা খাকান তুরানীনা ভারত্তা লংব্লবদা মচ নুপা অনী পোকখি। মচানুপা অনীগুগী মমিং মীর্জা মালিক মুহম্মদ গিয়াসউদ্দিন, মির্জা মালিক মহম্মদ তুরানী

১২। তারিখুল ইসলাম, Vol. III, Page 355
By : মৌলানা অকবর শাহ খান নাজিব অবাদী

কৌই। মির্জা মালিক মহম্মদ তুরানীনা[১৩] সিলেটকী চরগোলাদা লৈরগা মচা মশা পোকখি।[১৪]

সুলতান বায়জিদ মিংথোলনা "নাজিরী" মির্জা মালিক মুহম্মদ সানি অপোকপা মির্জা মালিক মুহম্মদ তুরানী মথোয় অসি অপোকপা মচিন মনাওগুম্না সিলেটতা নবাব ওইনা পানমিননরম্মী। সিলেট-কী মকোক সুলতান বায়জিদ আফগানিনা "নাজিরী" হায়বা মীংথোল লৌরগা নবাব মকোক ওইরম্মী। মির্জা মালিক মুহম্মদ সানি (টর্কী জাতি) সিদ্বেশ্বরগী এলহাইল কৌবা মফম প্রতানগড়দা নাজিরীগী মখাদা নবাব ওইনা পাল্লম্মী।[১৫]

খৃঃ ১৬০৪/৫ দা মনিপুরদা খাগেম্বনা নিংথৌ ওইবা মতমদা মচিন-মনাও অহম— খাগেম্বা, চীংশোম্বা অমসুং শানোংব হিয়াং হি তান্নবগী কুম্মৈ পাংথোক্নবা শেম শারম্মী। হিয়াং তান্নবগী তান্ন-হি চীংশোম্বনা মনাওনুপা শানোংবদগী হি রায়রগা হিদান্নবা য়াওখি। হিদান্নবদা অরায় হি অতু থেঙ্গাইতুনা কায়রে। হিদান্নব লোয়রবা মতুংদা কায়খ্রবা হিগী মতাংদা চীংশোম্বা শানোংবা মচিন-মনাও রারী শানখি। মচিন-মনাও রারী তেমশিনবা ওন্নত্রবদা অরোইবদা ময়াম্বুং নিংথৌ খাগেম্বদা চীংশোম্বনা রাকৎখি। রাফম অতু নিংথৌ খাগেম্বনা বিচার তৌবদসু শানোংবনা য়াত্রবদা শানোংবদা ময়াম্বুং চীংশোম্বগা য়াশিনন্ত্রগদি নিংথৌনা অকনবা চৈরাক পাগনি হায়খি। অকনবা চৈরাক অতুবু করিসু নাচুংবা তৌদনা মম। ইবেম্মা চাংপোম্বীগা মনাই-মশল থরগা রা তান্নখি। রা তানরবা মতুংদা শানোংবা কাছাড় নিংথৌ ডিমাসা প্রতাফিলগী কোন্নুং উধারবন্দা চৎলতুনা মহাক্কী মতেং

১৩। সিলেটের মাটি সিলেটের মানুষ, পেজ ৫৪
অইবা— ফাজলুর রহমান

১৪। "য়াদ দাস্ত কুসি নামা" পেজ ১২, অইবা— রিফায়তুল্লাহ

১৫। ইসলাম জ্যোতি হযরত শাহজলাল, পেজ ১০৪
অইবা— চৌধুরী গোলাম আকবর সাহিত্য ভুষণ

পাংবীনবা হায়জকই। শানে°বগী হায়জ বাইহৈবু যাবিবজুনা সিলেট প্রতাপগড়ী পসা মুসলমানশিংগী লোযননা প্রভাবিতনা মণিপুরদা নাদাবকখি। 'ভীমবল অমদি যথাবেক অনীন' লমজিলগা লান্দাবা লাকপা সিপাই পল্টন অমু বিষ্ণুপুরগী চাংথক্তা কেম্প শাতুনা লৈবে মতৈংগী লানবননা চাংখাদা লৈবে। লান শোক্রবমদাইদা মুসলমানগী মনাংদা মীতৈনা উংখিবা থৌনা শক্তি অমুদা থৌবু ওইনা লাক্লিবা ভীমবল অমদি যথাবেক বিবজুনা কাছাড়বোমদা হন্দুনা চেনখ্রে। কাছাড় নিংথৌ ডিবাসা [illegible] নওবা প্রচার কয়া পাউদাংবে। অসোংদনা নবব মুহম্মদ সানি লোযননা সিপাইশিংগা মাতৈ সিপাইশিংগা খবনবা লান [illegible]থোকখি। পাসা মুসলমানশিং থৌমু ওইনা [illegible] কশিননা লান শোররে। লান মুসলমানন [illegible] মুসলমানশিংনা মীতৈ নিংথৌদা হায়রই— "পসা ঐখোয় হল্লগে। ঐখোয়দা লোযপোৎ পীবো। পাসা 'সিপাই'গী বাইহৈ অমু [illegible] মৈদি [illegible] থাগেম্বনা হায়বই— "লোযপোৎ কবি [illegible]না পাজৈগে" পাসাশিংগী লোযপোৎ সনা ওইনা পানিনবা হায়বক্রদা মীতৈ [illegible]না সনাদি ঐখোযগী লৈজদ অবাদগী লোকবগী পজগে অমুনা থা অদিদং ডাইবিনবা হায়জবম্মী।[17] [illegible] অমু যাননা মুসলমানশিং লোযপোৎ সনা অমু ভাইজুনা [illegible] নাযপোৎ সনা [illegible] নৈবিদৈদো নমজ শোল্লিবা কান্নবা [illegible] সেনাপতি লইবিক মেবম ধনঞ্জনা শগোল [illegible] লাক্লগা [illegible] মৈদি [illegible] লৈমদা চংনা কংখি। লান লোইবা মতুদা পাসা সিপাই শমবু যাথ হাযদুনা মুসলমানশিংনা শান্দবম্মী। মুহম্মদ সানি লানজিংলেম্মা বায়বান ফাখিবগী [illegible] হায়ম্মী। মীতৈনা থুম্রকখ— কবিস্ত ইবান লৈজদবা ঐখোযদা পাসাশিংনা লান্দারকথিবনি। মবাগা লৈকবশিংদা লান্দাবকখিবগীদমক

১৬। "যাদ দ ই দুমি নামা" পেজ ১২, অইবা— বিধাগ দুল্লাহ
১৭। "যাদ দাই দুমি নামা" পেজ ৭, অইবা— রিফায়তুল্লাহ

খুদোংচাবা লৌহুনা ল'ন লোইববসু সিপাই চংনা ফাবনি।" পাসা-শিংনা হায়রকই— নখোয়দি অরেপ্পা লৈতে। লান তান্না ঐখোয়না ভমুতুনা লোয়পোৎ পীরগে হাযবচু যানবগা লোযপোং সনা ভাইতুনা লৈবিভৈদা সিপাই চংনা ফাখিবনি। অচুনা সিপাইসু থাদোকউ, লোযপোৎসু হায়নখিবা মতমগী মনুংদা পীযু নত্রবদি ঐখোয় অনীরক শুবা খোউফম ওইনা লন্দাবগনি। মীতৈনা হাযরকই— "ঐখোয হৌজিক যাশিন্নরসি অচুগী ৱাফম অমা চে ইনরসি। চে ইনদ্রিতৈদা ৱাফম অমনং হাযজগে— মীতৈগা মুসলমানগা যাশিন্নরবগী মতুংদা মুসলমান সিপাই অমবু কাকবসি অকাইবা ৱাংমদা ৱাংহৌদোক ওইনবনি খন্দুনা ফাকবা নত্তে পাসা মুসলমান নখোয মযাম অসি চাকহোং চাহোংবা লৈবাক অসিদা লৈমিন্ননি তনা ংাক্তিল্লগা লৈমিন্নগে খল্ল-বনি অতবু নখোয ঐখোয যানবা অমগী মথংদা চাকহা ংাহো বা লৈবাক মণিপুব সনা লৈবাক্তা লৈমিন্নবসি হাযবা প্রেম দগুী অসিনা অবোইবা বাতৈনি[১৮]

নখোয মযামগীদমক্তা মীতৈ ঐখোযনা লৈনব ... চানন চৈথাক, শেংনবব চবৈ, ফালোয অমদি মীনাই ও ম চংবা পাজগনি। মীতৈগী প্রেম দগুগী বাতৈ অচুবু টর্কো অফগানিশিনা ধর্মদা যুম ওইবগা মীনা হায়জবা অতু যাদনা ভুমখিদে। মবুক্তদি লান তুবা মতুংদা ৱাকাই হৌনা নমাজ শোম্রিতৈ সিপাই অমা ... খিবা ... কাউবা লৈতে। অনীবকতুবা ওইনা মণিপুবদা লাদাংগী সিলেটকী খোংমী লম্মী মযাম অমা কোংথাক্কে হাযবা বামনা লেংদ্রবা ৱাখল ওইবমী। মীতৈনা হাযবিবা ৱাফমবু পাসা মুসলমানশিনা যপুক্না ৱাফম অমা মুল্লগা চৈথানখোংদা যাখিবনী। পাসা মুসলমান সিপাই মযাম মণিপুবদা খৃঃ ১৬০৬ ইং থাগী ১৭ নি পাথা ইবাই মুনিংশা খুন্দা লৈতাতুন মণিপুরদা লৈবা হৌখি। অসংমনা ভীনবন যথাবেক অনীমৱা কিবতুনা বিষ্ণুপুবগী লাকফমগী মযুম লৈশান্না ...না

১৮। "য়াদ দাই কুসি নামা" পেজ ১৭, অই।— ৱিফায়তুল্লাহ

চেনখিরম্মী অমসুং অনিমক্না ডিমাসা প্রতাফিলদা পাউদমম্মী— পাসা মুসলমান সিপাইশিং লোইনা লাকহৌরে ঐখোযনা হান্না থুংলবগী রানি মখোযসু থুংলবগনি। রাজ্য অদু তাবদা শাহ কুলসুম, নাজবা অনীমক মপা-মচানা মযাম অদু বানা লাক্লগনি লম্বখাদগী ওক্রাসি হাযনা অসুম অবাং নোংপোক্কোমদা কাখৎলক্রে। উবাববন্দগী জিবি জিরিবামদগী ওইনামলোং, ওইনা-লোংদগী খোবুম তম্পাক থারক্রে। মফম অদু যোরক্লাওবদা মপা-মচানা কনামতা থেংনবমদে। নাজবা শাহ কুলসুম অনীমক্তি মফম অদুগী কবুই খুল, খুলগী প্রজানা ফাজনা মানাই নাইথং চন্দনা থমখ্রে[১] অমুকসু নাজবাবু অবাং খুল অমাদ কবুই খোংজা' খুলনা থোনবা উগী টম্বুংদা খুম্রাকপগীদা লৈখ্রে।

নবাব মুহম্মদ সানি লানজংলেন্না থম্মোযদা রাম্না পেন্দবা অমদি অচাকপা রাখলগা লোযনন। হোংদোকই— "মীইং নখোয ধর্ম্ম পাক্তে। লান লোইশিন্নবদা লোইশন্দ হায খ নমাজ শোল্লিবা সিপাই অমসু ফাজনা পুখি। ঐখোয টুর্কি জাতিদ কিগনবা থোংনা মযাং মীচেংজোগা নত্তে অচুম্বা চৎপা পাসা মসলমান জাতিনি। ঐখোয় শিংনি হাযবগী কৈসু কিদে, মীনা হাৎলগা শিবা নাইবা জাতি নত্তে। যেক্লবগী মাযোক্তা ইশানা নোক্লা হবাও মীনোক তম্ন শিজবা ওম্বা জাতিনি। টুর্কি জাতি ঐখোযদা মকওইবা ধর্ম্মদা খুম্মম ওইবা লৌচং অহুমথক নৈ— (১) তাইবঙ শেম্ব মপুনু চেংনা থাজবা থম্বা (২) মীনগা খুদম্বা বাডাং শিজিন্নদবা অমসু (৩) মীনা হাযবা নাইতে-শিং অচুম্বনি হাযনা লৌবা অডগা যেক্লবগী লানথনদা পঙ্গং যৌগ তাল্লিবা অদু ফজিবা মথৈ মায থন্দুনা চঙবা আসনি।[২০]

মণিপুরদা পাসা মুসলমানশিং লৈমিন্নবসি হাযব যানবা অমগা মথাদ লৈখ্রে নবাব মুহম্মদ সানি অসি পাসা টুচিবা অমনি। টুচিবা অমা ওইনা মলোন্দা মীতৈ নিংথৌ লৈ খোংজোম চন্দ্র মাইংক সনা,

১৯। "য়াদ দষ্ট কার্স নামা" পেজ ১২-১৩ তহবা— বিন য়ুদুল্লাহ
২০। — do — পেজ ৯ — do —

[illegible] মৌ [illegible] নীবু মাং [illegible] হেনা পীনিখি।[২১]

[illegible] খুমাং ক সনানা হয়োং বৌ মপানী [illegible] [illegible] প্রম চন্দ্র লৈনিদি পাবা মামোম শাংখিদে। নবাব মুহম্মদ [illegible] লৈফম মোইবা যোন জংস্তান মো বাহম্নগী মখা থ [illegible] [illegible] নিকাই হাযবা [illegible] লৈহন্না। নবাব মুহম্মদ সানিবু [illegible] "বজসেনা" হায়না [illegible]। বজসেনা মুহম্মদ সানিবু পাসা [illegible] মথক্কা "বাজ্জ" হায়রে। "বাজী" [illegible] অসি অবানিক [illegible] মসগী [illegible] সলাম [illegible] হাবকেদা, [illegible] মোবা হযবনা। [illegible] নিপুবদা [illegible] অহুনা [illegible] লোনা [illegible] পাসা [illegible] ১০০৭ পু [illegible] ১০০০ [illegible] ১০০৭ কা মথক্কা [illegible] হায়বনি। [illegible] [illegible] শুমাক। [illegible] হাযবদা কজা [illegible] সা [illegible] "খুম্নাকপাম [illegible]" [illegible] খেখি[২২]

মুহম্মদ সা [illegible] [illegible] মুহম্মদপু [illegible] [illegible] থাংশ্নদগী [illegible] "কুকিংহো [illegible]" [illegible] অসি [illegible] [illegible] অসি [illegible] হাযবকই— "নং সিংচা [illegible]" [illegible] নিপুবদা হক্লক্ক বদি শ্রী দি হান্না মা [illegible] মুহম্মদ— [illegible] হক্লরকনি

২১। বাদ দাংসি নাম, পেজ ৯ অইবা— বিধাইকুলাক

২২। — do — পেজ ১৮ ১০০ — do —

[illegible] মুহম্মদ সগীর [illegible] মুহম্মদ [illegible]

[illegible]

[illegible]

হাপকখলি ।[২৪]

সফর মহম্মদনা মনাওমুপা কৌশর মুহম্মদ অমদি মচনুপী বিবি জৈনব লৌথোকপ চৎলবদ হরাই মরু, হৈনৌ মরুনচিংবা মহৈ মরোং-গী চারা কয়ামুক পুবকখি। মহৈ মরোংগা চারাশিং অত্রু থজুনা চহী কুমজ অমম শুবদা তউজিং হৈনৌ পাম্রত্তুনা মৈদিংগু খাগেম্বদা হৈনৌ কংখি। নিংথৌ সনামখোং থানা লৈপাক পুন্না চান্না তাউজিং হৈ চানবে। নিংথৌনা রাজমল্কই— "হে পুনোম শেখ, কৌশর মহম্মদ, সফর মহম্মদ নখোয়না নিংথেম ইখ্খোল লেন অমা শেম্লু, ইখ্খোল লেন অত্রুদা মহৈ-মরোং, মনা-মশিং থারগা ইনশাং মখেল শেমুবা"

পুনোম শেখ, কৌশর মুহম্মদ নখোয়না নিংথেম ইখ্খোল কৌনা ইনশাং শাম্লু হায়তুনা তাকপীবগীদমক খোনীদোক হৈনৌ খো নেম্বদা ইখ্খোল লেন শেমগা য়েনশাং-নাপী, হরাইনাচংবা থাত্নুনা ইখ্খোল কোয়রম্মী।

টুর্কো অফগানশিংনা মণিপুরদা থুন্দ-লৈতাত্নুনা লৈখিবসি চহী অহুম হৌজিনখ্রে। সিলেটতগী অনীরকতবা খোঙফম ওইনা মণিপুর-দা লান্দানগী লমীং-ভূমীৎ য়েন্ন। চানবগী খোরাং লোয়রত্নুনা খোংবম মংশাগী কুমশোক ১৭৩০ লোইদাম কালেম্মাগী লুম্নি পান্নদা মীর অহুম মণিপুরদা থুলখি। মখোয় মীর অহুমতগী মনিং— সৈয়দ অধীরা, সৈয়দ অব্দুল্লাহ অমসুং সৈদ খুলকা হুসেন কৌই। মখোয় অহুম্না পুম্নবদা মৈদিংগু খাগেম্বনা হংলকখি— "কাজি মুহম্মদ সানি, মখোয় অসি কনানো, কদায়দগী লাকপনো?" কাজিনা পাউখুমকই— ইনিংথৌ মথোয় অসি সিলেটতগী লাকপনি। নবাব নাজিরগী গুরু শিংগী মচা মনাইশিংনি। ইরৈবাক অসিদা লাক্লিবসি বরি লৈবদগী লাক্লিবনো হায়না হংলম্লবদা কাজী মুহম্মদ সানিনা পাউখুমকই - করিম্ব খোইদোকপা মরম লৈতে ইনিংথৌগী

২৪। খান মিয়া চৌধুরী সিলেটীনা ইবা account তগী লৌথোকপা।

চাকহোং ভাহোংবা লৈপাক অসিদা লাইফম তীনক্কম কোয়রুগে তপস্যা মতম পাডথোক্লুগে লাকচবনি হায়রিএ। "অহ্ ওইরবদি মখোয় অসি মীরাইনা তৌবা য়াদে; মখোয়না লৈনবা নিংথিবা য়ুন, চানবা চীঙ্গাক, মীনাই তয়ুম্নচিংবা নিংথোগী চাকথা পাগদবনি" হায়দুনা মীর অহুমবু লৈননবা য়ুম পীদুনা থোজাল মায়োক্নখি। মীর সাহেব অহুন্না মুহম্মদ সানি কাজীগা ৱারী শানরবদা মীর অহুন্না হায়রকই— ঐখোয় অহুন্না লাক্লিবা খোংফম অসি অনীশুবা খোংফম ওইনা মণিপুরদা সিলেটতগী লান্দারক্লবগী লমীৎ-তুম্মীৎ য়েংবা লাক্লিবনি। নৱাব মুহম্মদ সানিগী মোৎ করিনো? কাজী মুহম্মদ সানিনা হায়রকই— হৌজিক্তি ঐবু কাজী হাপ্লে, মুসলমানগী চৎনবা পুন্নমক (শারা শরিয়ত হায়বদি ইস্লামিক্কী চৎন-পথাপ) লোয়না ভাক্না ৱায়েলহল্লে। অহ্ ওইরগম্ হায়নখিবা ৱাফম ভাকপা ওইনা মণিপুরদা অনীশুবা খোংফমগী ওইবা লান্দাবা হায়বতু ঐন্থু য়ারি। মীর অহুন্না হায়রকই — পাসা মুসলমান ময়াম মণিপুরদা লৈখিবদা তুংকোয়না লৈখিবা য়ারোইদ্রা? ইসলাম ধর্ম্মগা লৈনাক্লোন্দা অথিংবা অমুক লাকদ্রা হায়বগী চিংনবা অমা লৈরবনি, হৌজিক্তি মুসলমানবু কাজী হাপ্লগা ইস্লামিক্কী ওইবা ৱায়েল থোদা চোইহল্লবনিনা নৱাব নাজিরীগা নৱাব মজকুর সাদ মালিকক্কা ৱানহল্লুবা অমা দরকার ওইরে। ৱা তানহল্লুবা চৎপদদি কুরআন শরীফ অচৌবা কাওরুদ্রে সিলেটতগী অমুক লৌরক্লগে হায়জিল্লগা মীর সাহেব সৈয়দ খুলকা হুসেন খুদক্কা মণিপুরদগী হনখ্রে। সিদ্দেশ্বরগী ইমাহাইল কোন্নং "সিলেট প্রতাপগড়" দা থুংখ্রে। মফম অতুদা মুহম্মদ মজকুর সাদ মালিকক্কা সৈয়দ খুলকা হুসেনগা মণিপুরগী ওইরিবা ফিভম পুন্নমক কুপ্না খন্না নৈনখ্রে। অমুকস্থ নৱাব মজকুর সাদ মালিকনা নৱাব মকোক মুহম্মদ নাজিরীদা হঙ্গৎলুরে মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফিভম পুন্নমক কুপ্না নৈনরবা মতুংদা নৱাব নাজিরীনা হায়রকই — মণিপুরদা মুসলমানবু কাজি হাপ্লবদি মফম অতুদা মুসলমানশিং লেংদনা তুংকোয়না খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা য়ারে। ঐখোয়গী

ইসলাম ধর্মগী লৈঙাক্লোন রায়েল থোঁদাদি শরীয়তকী কাজীনা তৌগদবনি। অতুম্মদি ওইরবদা মৈদিংগু খাগেম্বগা কাজী মুহম্মদ সানিগা মথোয় অনীগী য়ামচে অমদি সন্ধি তৌনহনগদবনি। সন্ধি তৌনগদবা শর্ত অহুম লৈ। শর্তশিং অতুদি :—

(১) মণিপুরদা লৈরিবা পাসা মুসলমানশিং অমদি অফগানশিংসি মণিপুরগী নাগরিক অমা ওইনা শক খঙবা।

(২) মণিপুরদা লৈরিবা মুসলমানশিংগী ইসলাম ধর্মগী লমদা শরীয়তকী কাজীনা ইস্লামিক্কী লৈঙাক্লোন রায়েল থোঁনা চলাইজবা অমসুং মতুদা অর্থাংবা পীবিদবা।

(৩) মণিপুরী মুসলমানশিংবু মণিপুরগী তাংলোকপাদবা। করিগুম্বা তাম্লোকপা নত্রগা চঙ্গেংনবা থৌডম লাকপদি মমা মীচৈ নিঙোলশিংনা পোকপা মণিপুরী মুসলিমশিংগী মমাগী স্বত্ব ওইনা ফংলম থোকপা হক মণিপুরদা লৈ হায়না য়াননবা অসিনি।

শর্ত অহুম অসিগী য়ামগী ইনবদ য়াদ্রবদি মণিপুরদা অদুগুবা খোউফম ওইনা লাপ্পারনি, য়ামজুনা চে ইনরবদ লাদাবা হায়বসি ভোক্লসি হায়না পাও পীরক্লে। সৈয়দ খুলকা হুসেন সিলেটকী কুরআন অচৌ-অচৌবা পুরনা মণিপুরদা লোইহনবা কা য়েন থাগী ১৭ নি পাম্না নিংথৌকাবা (খৃঃ ১৬০৯) দা থুমলে।

সৈয়দ খুলকা হুসেন, সৈয়দ অব্দুল্লাহ, সৈয়দ অলীয়া অমসুং কাজী মুহম্মদ সানি মথোয় মরি সিলেট প্রাংপেংদগী পুরকপা পাও অহুয়াম্না নুপা থম্মলৈনরবা কাজী মুহম্মদ সানিনা মৈদিংগু খাগেম্বদা হুঙ্গংচে— ইনিংথৌ, ঐহাক করিগুম্বা রাইহে অমা-অমাদং ইনিংথৌগী চেন্দা থম্মলৈনজবা পাম্মী। "করি রাকেন থম তানবা রাইনি অমাম্বা অতুমক হেক্তা হায়রে।" 'ইনিংথৌনা মুসলমান ঐখোয়গী লেপ্পরিবা নিয়ম, থৌরিবা মতম-মতৌ, অতুনা ঐবু কাজী হায়রিবনা ইস্লামিক্কী লৈঙাক্লোন চলাইহন্দুনা ঐখোয় মুসলমানশিং লোয়ননা ইসলাম ধর্ম মণিপুরদা হিংহনরে অদুবু মুগা মুগা খুদিংদা হিংদুনা লৈহৌনবা

ওইনা শর্ত অস্তমগী য়ান-চে অমতং ইনজবা পাম্মী। "কাজী মুহম্মদ সানি, ঐদি অমুক হায়দোকখিবসিনা অরেপ্পনি, অইবদগী হেন্না চেৎল-বনি, অহোংবা অমুক করিস্থ লাক্লরোই অদুবু নহাক্কী থম্মোয় পেন্নবা ওইনা শর্ত অস্তম হায়বদু ইবা য়াই" হায়খি। লোয়ননা শর্ত অস্তম অদু কাজি মুহম্মদ সানিগা মৈদিংগু খাগেম্বগা খৃঃ ১৬০৯ লোইদাম লমদা থাগী ৫ নি পাগা ইরাই নুমিত্ত ইনখি।[২৫]

সৈয়দ অম্বীয়া, সৈয়দ অব্দুল্লাহ, সৈয়দ খুলকা হুসেন মীর সাহেব অস্তমা হায়রকই— অরাপ্পা নোংচুপ মায়কৈ পাংবদগী মালেম চাংজাউ অমথক্তং শুন্য অতিয়া মালংদা মালেম লৈদা তাদনা চাংনা লেন্না লাক্লগা লৈতাহুনা লৈ হায়হুনা লুমবাসাদা নাতাই-এ। মফম অদু চীনা লেন্না লাক্লগা লৈতাহুনা লৈ হায়হুনা লংমাইচীং কোই হায়বা নাতাই-এ। মণিপুরগী মরুওইবা লাইফম তীর্থলেন্নি হায়না ঐখোয়না খঙলহুনা তপস্যা থৌকল্লা লাকপনি, মফম অদু থরা তাকপীয়ু লাইফমলেনবু থৌরুমজগে। মৈদিংগু খাগেম্বনা কংলা পুংজাও থীন্দুনা লৈবাক প্রজা পুন্নমক খঙনা মীর সাহেব অস্তমবু লংমাইচীং লাইফম তান্না থিনগংহুনা তীর্থ মফম খঙহল্লুই। অথঙ-অচৈ ওজা গুরুশিংবু মৈদিংগু খাগেম্বনা পামজবনা মীর সাহেব অস্তমবু য়ান্না চুনা-চান্না থৌজানবিহুনা মচাদ-মচা, মনাওদ-মনাওগুন্না নাওয়োকখি। মখোয় অস্তমদা মীতৈ নীচোল অমমম পীবিহুনা য়ুমলিং-খুলিংহুনা খুন্দাহনখি। সৈয়দ অম্বীয়াদা নোংথোম্বম চনু হেমাবতী, সৈয়দ অব্দুল্লাহদা য়ুন্নাম লেম্বী, সৈয়দ খুলকা হুসেনদা মোইরাং চনু কুঞ্জবু তালেংয় ওইনা মৈদিংগুনা কংপীখি। মীর সাহেব অস্তমগী য়ুম্নাক শাগৈদি মীরাই মযুম ওইখি।

কাজী মুহম্মদ সানি পাসা মুসলমানশিং (টুর্কো অফগান) গী ওইবা থায়েল লোইশঙদা লেঙশিন্দুনা ময়ামগী মথক্তা ভাক-শেল্লহুনা থায়েল থৌদা চৎখি। অদুবু অসোমদদি মনাওনুপা শাহ কুলসুম অমসুং মচা

২৫। "য়াদ দাষ্ট কুসি নামা" পেজ ১৭, অইবা— রিফায়তুল্লাহ

য়ুপা অনীমক কাছাড় নিংথৌ ডিমাসা প্রতাফিলগী রাজবাড়ী উধার-বন্দাগী ভীমবল য়খারেক অনীগী ওইদবা মীনম্বা রাহৈ তারগা অদুম লাকখিবনা খৌবুম তম্পাক্তা থোলাং হাওখুলদা ফাজিন্দুনা থমখিবগী পাও অদু খৌবুম তম্পাক্কী লম্বদ্ হাওরুংবম কোইঙমদগী মুহম্মদ সানিনা ফংবগা মৈদিংঙদ্ খাগেম্বদা হায়জরগা মতেং পাংহনখি। মৈদিংঙদ্ খাগেম্বনা খৌবুম তম্পাক্কী লম্বদ্ হাওরুংবম কোইঙমবু কৌহল্লগা খৌবুম তম্পাক্কী য়ুম্নাক ১৫০০ গী মীওইবু লোইনা খোম-জিল্লগা খৌবুম তম্পাক্তা শানৈ য়ুনৈহল্লু অদুগা মীয়ামগী চাক খাংলগা মীয়ামবু পীজৌ। খুঞ্জা ময়াম চাবা লাকপদা শাহ কুলসুম য়াওরক্লগাদ মাবু ফারগা নিংথৌগী হুকুম্নি হায়দুনা মণিপুর তম্পাক্তা পুরক্লবগী-দমক্তা য়াথংনবগা লোইননা অচংবা থরচ পুম্নমক নিংথৌনা মতোম্না শিন্নরবদা খৌবুম তম্পাক্তা চৎখিরম্মী। মফম অদুদা লৈরিবা খুল মরী খা-অরাং, নোংপোক-নোংচুপ পুন্নমক্কী মীওইশিংবু বাংেন তৌগ্রগা ময়ামগী চাক খাংলে। খুঞ্জা ময়াম চাক চাবা লাকপদা শাহ কুলসুম য়াওরক্লবদি ফাংহৌনবগীদমক নিংথৌ মনাইশিং চংইরম্মী। চাবা হায়ফেৎ লোয়শিল্লক্লবা ফাওবদা শাহ কুলসুমদি লাক্লিবশিংদুগী মরক্তা য়াওরমদে। নিংথৌ মনাইনা খুঞ্জাশিংদা হায়খি— "নখোয় খুঞ্জা লাক্কদবা য়াম্না রাংলি, চাক অসি লেমদুনা লৈরে অদুনা খুঞ্জা অমত্তা লেমহৌবা য়াবোই কোইনা লাক্কদবনি।" খুঞ্জা মীয়াম্না খুম্নকই— "মী অয়াম্বা লৈহৌদ্রে, অনাব ৪/৫ গা মীনাই য়ুপা অমথক্তগা ঙাইহৌরে।" "অদুদি মীনাই অদুসু লৌক্লবা ঙাই। মহাক অদুমু লাক্লবা য়াদে" হায়দুনা খুঞ্জাগা নিংথৌ মনাইগা চদুনা মীনাই অদুসু লৌরক্লরে অমসুং পুরক্লুনা পীজ পীথক চৌখি।

কোম্না লাক্লিবা মীনাই অদু শাহ কুলসুম ওইরম্মে। চাক চাবা লোইরবদা নিংথৌ মনাইনা হায়রকই— "শাহ কুলসুমসি মণিপুব তম্পাক্তা পুবা তারে নিংথৌ হুকুম্নি। শাহ কুলসুম থম্নবা হাও খুম্লাক-পনা হায়রকই "শাহ কুলসুম পুবা য়ারোই, মহাক্তি ঐগী ইনানি।"

নিংথৌ মনাইনা খুম্লকই— "নিংথৌগী হুমুম্নি শাহ কুসুম মুসলমাননি মহাকপু মণিপুর খম্পাক্তা পুরক্লবা য়াদে হায়রেৌই।" অমুকহন্না হাও খুল্লাকপনা— ইচানি পুবা য়াম্রোম হায়রবদা নিংথৌ মনাইনা হায়রকহ— "অদুদি করে, স্টেটমেন্ট অমত্তংদি শাহ কুলসুমদগী লৌথম থোকই।" হায়রবদা হাও খুল্লাকপনা স্টেটমেন্ট অদুদি লৌবা য়াহ হায়রকই। নিংথৌ মনাই অচানবন শাহ কুলসুমদা হংই— "শাহ কুলসুম, নং চীংমীয়া নত্রগা মুসলমাননা?" শাহ কুলসুম্না খুম্লকই— "ঙশেংনমক ঐ মুসলমাননি।" ম মুসলমাননি হায়বগী বরি প্রমান লৈবগে হংবদা চান্দবা য়াওদবা সনজাবগা ভায়রবা রোমা টুপী শেগাইরবা অমা পেরাডিদগী লৌথোরগা "ঐদি প্রমান হায়বু অসি মহাহরে" হায়দুনা ময়াম সন্দা উংখি। শেগাইরবা মনাই যাওদবা মথংগা ভায়রবা রোমী টুপী অহ উংলব, অদুদা হাও খুল্লাকনা অমদি নিংথৌ মনাইগা-নাকল অনীমক মুসলমাননি হায়বা থানরে। য়ানরবা মতুংদা নিংথৌ মনাইনা খুল্লাকপা অদুদা হায়রকই— "শাহ কুলসুম মুসলমাননি হায়বা য়ানরবানিন। মহাকপু মণিপুর ভম্পাক্তা পুবগে।" মতম অদুদা হাও খুল্লাকপনা মখা তারকখি— 'শাহ কুলসুম ঐগী ইচা নত্তে, ঐনা লৈজবা মীনাইনি, ঐনা লৈবদা চখিবা মীনাই মমল হন্দরদ্রবা মহাকপু পুখিনা য়াগনি।" লোযননা মীনাই মমল হন্দ্রে। শাহ কুলসুম মণিপুর ভম্পাক্তা পুবকখি। মশাগী চহী ১২শুবা মতমদা হাওখুলদা ফাখিবা শাহ কুলসুম চহী তরেৎ লৈরম্রগা মশাগী চহী ১৯শুবা মতমদা মণিপুর ভম্পাক্তা রোরক্লনা ময়াম্পা মুহম্মদ সানিগা উন্নখি।[26] মৈদিংগু খাগেম্বগী লৈমনা ময় হ্বগী মন ক্তা লোনা লাক্লিব। শাহ কুলসুমবু মহাক্তা লৈনজগে হায়বদগী মুহম্মদ সানিনা লৈমগী মনাক্তা লৈংনাখ। মতম অসি ফাওবদসু মুহম্মদ সানিগী মচানুপা নাজরা কোযদি মপা-মচা উনদি।[27] অদুবু ভাইবং শেংগা মপুগী অফবা লোদমলোন হংনদুনি।

২৬। য়াদ শাহ কুর্সি নাম', পেজ ১৯ অইবা— রিয়াজ সুন্নাহ
২৭। — do — পেজ ১৯ — do —

নোংমা মুহম্মদ সানিনা চৈরাপ ওফিসতা ফম্লিদুনা কবুই থাঙ্গাল হাওখুলনা কোয়া উনুংতা খুল্লাকপনা চৈরাপ ওফিস লাকপদা মাগী থাও পুনবা মীনাই অমা ওইনা নাজরাবু লোয়নরক্নী।

হাওখুল্লকপনা ওফিস মনুং চংখ্রিদুনা থাও পুবা নাজরাদি ওফিস মপান্দা ফমদুনা লৈহৌই। নাজরা মচিন্দা নীংউমদবা রাটৈ খরগা লোয়ননা মতোমগা মুকুম মুকুম শোঙ্গে। মানা মুকুম-মুকুম শোঙ্গ-বিবা মরোল অদু খঙলদুনা মনাক্তা চংশিল্লগা লাইরিকয়েংবম ধনঞ্জয়না "ইবুঙো নং চংশি লোকও" হায়রগা শাগল পায়দুনা মুহম্মদ সানিগী মনাক্তা পুশিল্লকই। অদুগা হায়রকই— "বড়সেনা, অঙাং অসি মশক খঙব্রা য়েংবিয়ু।" মুহম্মদ সানিনা অঙাং অদু উবদা মশক খঙলদুনা মাগী ফমফম গাদা মথক্তগী মগা মচা অনীদু থুং পায়নদুনা মশাবাক (মতা ওইনা উংক্রুদবগী হরাওজয়াম ফোংদোকপা) লৌনৈ। অসিগুম্বা হরাও অয়াম্বগী ঈপাকথক্তা থাগৎলিবদু নোংশাইমে অথোবনা মচানুপা নাজরাবু মহাক্তা লৈনজগে হায়না মুহম্মদ সানিদগী অয়াবা লৌখি। মুহম্মদ সানিনা প্রেমদগী অদুবা ক্রিক্লোকপা ঙমদ্রদুনা যাথোক-খিদনি। নোংশাইমে অথোবনা নাজরাবু অপোং হিংগোলদা শেখ জলালগী মচা শেখ বনিযানগা অনীমক অতোন-মীরাই নাইদনা চপ মান্নবা থনীখি।

নহানদু শাহ জলালগী মোরুম ভম্পাক্তগী থোক্লকপগা লৈমা নোংথিল চাইবীনা (খাগেম্বগী লৈমনা) মহাক্তা লৈনজগে নিংথৌ খুয়া খাদা সেবা চংনহনগে হায়রবু নাহেকপা ঙমদ্রদুনা হরাও হরাওনা য়ানখি শাহ জলালগী লৈমা নোংথিল চাইবীগীদা লৈখিরম্লে।

পাসা মুসলমান লাকুনা মণিপুরদা লৈরে অমুকত মীর অহুম লাকুনা লৈরে। অদুম্বা মণিপুরদা লৈরিবা মুসলমানশিং মৈদিংগু খাগেম্বনা মচা মনাইশুম্বা নাওকোন্দুদা লৈরবদা মুসলমানশিংবু মাগী মাগী শিন্থা পীথোক্লনা থবক তৌহনখি। খরনা ইস্কোল কোয়হল্লি, খর অমনা সিপাই ওইহল্লি, খর অমনা লৌ উইহল্লি অদুগা খরা অমবুনা

লৈবাক্কী বায়েল থৌদাগী থবক তৌহল্লম্মী। চকপ্পা লৌউবশিংদা লৌউহল্লম্মী। মথোয়না উবা লৌউদি মহৈ-মরোং য়াম্না নীংথিজরম্মী কৌকৈদোম অমদা লৌহোন ওইনা কৌ ময়াম হুক্কিল্লগা কৌ অদুনা পুমংকক চাওরক্লবা মতমদা অমুক কোইরগা মপুন মচা পুল্লগা অতোপ্পা মকম অমদা লিংথোকই। মপুন মচা মচা শাদুনা মথং মথং লিংথোকনবা থম্বু পোইরৈচা লৌউবশিংনা মৈদিংগুদা পাউহংলুই- "ইনিংথৌ পাসা মুসলমানশিং অসি কৌ কোইদোক্লগা মপুন মপুন পুনশিন্দুনা থমদ্রে, মরৈবাক্তা চেনখিদৌরমায়ে।" অমুক্তম্ সনা বৈথেল কাদুনা মকুপ-মপাং ময়াম তিন্না চীঙ্গাক লৈক্লবে. পোইরৈচা লৌউবনা মৈদিংগু নি থৌদা রাহমলুবে— হে নিংথৌ য়াইকবা ও! মযাং লাংজিংবা ১৫ না লোইমোম কৌদুম্না হুনজিল্লগা লোযনা খুকতোক্লে, মথোযনা তৌবিবা অসি করিনো? মীরৈবাকচা মযামসি হন্দুনা মরৈবাক্তা চেনিংলমায়ে। লাইবেল মৈদিংগুনা রাহমলকই- থোংনাং মবোল থংবা মন্নাংলোন হৈবা লাইবেন লোংশামৈ অথৌবনা পুংবুম্নাবা হৌথ্রিহৈদা (চৎথ্রিহৈদা) লোৎনা চেল্লগে হাযনা থৌরাংলে হন্দুনা অহিং ইন্নুংমদা পোইরৈ পনা খুন্তোং মযিমনা থোমজিল্লগা লাম্না ১০০৭ কী লানজিংলেন মুহম্মদ সানিগা লোযননা অকনবা ১১ গা অকোং অথৌবা, মোনাই অকবা, অকুপ অথৌবা, সুলৈযা অকবা, কাইতোং অথৌবা, মুনৌবর উফে মুনন লানজিংবা, নমফা অকনবা, অমান লানজিংবা খেন্নাও অথৌবা, কাব্রা অকনবা ১১ মগা ইন্নুংমদা সেন্দ্রী কোন্দোং তানা পুরে।[28] পোইরৈ লাম্নীনা কোযনা শংলে। লাইরেল মৈদিংগু খাগেম্বনা পোইরৈ লাম্নী থোম্না সমশোক পনয়া খেংগে কবো উমথৈ কংগে হাযনা লান হৌরক্লে। লান অদুদা মৈদিংগু খাগেম্বনা মায় পাকপগী মওং লৈরবদা অমুক হন্দোরক্লে। চীংমী মরিং অমসুং তরাওনা লম্বী খুদিংমক কোইশিন্দুনা মৈদিংগুবু হাৎননবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে, অদুগা অসোমদনা চীংমীশিংনা মণিপুর

28। "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" পেজ ২৩, অইবা— রিকায়তুল্লাহ

তম্পাক্তা লান্দারক্রে। অসিগুম্বা তাঙ্গা অসিদা মীতৈ লাম্মীনা থাগেম্বা নিংথৌবু মরিং অমম্তুং নরাওশিংদগী মথায় বমন্দবগী উপাই লৈরক্ত-বদা নোংশামৈ অথৌবনা মহম্মদ সানিদা হায়রক'— "লোইবী চীংমীশিংনা মণিপুর তম্পাক্তা লন্দারক্লবনিনা ঐখোয় কৌজিক পোইরৈ সনা লৈবাক য়োদবা যাদ্রে। [illegible]বু লগী মায়ৈগে মারদি লমথোং যুন্দুনা লৈরগে। সেম্বী কোন্দোং লাকপা, কবো কিয়াং লাকপা মংশা লাকপা, তুমু লাকপা মরিমকপু কৌন্দন্তু মখং তবাওগা লৌ-মাম্মবদগী লাকখিরে। সেন নংগী নথৌনানা পোইরৈ সনা লৈবাক য়োনবা থৌদাং করি লৈবগে, তাঙ্গা অসিদা অরেবা শক্তি [illegible]দোক্রো। মুহম্মদ সানিনা পাউখুমকই— হে লাইরেল নোংশামৈ অথোম্বা ও! লোইবী মরিং তরাওনা পামেল খোঙকাপ লম হুনপ্রবস্তু লৈদ্রে ওংবু ফানবা ভায়ৌন তক্কম তকপাহগে লম্বী লমফাওহনগে। অদুগা কিয়াং লাকপা, কবো কোন্দোং লাকপা, মংশা লাকপা, তুমু লাকপ মখোয় মরিবুস্তু হোৌজক ইবুই কুইদনা শামু খুংতুংবুগা ফাক্লগে" হায়রগা ফিরোই ফিদম, ফিমং কানপোং য়েংথোরে। খুংগু খুংনাই নোংমৈন-চিংবা পুন্নমক সিপাইশিংদা পীখোক্লদুনা অহৌং অমদা লানগী লানলোং শীল্লে। অহৌং অমদা তুমু লাকপা, কবো কিয়াং লাকপা, সেম্বী কোন্দোং লাকপা, মংশা লাকপা মরিমকপু মথাইদ মাংহন্দনা নোংমৈ তোকনীংনা শুনা শামু খুং তু বুন্না কবো লাম্মী চামডা শুনা ফারগা মৈদিংঙু খাগেন্দা কংলবদা খাগেম্বা নিংথৌনা পুক্নীং পেহুদুনা থৌ-জাল মায়োক্লেয়ে। অসিগুম্বা থবক থৌরম অসি পা থোক্লবগী তুংদা অমুক তরাও মরিংশিংগী মথক্তা লাম্মীশিংনা ফুজিনখিদুনা লম্বী লম্লম-লম্বা অতু লমফাওনহল্লে। থৌদোক অসি মৈদিংঙু খাগেম্বনা অস্তুম্বা হায়খি—"হে পোইরৈ অথৌ লৌচা হন্দক মমুং অসি মরিং-তরাওনা থৌরাংলম্বা অসিদি মাং-তুং অনীমকপু কাঙ্গপ য়ৈনা চপথাইদুনা তুম্না হাংকে তৌরম্বনি। সেম্বী কোন্দোং লাকপা, কবো কিয়াং লাকপা, মংশা লাকপা, তুমু লাকপা মখোয় মরীবু বড়সেনা লানজিং-

লেম্না ত'নশিন্দুনা কারমত্রবদি পোষ্টরৈচা অয়াম্বা মাংডৈনে ।

লাইরেন মৈদিংগু চিংকেন নোংদাই নিংথৌরেলগী সনামখোংথাদা "ল'ইরেন নোংশাদৈ অথৌবগা মুহম্মদ সানি লানজিংলেনগা অনীমক্না মরি' লানয়াম কারগী বারী মুংডাইববু বারী মরম ওইনা লৌশিং মতোল লোম্না শ'নু থাংচপ্লা পাউদম্নবদা মৈদিংগু থাগেংনা কল্লকপেল্লা হরাও পুক্নী' থুনা ফৈরা তাংতোং ঠৈনা কংলা মীনোকখোল চাওনা নোকচ-খি।" মুহম্মদ সানি লানজিংবগী মথৌনাবু কল্লকপেল্লা শৈশকখি। অচুবৈ তৌবুল বিষ্ণুপুরগী লানযমদা মথৌনা লৈনা শোক্লখিবা লান খুশো-ক্লা. শেখা কোন্দোংগী লানফমদা মরিং অমত্তং তরাওগা পাঙ্গল ফনা শোক্লখিবা লান খুংশোক্লা থৌকম অনী তত্থবু পেম্বিরত্নুনা মুহম্মদ সানিদা "পাঙ্গলবা" মিংথোল অসি পীবিখি। লোয়ননা মুসলমান সিপাই মযামবুসু "পাঙ্গল" কৌবা জাতি অমা ওইনা মীংথোনবিখি ।[29]

পাঙ্গলদগী থৈথরক্লনা "পাহঙ্গ" হায়বা ব্রাইহ তাখি ।[30]

মুহম্মদ সানি মৈবৈবাকচা লানজিংলেনগী মথৌদাং তোমথীন ভাপ্ন মতেংবু পেম্বিরত্নুনা মুহম্মদ সানি অমদ মাগী লানজিংবা ১৩ গা লোয়ননা লৌচা পীবিখি। লৌ ফংখিবা মীওইশিংদি :— লাম্মীয়াম্বা কুলসুম, অখোঙ অথৌবা, মুনান উর্ফে মুনৌবর লানজিংবা, অরূপ অকনবা চুলৈযা অথৌবা, নমফা অকনবা, ফাইতোং অথৌবা তুময়া অকনবা, খময়া অথৌবা, অমান লানজিংবা, খোন্দাও অকনবা, অকোং অথৌবা। মথোয়না ফংখিবা লৌগী মীংদ— মিয়াম লৌ, কুলসুম লৌ, পুনোম লৌ, মুনৌবর লৌ, সপ্রা লৌ, কপ্রা লৌ, অরূপ লৌ, চুলৈ লৌ, নমফা লৌ, ফাইতোং লৌ, খময়া লৌ, অমান লৌ, খোন্দোং লৌ, অকোং লৌ, খানলৈ লৌ হায়না মী থোন্না লৌই-এ। কাজী মুহম্মদ সানিগী য়ুম মোইরাংখোম জন্মস্থান মোংবা হুম্বগী মথা থংবা পক্লা লৈকাইদা লৈখি। শাহ

29। "রাদ দাষ্ট কুর্সি নামা" পেজ ২১-২৩ অইবা—রিফায়তুল্লাহ
30। —do— পেজ ২৩ —do—

কুলস্থুম, কামরান উর্কে লাণ্ডীয়াম্বগী মচা মেনৈ কৌবীবু নুহোংবীরগা মুতুমচা শিংজা পৈ (শিংমৈ) দা য়ুম ইখোল পীবিরম্নুনা লৈহল্লে।[31]

খৃঃ ১৬৫২ লোইদাম ফাইরেল থা ১১নি পানবা নিংথৌকাবা মুমিত্তা প্রমিও লৈবাক্তগী ইশহাক আলি মুল্লাহ কৌবগা মোমস্থু তালোয় মরুম্বি বিবি ফাতিমা মশানৌ মুসতাক আলি মুল্লাহ কৌবগা ক্ষেত্রিদাসি বামোণ সিতারাম কোনোক তাখিলা, কোনোক বাসুদেব মথোয় ৭ থোক্লকপবু তথেল লমদাংশাং লমথোক্লবপদা লোইবি কবুইনা য়াংলো লম্বি লম্মখাংদা ফাগ্রবদা মশানৌ ইসহাক আলি মুল্লাহ কৌবগা ক্ষেত্রিদাসি বমোণ সিতারাম কোনোক তখিলা মরিমদি নিংথৌগী মখোংড খাদ থুংখরে। মশানৌ মুসতাক অলি মুল্লাহগা মনৌমা বিবি ফাতিমা কৌবিগা অনিমদি লোইবি কবুই ময়ুরেন্না তস্থুম নাই ওইনা কাহৌরে। ইশহাক আলি মুল্লাহদা মৈদিংঙ, খুল্লাওবনা "নিংথৌ ঐবু নিংবগী লাকপ্রা, করি লৈবাক্তগী লাকপনো? মশক খঙব্রা কাজী মুহম্মদ সানি" হায়না হংবদা বাহয়কই—তরফ সনা কৈবাক্কী নোং-পোক মৈরমদা লৈবা মৌজা অমগী লানজিংলেননি, নিংথৌগী চাকহোং ভাহোংবা লৈবাক্তা লৈজবা পামমুনা যৌদকপনি হায়রিএ।" মৈদিংঙ, খুল্লাওববু নিংবা মনাইনি হায়না নিংথৌনা চাকথা পীনা অপোং ইখোলদা লৈহল্লে। বিবি ফাতিমাবু কাবুইনা ফাহৌবমু লাই-রিক য়েংবম অত্তোম্বদা মীনাই ওইনা অমুক য়োল্লুকলে। মীনাই ওইনা য়োল্লুকবী ফাতিমা লাইরিক য়েংবমচা অত্তোম্বগী কৈথেল পোংয়োম্বি ওইনা শিজিন্নমুনা নিতি মুমিং খুদিংগী পোং য়োলহল্লমী। মহাক্না কৈথেলদা পোং য়োল্লিঙৈদা ইশহাক আলি মুল্লাহ নিংথৌনা চান-বিবা অমা ওইনা শাগোল তোংমুনা নিংথৌগী কোম্বং কাবদা বিবি ফাতিমান উরম্মি। বিবি ফাতিমানা শগোল তোংমুনা লাক্লিবা ইশাহাক অলি মুল্লাহদা হায়রকই "হে নিংথৌগী মনাই অচানবা লাইহাক মীংকুপ অমদং লেপ্লিখো, লাইবক থিবি ঐবু লাম্না থনবিগনু

31। "য়াদ দাষ্ট কুর্সি নামা" পেজ ১৯, ৩৯ অইবা—রিফায়ত্তল্লাহ

করিগুম্বা রাহৈ অমা অনিদং হায়জগে।" "করি ব্রানো হায়বিয়, করি অরাৎপা লৈরবগে?" "ইয়ুম ময়াং লৈবাক্কী চাকহোং ভাহোংবা মণিপুর সনা লৈবাক্কা লাকমিন্নবদা লাম্বদা লোইবী কবুই ময়ুরেম্না ভয়ুম নাই ওইনা ফাতিমাবু ফাহৌরে, ইশহাক আলি মুল্লাহ ইপুরোই-বদি নাম্বোক্তনা চেনথ্রগা মণিপুর মৈদিংঙুগী খুয থাদা ব্রাইথুংখ্রে। মহাক অদু চেংলৌ শক উনব্রা নখোয় নরেং নমান্নবনি হায়দুনা হংজ-বনি।" রাহৈ অদু হেক তাবদা ইশহাক আলী মুল্লাহগী ৱাখলগী পদা হাংদোকখিদুনা হৌখিবা খোদোঙ্কী মমি মথং-মথং উরকখি, লোয়ননা ফাতিমাবুস্থ শক্ থঙলে। ইশহাক আলি মুল্লাহনা হায়রকই- "ফাতিমা, নংবু কবুই ময়ুবেম্না ফাহৌবদু কবম্না নাংঙোরকপনো, মফম অসিদা অমুম্না পোৎয়োম্না ওইদুনা লৈবমগ ন হাযবা থাজবদে। এনি ইশহাক আলি মুল্লাহ অদুবু, অদুক হায়্যুনং করম্না মফম অনিদা কৈথেল পোৎয়োম্বী ওইরম্নবনো? কবুই ময়ুরেম্না মথং য়োংহোতুনা লাইরক য়েংবম অতোম্বনা লৈরক্লগা মাগী কৈথেল পোৎয়েম্বী ওইনা লৈর্ব্রবা অসিনি হায়না বিবি ফাতিমানা পাউদমজখি।

লাইবক য়েংবম অতোম্বা হায়বতগী ময়ুম চৎশি হায়দুনা মতৈ-মনাও অনৌমক খুংশয়না লাক্লগা মৈদিংঙু খুম্বাওবদা চংজরে। লাই-রিক য়েংবম অতোম্বদা বারম মতোন লোম্না মৈদিংঙু খুম্বাওবনা পাউ-দমহল্লবদা ভয়ুম নাইকোক হন্দোকপীরে। বিবি ফাতিমাবুস্থ মহাক্কী তালোয় ওইনা পুথ্রে। খৃঃ ১৮৫৩ কাক্লেন্দাগী ভুম্ন প ম্ব শগোলশেন নুমীৎ মশানৌ মুশতাক আলি মুল্লাহস্থ রাইথুংলরে। নিংথৌগী চরণদা রাইথুংলবগীদমক মাপু নীংবা মনাই অচানবনি হায়দনা নিংথেম মাইবী হঞ্জবীদা মুশতাক আলি মুল্লাহবু খুংশিন্নরে, খুংশিন্নদুনা নাওযোক হল্লবদা মাইবী হঞ্জবীবু নিংথৌ পুক্লীংনা পেম্না থোজাম্বীদুনা লমলেন মদাইমা পাৎশোয় লমজাউলেনবু পীবিরে। পাৎশোয় লমহনবু নিংথেম মাইবীদা পীবিখি। মুশতাক আলি মুল্লাহবুনা পাৎশোয় লমহনব শেম্ন-

হল্লে। পাংশোয় লমহনবু পানৈ শেন্নৈ হায়দুনা পাংশোয় চাবা কৌনখিএ।

মচিন-মনাও অনীমক্কী শাগেদি ইশহাক আলি মুল্লাহবু কোম্থা কৌবা মফমদা ইহান হান্না য়ুম তাই হায়দুনা "কোম্থা ময়ুম" কৌনখি। মুশতাক আলি মুল্লাগী শাগেদি পাংশোয় চাবা কৌনরম্দগী "বাশে ময়ুম" তারকখি।

খৃঃ ১৬৬৬-১৬৯৭ অসিদা মৈদিংগু পাইখোম্বনা নিংথৌ ওই। মহাক্না নিংথৌ ওইবা মতম খৃঃ ১৬৭৯ দা সিলেটকী মনুং চন্না লৈবা মকক লৈবাক্কী লখিয়াকুল, গুনারকুল, মাংস অমনা কৌবা নিংথৌ মচাশিং মখোয় অহুম মণিপুরদা থোক্লকই। মসি য় মচিন-মনাও অহুমগা লোয়নবকপা মীওই মশিং ৩৭ নি। মখোয়শিং আসি মমিং-জিন্নতুল্লা শেখ, লৈথৌ, শেখ জলালী, ককচীং শাবা, পোইনাম চান্দ, মুহম্মদ শাহ, অকুন শেখ, ইসমান খান, প্রতাপ, হমন, কেতৌ তাবা উথা দৌলত, হৈবান শেখ, উবণ খান অসিনচিংবা মীওই ৩৭ থোক্লকই। মকক লৈবাক্কী নিংথৌ মচাশিংগা লাকমিন্নখিবা শেখ জলালী অতুগা কাজী মুহম্মদ সানিগী মচা মুসলমান নিংোলনা পোকপা নাজরা মবানিবু (লাইরিক য়েংবম ধনঞ্জয়) নোংশামৈ অথৌবনা মচা মনাওগুম্না অচান মীরাই নাইদনা নাওয়োক্লনা মবানিবু অপোং ইখোলদা লৈহল্লগা কবং লংনাইবগী থবক তৌহল্লমী। নাজরা কৌবনা খুম্নাম চন্দ্র য়াংনীবু তালোয় ওইনা ফংজরগা মপারী পুন্সি খোযরী, নমথোক অহুমমা ফংজখি। নাজবাগী য়ুম্নাক শাগেদি লমশাং তাওথোংদা ইহান হান্না তাই হায়দুনা "তাওথোং তাবা ময়ুম" হায়না মৈদিংগু খাগেম্বনা মমিং থোনবিখি।[32]

শেখ জলালীনা মচানুপা অনী পোকই। প্রতাপ, বনিয়ান কৌই। প্রতাপনা অমু পোকই।

32। "য়াদ দাস্ত কুসি নামা" পেজ ২২, অইবা— রিফায়তুল্লাহ

মৈদিংঙু পাইখোম্বগী মতমদা গুজরাট লৈবাক্কী মীওই খরা পুতুন খান, সেলিম খান, মিনার খান, লুকমান খান, দিলের খান মখোয় মচা ক্ষেত্রিদাসী বাম নারায়ননচিংবা মীওই নিপালগা মখোয় ১২ মণিপুরদা থোক্লকই। মখোয়না থুংলরবদা ময়াং মরোন কৈবা কাঙ্গী মুস্কুদ সান্নিনা করি ব্বারম লৈবদগী মণিপুর সনা লৈবাক্তা লাক্লিবনি। হংই পুতুন খান, সেলিম খান, অনীনা খুম্মী—"হে রাজ নিংথৌরেল, কারণ থোইদোবপা মরম লৈজদে। ইনিংথৌগী নুংঙাইরবা লৈবাক অসিদা লৈজগে, তম্মুম নাইহুইনা থৌগল ফংজগে লাকপানি" হায়না খবর তাবদা মৈদিংঙুনা পেন্সিদুনা মহাক্কী অশেংবা মনাইশিংনি খন্দুনা তালোয় মুপী পীদুনা বুচু থোংজা মৈগী থা পাংবন-রেম্মদা শংলাংমৈগী মনাক্তা শঙশানা লৈহনখি।

কুমশোক ১৬১৯ (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯)

মৈদিংঙু চরাইরোংবনা পাম্বা

খৃঃ ১৬৯৭ তা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইখি। মহাক্না পাম্বা মতমদা মনিপুরগী উমথৈ মাংদনবা য়াম্না চেক শম্না শেংবা হৌরকখি। মহাক্না পাম্বিরৈ মমাংদা মণিপুরগী উমথৈ ঙাকপগী থবক হৌদোকখিবমে। মণিপুরগী উমথৈ মাংদনবা তরাংনাচিংবা সেঙ্ক-বশিং লানশিল্লক্কনবা অকনবা চেকশিন থৌবাং লৌদুনা পৈনশঙ্গী থমলগা কৈরাক্নী উমথৈ ঙাকহন্বা হৌদোকখিবদি মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতমদনি। মহাক্না চেকশিন থৌবাং চৈথংদুনা চেপকী উমথৈ ঙাকহন্নবগী মহয় ওইনা চহি কয়ানক্কম মণিপুর শান্তি ওইরম্মী অমসুং চাকহোং ঙাহোংলম্মী। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা কয়া মতমদা শান্তি ওইরম্বা অমদি চাকহো-ঙাহোংলম্বদু ফাওনা ফংচিল্লক্কে অমদি লুৎ-পাট হেঞ্জিল্লক্কে। মণিপুরগী উমথৈ মাঙখিনা যাদগী আকবা পৈরক্কে। অসিগুম্বা মতম অসিদা মৈদিংঙু চরাইরোংবগী মতৌগুম্না উমথৈ ঙাকপগী থবক হৌদোকখিবনি। মণিপুরগী লোইচা লোইয়াশিংদা চৌংমীশিংনা লাক্লগা লুৎ-পাট তৌরকখি অসিগুম্বা লুৎ-পাটতগী থৌংনবা অমসুং মরিং তবাও অমদি অরোংশং লানশিল্লক্কনবা পৈরা শস্ত্রী অসি অনক থমখিবনি। মণিপুরী মুসলমানশিংনা মতম-মতমগী নিংথৌশিংনা মখল-মথেল থৌদা কয়া পীরকখিবতু অতুম শক্তক য়াত্নুনা লাকখি অমদি পাংথোকখি। খাগেম্বগী মতমদসু মুসলমানশিংনা মণিপুরগী খা অমসুং নোংপোক থংবা উমথৈবু ঙাকখি। উমথৈ ঙাক্লবদ্রী লানবল কয়া শান্না লৈরম্মী। লানবল

শাহ্‌না লৈরম্লিবা মফমশিংদি— ফুইদ্রে, হৈবোক, উখোংশাং, মালোম খোংনাংবন্দ, চঙমদবী কংলা উবোক, ময়াং ইফাল অমদি পাঙল তাবীনি ।[33]

মথক্তা পনখ্রিবা লানবলশিং অসিদা শন্নৌগী লিদব ওইখিবশিংদি ফুইদ্রেগীদা ফুইদ্রে মরুমনা ওইথি। হৈবোকী লানবলদা বাং মযুমনা লুচাংখি। উখোংশাংগী লানবলদা যুসমনা, মালোম খোংনাংবন্দনা খুল্লাকপম, মকক শাগৈ অনীনা [illegible] ওইখি[34] চংমদবী কংলা উবোক লানবলদনা শাক্তরমনা লুচিংবা ওইখি। ময়াং ইম্ফাল অমদি পাঙলতাবী [illegible] । অতোপ্পা শাগৈ অহানবগী ইফম্লা লুচি [illegible] মাতেং পীথ।[35]

চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইবা চহী মদু পুরবদা খৃঃ ১৭০১ হিয়াঙ্গৈ থ ২৯ নি পান্না ইরাই [illegible] চাহি শং ১ (অং) চাবা [illegible] খুমোংপম [illegible] ইবেং, মৈশ উাংনা, [illegible] লমহাং এমচুং পাঙল [illegible] চরাইরোংবা [illegible] (খুৎ [illegible]) [illegible] । [illegible] — "নিংথৌ [illegible] চক প্রা [illegible] ! [illegible] খোঙ্গনবা [illegible] ।' [illegible] নিংথৌদি [illegible] । [illegible] অমনা ইবুংঙো [illegible] নিংথৌ [illegible] কলিকা শঙ্গাই [illegible] মনাই অনীমনি চাক্ক [illegible] । মৈ থাবহু

33। "যাদ দাহ নুর্সি নামা" পেজ ৩০, অইবা— খিফাযতুল্লাহ
34। মালোম খোঙনাংবন্দদা লানবল সুচিংবা ওইখিবা শাগৈ অনী অসি চরাইরোংবগী মতমদতনি। খাগেম্বগী মতমদদি খুল্লাকপমতা ওইথ।
35। "যাদ দাহ নুর্সি নামা" পেজ ৩৮, অইবা — খিফাযতুল্লাহ

কবিগীনো খংদত্তনা থা অহুম হিযাঙ্গে, পোইস্ন বাকচীং কংশলা লৈবককদা। নিংথৌ, মেলৈ ডাংবা য়াওববু খডলবনী "ইতাও অংবদি মাঙলগনি" হায়না খংদ শানা লৈরক্লে। ফাইবেন ১৫ নি পাম্বদা তংশংনা রাবম হরংনা হায়রবদা নাওশমচা পুত্রম্বু চিংনা লংলা লোযম্বু শেম্নবদা অয়াম্নাশংবু হংনরগ রেস্থা অশেংবা ওইরমগী দমক নাওশমচা পুত্রম্বু কৌবরেন্দা পীনা হাংখি।

খাগোকপম কোইবেং, অথোম ললহাং মেলৈ নং, পাংদং শাকোক ম'রমাদ কাংপোকপীদা য়াম্ন থিম্না হাংখি। নিংথৌগী পেন্দবা মোংশেম মেনিংচিংনা মেলৈ থাংবা, খাগোকপম কোইরেং অথোম ললহাং, পাঙল শাকোক মবিমগী মথুম চৈকৈ, মরল-মথুমং মচা মনাই খোমগৎলুংদ মাযম্না হায়খ— ঐগী মমাগা পেক্রবা ... ঐগী লন থুম সু থমইনখি হাইজুনা মাল-চাং মুম্নকই। শিংডমে ডাংনা মনাই চশিংবদি ঐগীনি হায়রুই, লেশাং বা খুমেন ... বোং ... ফৌ চাংপেং অতম খমজখি হায়না লম সম্নকবদগী শিংজমে থাংনা মাযম পীথাংবা লৈশাং খুডম সৈযদ সুলৈমান মং-মং মনাই শিং— বনচিংবা নিংথৌগী মেংলোমদগী মখোয ডরুকম্বু লম্ন হংবুম্না পুখং-লবদা নিংথৌ রাখল চাওবনা সৈয়দ সুলৈমানদি কাজী ফম মাঙবা তারে মথরাই মাঙফদে খন্দুনা মথরাই কথোকহৌই। সৈয়দ সুলৈমান কাজী ওইনা লৈহৌই। শিংডমে ডাংবা মাযম পীথাংবা লৈশাং খুডম মনাই ডাশিংবা ডাংবগী মপারী ৫ দি মাজিং লাইদা পীনা হাংখি-এ। অথাম্বা তুম্ন হাংথ্রবস্থ ঙাংনগী লুপা মীবোম্নিবী বপযাই নিডোলদি মপামদা লৈখিবনা হাংন শুনবদগী হিংহৌরে। মপামদা অঙাং নাওযেক তম্নে, মনিংস্থ কোবা থোম্লে। কাজী সৈযদ সুলৈ-মান নোঙ্গাথ্রবদ, থারা থনমদ্রে। মতম থরা মণিপুরদা মেরাই কাজী মুংলুবে। মৈদি ডঃ চনাইরোংবা হৌখিবা ম গা পুন্সিদা শম্নবা নীতি, ধর্ম্মনা য়াদবা থবা তৌথ্রবরা? মশাদা অনাবগী লাইথে চোংথো-রক্লে। মাইবা-মাইবা থেমচাং য়েংহনবদস্থ মরাল লৈএবা লুপা অঙাং

যণ-ব্রাহ্মণ কযা হাংখিবগী ওইনা লাইফাওরক্লে। ইবুঙো লোয়ন্নবু নিংথৌ শেমগে তৌবগী হাংডুনা চৈরাক্ পীখবশিংদা হেক্লিনখিবদি মেরাই মযুম শাগৈদানি হায়না মদিংঙু চবাইরোংবনা ভাব তারডুনা মনাই অচানবশিংদা যাথং পীখ্রে- "ঐগী সেবাক অসিদা কনাগুম্মা মেরাই মচা অমত্তং লৈব্রা থিবকউ মহাক্কা ঐ কোকখোক্লগে, মহাব পুন্ন কাজী হাপকে।" নিংথৌগী যাথংদি, মনাই অচানবা মযাম মেরাই থিবগী থৌদা মখাদা চংলক্লে মতম শাংনা থিরক্লে, থিবা থংলে। কাইনথংদা খুজ্জাংশিংগী চীনবুংগী থিখুন অমা ফংলডুনা কপযাই ডাংগা চংলে। কপাংই থৌরডুনা অডাং অডুগী মমাগা বারী শাংরে। নিংথৌ মনাই ডচ মনা অডাং মমদা হাংলকই- "ঐখোয়না লাকিবা অসি মোমাংদুগী যু থনি, নং অশে -অশেংবা পাউখুমদমক পীনিযু, নমা ওইদবা অম থ হবনু। নংগী অডাং অসি কাব শাগনা? মাং কবি বৌক?" অডাং মনাংদ হ যুববহ— "ঐগী হচা অসি মখিংদ "কান" কৌই অডাং অসিগী শাগৈ ডাংতি চাংমানি।" নিংথৌ মনাইনা মখা থানা হংলকই "অডাং অসিগী শাগৈ ডাংতি মখক মান লক্রে?" "মাথং মহাক মুসলমানদ নান্তু চাংমীনি।" অশেংবা পাউ ফংদবদগী নিংথৌ মনা খিনা সনা কোংগুংগীদমক বপযাই থাংগদে, নিংথৌ কোন্ন দা হাক্তিব তৌরডুনা মোদংডুদা হঙ্গংলি— "হনিংথৌ! নক থইদা মেরাই শাগৈ লেতে, অডাং মমাগা বারী শানবদে, অডাং অডু মেরাই নতে" হায়দুনা মখাযনা শানরকপা বরি শাং মখত ন লাম্না শংক্মযদা থিংডুনা হায়বকই— "নখোয় মফমদুদা অমুক হন্না চংলো শোযদনা মহাক মেরাই শাগৈ ওইগদবনি। নখোযনা মমদা হাংবু, কবিরু চিনবা অকি-ভুজংবা তৌগনু। মেবাই শাগৈ মচা অমবু নিংথৌনা অচানব মনাই ওইগে, মহাকপুন্ন কাজী হ শনা ডাখাব হাযবদন্ন হ যাদোক্ক বদি অডাংগী মপাগী মমিং, মপুগী মমিং মপু পোকপ মপু খাগী মমিং হংউ। অডাংগী মমিং "কোব", মপাগী মমিং "ডাংবা", "ডাংবা মপাগী মমিংনা নহাবপ হঙ্গুবা, নহারুপ হঙ্গবু

পোকপদি মেরা য়াংবনি হায়না পারোল-পুরোল থাব্রক্লবদি মহাক অহ্ অশেংবা মেরাই মচানি। অহুনা মমা-মচা অনীবু পুরক্তবা য়াদে" হায়না শিন্নরবদা নিংথৌগী মনাইশিং কপয়াইদা অমুক হনপ্রে। কপ-য়াই য়েৌরবদা অঙাংগী মমাগা ব্রারী শানবগী মতাংদা নিংথৌ মনাই অচানবনা হায়রকই— "অঙাংগী মমিং করি কৌবগে? অঙাং পোকপা মপাগী পারোল-পুরোল হায়য়ু।" হায়না থাহল্লবদা অঙাংগী মমিংনা কোবা, কোবগী মপাগী মমিংনা ঙাংবা, ঙাংবগী মপাগী মমিংনা নহাক্প হঞ্জবা, নহাক্প হঞ্জবগী মপাগী মমিংনা মেরা যাংবা কৌই। মমিং-মথা, পারোল-পুরোল চন্নরবদা নিংথৌ মনাই অচানবনা হায়রকই— "অঙাং মেরাই অসিবু কাজী ফম হাপনবা নিংথৌনা থিরিবনি। অহুনা নমা-নচা অনীমক নিংথৌগী কোন্নুংদা চঙবা যাপ্রে, চংলশি।" অঙাং অহুগী মমানা ব্রাহে অমা অনিদং হায়রগে হায়রকই— "অহৈ মেরাই তুম্না হাংখিবহুদা ঐগী ইচাসি মেরাইনি হায়বা নিংথৌদা খঙহন্বদা হাংপিখিগদ্রা হায়বা অকিবা লৈজে। ইমা ইচা অনীনা কোন্নুং চংলুবদা অমুক হাংপীখিগদ্রা? হাংপীগদবা ওইববদি অশেংবা পাওতাক পীবিয়ু, ঐখোয় চংচরোই, লৈজগে।" নিংথৌ মনাই-শিংনা হায়রকই— "করিম্না চিংনবিক্লগনু। হাংপ-তুপ্না কবিদন্না তৌরোই। অশেংবমক অঙাং অসিবু কাজী ফম হাপকদৌরবনি।" অঙাংবু কাজী ফম হাপ্লীগদবা, হাংপী তুপ্লীরোইদবা লৈরবদি ইমা-ইচা অনী-মক নিংথৌ কোন্নুংদা চংচরগে" হায়হুনা চহী নিপাল (৮) তা ঙায়রিবা কোবা কৌবা অঙাংবু পুরগা মমা-মচা অনীমক নিংথৌ কোন্নুং য়ৌরক্রে। মৈদিংঙুগী মমাঙদা হাজির তৌরহুনা লৈরবদা নিংথৌনা হায়রকই— "নুপী নংগী নচা অসি মমিং করি কৌই?" অঙাংগী মমানা খুম্মী— "ঐগী ইচাগী মমিংদি কোবা কৌই। নিংথৌনা হংলকই— নচাবু মমিং কোবা থোল্লুবসি করিগীনো? "মপা শিপ্ররবনি, মপা শিপ্রবা মতুংদা পোকপনি, মপাগী মায়থোং উবা কংজহৌদ্রবা অঙাংনি। অহুনা মপাগী নিংশিংবা ওইনা মেলৈ ঙাংবা মীং অহুমক থোল্লিংবনি অহুবু মেরাই শাগৈ তাকহৈনা হাংখিবা সৈয়দ সুলৈমানতমক কাজী

ওইনা থম্লম্বা অতুদা ঐগী ইচাবু মেনৈ ভাংবা হায়না মীংলেম্নবদি শোযদনা থাঙথক্লা পুন্সি কেমৈংনি থন্দুনা কিজ্জলদগী কোবা কোবা মীং অসি থোক্কবনি। হৌজিক্কি ইনিংথৌ মৈদিংঙুনা হাংপীবোই, কাজী ফম পিনবিবগে হায়ববদি মেনৈ দা বা হায়বা অসি মীংথোম্নীয়, অদুগা মীংথোল্লবা মতুংদা কাজী ফম হাপ্পীগু।" মমাগী হাযজ বাইহেব মৈদিংঙু চবাইবোংনা পেম্নীবত্তনা অভাং অদুগী মমিং মেনৈ ডাংবা মীংথোম্নীবগা মেনৈ ডাংবনু কাজী ফম হাপ্পিখি। মেনৈ ডাংবগী মতুংদি মেবাই শাংগী কাজী অমক লাকখিদ্রে।[৩৬]

শকাব্দ ১৬৩১ (খৃ ১৬২৭-১৭০৯) অসিগী লাংবন থাগী নবিনি পানা থাজ নুমিদা গুজবাট নৈবাক্কী লম্নোইবা মণিপুরদা থাক্কপা মেবা থাগী নিপালনি পাম্না শগোলশেন নুমিত্তা থুংলৈ যোগী মথোয মডাংনক থুংলবদ মৈদিংঙুনা হাংদমলকই— "যোগীশি থাগী নৈবাক্কী অ কপবু কবি বাবম নৈবগী ওইববনো ?" যোগীশিনা পাউথুকই— "হে নিংথৌ লাইবু নিব ও রাবম কবি থোইদোকপা অইদ কবিদ্ নৈদং, মনিপুর মনা নৈবাক্কী অনাম পোক্কেন অচিবা লাইনিংথৌ নোংপোক মালং চমোইবগী মনা থুডমলেনবু অবাথা নোংচুপ মাযইপ পাবদগী লোইবী চাংলেন অগা মালেম নৈদা তাদনা মন্য অতিযাদা লনা পাইববপনি হায়না নংগাযযেং অতোম লাইনিথৌ হযা লাইবেঙগী মনা খুদমলেম্নি হাযবনু পুযা লাইনিক অচৌবদা হাযবম্নদগী নীর্থ লাইংমলেনবু পসাগা মংম কৌজগে হাযনা লাকচবনি" হাযনা পাউথুমবদা নিংথৌনা থম্মোয পেন্না হবাও থাদনা হাযবমই— "হে যোগী লাইবু নংবশিংদ, নংগাদশিংদি কবি কান থডবগে, কবন কবগা শক্তি চাংদবা উমীববগে হাযনা যোগীশিংদা হ লক্রবদা, যোগী পেন্নুবা কৌবনা থাম্মী মৈ থোকহল্লে, যোগী মোনলং বৌবনা লাইজ ঈশিং থোকহল্লে, যোগী নৈথুন কৌবনা মালেম নৈদুন্নুদা নুমিৎ নিকু (৪০) নিবু চাক ঈশিংকা অমদা চাদনা নৈব

৩৬। "য়াদ দাস্ত কুর্সি নামা" পেজ ৭৮, অইবা— বিফায়তুল্লাহ

পয়ে, যোগী বুতু কৌনা দ্রব্য রামদগী হি কৌবা পয়ে। যোগী মীচানদী মতিক মগুন খংলপদা মৈদিংউনা লেম্মীরহুনা পোৎ-চৈ, মাল চাং, তালোয় নুপা অম্ম নাইনচিংবা পাবিয়ে। কাজা মুহম্মদ সানিগী মগুনুপা তোনবা খুল্লাকপগা। সৈয়দ সুলৈমান কৌবগা মখোয় অনীদা মৈদিংউ চরাই রাংবনা যোগীশিংবু শিন্নখি। খোংজোম নাথিয়াম, নোরী শোয়খোং মনাক্তা অকৈবা লৈকাই কৌবদা যোগী মমশা শাবজুন নিংথৌ চাকথা পানা লাওয়োকখি ৫।[৩৭]

পামহৈবা নিংথৌ (গরীব নিৱাজ) খৃ, ১৭০৯-১৭৪৮ দা সিংহাসনদা লেংখৎখি-এ। মহাক্কী সনা হুক্তা অরাদা লান্দাখি। লান্দাখিদা অদুদা মুসলমান মচা কয়ানচু যাওখ। লানফম অদুদ মাঙখিবা মুসলমান সর্দারশিংদি মকক শাগৈদা অনী মমি না খুঙম। মুল্লা কৌই, খুল্লাকপম শাগৈদা অনা মমিংনা তৌলা, মকোবোক কৌই। শাগৈদা খুনম, লোতে কৌগা অনীনা। মুগান এওগী তোনবা কৌবা অমা, নোংমানবাদি খুডমগী যবোইলাকোং অনীম, পান এওগী বাক্রিলা কৌথা অম। মুডুমচাদি মোইগাং কৌবা অমা, মইক্রে এখুমগী কিযা কৌবা অমা অসিনচিবা লোয়নখি।

গরিব নিৱাজ উগ্রপলদা লান চৎপদা মুসলমান কয়ামকম মাঙহৌই। মখেয়শিং অতদি— বাইলা কৈদা (১) লিক্রাই (২) খুঙম (৩) মোতে (৪) খোইখোই মবি অসিনি। মইক্রে মখুমদা (১) ভাখম (২) থংখোং খাংবোং। লুকাই (নোংজাই) মখুমদা (১) চেংবা। রাংব মখুমগী (১) তেংকপা। লোলাইপাব শাগৈদ (১) তোনবা। খুল্লাকপম শাগৈদা (১) তোনবা (২) কোনান (৩) তেনবা (৪) বালা অসিনচিংবা মাঙহৌই[৩৮]

খৃ. ১৮১৯ ২০ দা মর্জিৎ মহারাজনা মণিপুরগী নিংথৌ ওই। মহারাজা পাম্বা মতমদা অৱান মণিপুরবু মায়থোবা পীরগা মণিপুরবাশিংবু

৩৭। "যাদ দাঙ্গি ব্রুসি নাম" পেজ ৪৯, অষ্টবা - রিফাইতুল্লাহ

৩৮। — do — পেজ ৫০ — do —

ওং নৈখি। মার্জিৎ মহারাজগা মণিপুরী প্রজাশিং হাও, মীতৈ, পাংলশিং অপুন্নগী শকক অতম থোকপগী অমা (ঙ) ময়াং লৈবাক তান্না চেনখিবমী। মণিপুর থাদোক্লুনা চেনখ্রবা প্রজা মযাম অদু অমুক থোরক্লিন্দুনা চৌর্জিৎ, মার্জিৎ, গম্ভীর সিংহ, নর সিংহ মচিন মনাওশিনা অচৌবা মীচম প্রজাগী লান্মী চেঙ্গোল অমা শেম্লমী। মী চাম্মঙা (৫০০) না শাবা লান্মী চেঙ্গোল অদুনা মণিপুরদগী অরাশিং মথংথোরবা পীতুনা ভাগ্যচন্দ্রগী মকি। ইবৈবাকপু মীবৈবাকচা য়েক্লবা অরাদগী কলহৈনবগীদমক মমা লৈবাক্কগী লান্দাবকপা অদুদা লৈবাক শাবা মুসলমান জবান ২৪ য়াওরকখি। মখোয় ২৪ য়াওরকখি-বশিং অদু মমিংগা কোন্নবা পীজবি।[৩২]

১। শেখ বিকাযৎ উর্ফে থোযদোবা জমান্দার ইবনে লাংয়ান লাইনীবা, শাগৈ খুল্লাকপম।

২। শেখ বাদা উর্ফে ইমামোহ ইবনে মল্লাহ; শাগৈ - খুল্লাকপম।

৩। শেখ অমুক উর্ফে গোকুল ইবনে সাজিদ, শাগৈ - খুল্লাকপম।

৪। মহম্মদ নাজিব ইবনে মাথৈমুদ, শাগৈ - খুল্লাকপম।

৫। শেখ খর্বা উর্ফে চেংনু ইবনে হাসিম, শাগৈ - খুল্লাকপম।

৬। শেখ সুবোল উর্ফে শাংগাল মকোক ইবনে থিংগোম, শাগৈ - বাংমা তাবা ময়ন।

৭। শেখ বশক, শাগৈ - অবিরম।

৮। শেখ সাবু, শাগৈ - অবিরম।

৯। শেখ লোবো ইবনে জান মুহম্মদ উর্ফে মাল উরোক তেন, শাগৈ - মকক ময়ুম অমুবা।

১০। ববকল্লাহ উর্ফে তোলেন কাজী ইবনে খেংবা হজারী, শাগৈ - ইফন ময়ুম।

১১। চেংগীজ খম্বা, শাগৈ - পুইন্দ্র ময়ুম।

১২। অকিলা শেখ।

৩২। "য়াদ দাষ্ট কুসি নামা" পেজ ৫১, অইবা— রিফায়তুল্লাহ

১৩। মুহহিম শেখ।

১৪। শেখ সবাহ।

১৫। শেখ প্রেম

১৬। শেখ শিরা।

১৭। শেখ ব্রোন্দ।

১৮। শেখ চিবা।

১৯। শেখ খম্বা।

২০। শেখ সেজা।

২১। বকি মুহম্মদ।

২২। [illegible] মুহম্মদ।

২৩। লোল্লা মুহম্মদ।

২৪। শেখ সালেনা অসিনি।

নব সিংহ, গম্ভীর সিংহনা মযা লৈবাক্লগী সিপাই [illegible] অমগী লাঙ্গংদা মাই পাক্লা অরাশিবু [illegible] মণিপুরবু অমুক হন্দোক্লদুনা খৃঃ ১৮২৬ দা গম্ভীর সিংহনা নিংথৌ ওখ্রে। মহাক্না নিংথৌ হেক ওইরগা মণিপুরগী যাইফ-থৌরাং [illegible] লমদা থুনা [illegible] যেংশিনখি। মবৈবাকচা অযাম্বা মণিপুর কল্লবগী নানফমদা [illegible] থাব কিদনা [illegible] নবশিদা ফম পা, মনা-মথুমনচিংবা [illegible] [illegible] উর্ফে তোলেন কাঙ্গবুম কাজী [illegible] কাডা [illegible] লৈনবা [illegible] বামদৈগে খোমযানগী অরাং [illegible] [illegible] থনা পাংনা পীবিখি। পাংকী মখিংদা কাজি পাং [illegible] কাজীগী পুম অহান্নদা মাকল দা লৈবা, কাংনদ বোনু লা থবা [illegible] লৈবনিনা চংথাক-চংশিনগী খুনো [illegible] যেংলগা কাজী পাংনা লৈযু হাযনা লাকখিরনি।

[illegible] পাসা মুসলমানশিংনা মণিপুরদা [illegible] লৈবক্লিনসি [illegible] মতমগী নিংথৌনা লৈংগ হাপ্নবা মফমদা লৈনা মতুগী থবক অহ [illegible] হাযবা থবক তৌহনা লাকখি। লৈযু হাযবা [illegible] দা লৈরকখিবা

মফমশিংগী মমিং পন্না য়াবশিংদি — মোইরাংখোম, শিংজমৈ, বামোন লৈকাই, লংথবাল কৈবুং, মাকলং, লমশাং তাওথোং, প'ংশোই, পাংলতাবী, উচিৱা, চৈরোইপুং, ময়াং ইম্ফাল, খোংজোম, ভাথিয়াম লৱাই, ৱাংজিং তুরেল ৱাংমা, হৈরোক, উখোংশাং, মালোম খোংনাংবন্দ চঙমদৱী কংলা উকোক; কুম্ব্রে, মালোম খোময়ান, কৈনৌ, মোইরাং তাওথোং, য়াইরিপোক নিংথৌ নাই, থোংজু লৈশাংখোং, কাজী পাৎ, সোনাই (সাপম সোনাই), নোংজাই, কামেং, মপাল ইখোল, চিঙা মথক চিরোম লৈকাই, খৌবুম চীংজিন, হৈতাং, কায়রং খুমীদোক, ৱাংবন, মাইবম লোকপা চীং বিষ্ণুপুর অসিনচিংবনি।[৪০]

নিংশিংঙদবা :— লৈশাংখোং, লৈশাং হিদেন্দী লংথবালগী মনাক্তা লৈরিবা ব্যামৈগী পল্লীগী খো তুদগী মাইল মথারমক চংলগা নোংপোকথংবা পল্লীদনে।[৪১]

মণিপুরদগী অৱা ভাঙ্লোকখ্রবস্ মখোয়না ফাদুনা পুন্ত্রবা মণিপুরীশিং অমুক মণিপুরদা থারুকখিদ্রে। অৱাদা ফাঙ্লুনা লৈখ্রবশিং (মণিপুরী) বু মখোয়না "বুঙে" কৌই। মুসলমানবু কলা কতে কৌই, মীতৈবুনা পাঙনা কতে কৌই[৪২]। হৌজিক ফাওবা অৱাদা লৈখ্রিবা মণিপুরী শাগৈগী মিংশিংদি— বুল্লাকপম, শাজবম, মেরাই, মকক্, লাইরেম, মাইবম, কুইন্দ্রোম অসিনচিংবা অমুম্না লৈনরি।

মণিপুর নিংতম লান বৃটিশকী মায়োক্তা খৃঃ ১৮৯১ দা অকনবা লানথেংনখি। লানতম অসিবু মাংহনবা মণিপুরগী নিংতম লান হায়না খংনরি। মরৈবাক মণিপুরবু লেক্তবা বৃটিশকী কলহৌনবা হায়দুনা মণিপুরগী অথৌবা কয়া কোইরেং যুবরাজ, পাওনা, থঙ্গাল মেজর, চোংথাম মীয়ানচিংবা মখোয়না চিংদুনা যেক্তবগী মহৈরোং য়াখি। মমা লৈবাকপু নুংশিজবা অমদি বমমমগীদমক থন্দুনা,

৪০। "য়াদ দাস্ত তুসি নামা" পেজ ৪৪, অইবা— রিফ.য়তুল্লাহ

৪১। শাকোক লমসেন অহানবা, অইবা— শ্রী যেংখোম ভগৎ সিংহ

৪২। অকোংবা - শ্রী ব্রজমনি শর্ম্মা, পেজ ৩৩

মৈরাঙ্থৌনা মৈরিলক্তা চোংশিঞ্জহূনা শিজবগুম মরৈপাক কলহৌনবা হায়দুনা মশীং লাকডমদনা মণিপুরী অথোবশিংনা লানফমদা থরায়না পোন্থা পীখি। মণিপুরগী অবোইবা নিংতম লান খোংজোমগী খেবাচীংদা শোক্নখিব লান "খোংজোম লান" হায়না খঙনবা লানফমদা মুসলমানশিংসু মমা লৈপাক মণিপুর নিংতম্নবগীদমক শরুক যাখি। ল'নফম অদুদা মথন্নাই থাখিবদি পাঙল অথোবশিংদগী চিবানদোনি। লাফনমদা শহিদ ওইখ্রবা অথোবা চিবানদোগী কাবরদি পলেলগী লৈমনাই চীংদা লৈখি। অতোপ্পা অশোক-অপন, ন'ফগা হিংহৌবনা নিযুতরুকনি। মখোয়শিং অদুদি—

১। তোনজাও হবিলদার খুল্লাকপম
২। অবুতোন ,,
৩। অমুনা মেঞ্জব ,,
৪। অঙৌনা ,,
৫। ঙাইরাংবা ,,
৬। শব্বির আলি উর্ফে য়াইমা ,,
৭। বাবু উর্ফে শনদ্রোকপা ইফম মখুম
৮। নিয়ামতুল্লাহ ,,
৯। মোনি মিয়া (জমানদার ,,
১০। হমুম মীয়া ,,
১১। য়ুসুফ উর্ফে নাওকল তোম্বা ,,
১২। অজিজুর রহমান উর্ফে শাম্ব ,,
১৩। খম্বা উর্ফে ইরোং চেম্বা ,,
১৪। খলিলুর রহমান উর্ফে তোম্বা ,,
১৫। অবদুল্লাহ উর্ফে চাওদোনবা খুংহৈবম মখুম
১৬। দেরান মীয়া শাগৈ - শিঙ্গা মখুম
১৭। মেহৈল মীয়া ,,
১৮। হাজী সনাউল্লাহ শাগৈ - নোংজাই মখুম

১৯। তুলানদো সুবেদাব শাগৈ- ভুয়া মযুম
২০। খেনাকু ও ,,
২১। কৈগোজিং ইবনে নিযাজ শাম উফে ফকির কৈদো বা মকক মযুম
২২। কিবাদো ইবনে নিযাজ শাম উফে ফাকিব কৈদো বা মকক মযুম
২৩। যুশুফ উফে চৈথাবা ইবনে নিযাজ শাম ,,
২৪। চোনজাও মীযা ,,
২৫। লমবোইবা হবিলদাব ,,
২৬। শঙ্গায সুবেদার শাগৈ- মকক অনৌবা মযুম ,,
২৭। জযও জাত্রা ,,
২৮। অঙৌ মীযা ,,
২৯। কৈয়া জমানদাব শাগৈ থোংখোং মযুম
৩০। অবদুল কাবিম ইবনে জুহুরুল্লাহ শাগৈ মেবাই মযুম
৩১। অসগব আলি পুন্দ্রে মযুম
৩২। বহমতুল্লাহ উফে উবাওবা শাগৈ মকক অঙৌবা মযুম
৩৩। উমাব আলি উফে উমো ইবনে মীরাছ আলি, নোংশা মযুম
৩৪। সাবু মীযা শাগৈ মকক অঙৌবা মযুম
৩৫। যুশুফ আলি উফে কোনা মকক মযুম
৩৬। চোথাম মীযা বদবিয়া ইবনে গোকুল শাগৈ কমল মযুম
৩৭। তালিম মীযা উফে খুজ ইবনে অজিজুল্লাহ শাগৈ ইমখাম মযুম
৩৮। ফবাহিম ইবনে তোন মীযা শাগৈ চেশাবম মযুম
৩৯। শেখ বাবুচৌ শাগৈ হৈবাক মযুম
৪০। শেখ অবদুব বাহমান উফে হমা হৈবোক মযুম
৪১। শেখ মুবশীর আলি লারিযা ইবনে ইব্রাহিম কোম্থা মযুম
৪২। বমজান আলি ইবনে হুসাম শেখ শাগৈ কৈনৌ মযুম
৪৩। শেখ কমরান উফে মিনতুল্লাহ যুসম মযুম
৪৪। নুব বাহিম মীযা ইবনে তাশিব আলি মোইচিং মযুম

৪৫। হেদায়তুল্লাহ ইবনে সুনাউল্লাহ উর্ফে খম্নাংবা মোইচিং ময়ুম
৪৬। উমেদুল্লাহ ইবনে নেম্বা মীয়া খৌবাল ময়ুম।[৪৩]

মণিপুরদা পানখিবা নিংথৌশিংগী কাজী অমদি খুল্লাকপা ওইখিবশিং অমসুং কাজীশিংগী মথক্তা কাজী-উল-কুজ্জাত ওইখিবা মীওইশিংগী মমিং মখাদা পীরিবা অসিনি।

১। কাজী মুহম্মদ সানি খৃঃ ১৬০৬ মৈদিংগু খাগেম্বগী মতমদা কাজী-উল কুজ্জাত ওইখি।

২ শেখ জুনেদ খুল্লাকপা খৃঃ ১৬২৭ তা মৈদিংগু খাগেম্বগী মতমদা ওইখি।

৩। কাজী সৈয়দ অম্বায়া খৃঃ ১৬৪৯ দা মৈদিংগু খাগেম্বগী মতমদা ওইখি।

কাজী অনী খুল্লাকপা অমা মখোয় অহমগী মথক্তা মুহম্মদ সানিনা কাজী-উল-কুজ্জাত ওইখি।

৪। কাজী সৈয়দ হুসেন খৃঃ ১৬৫০ দা মৈদিংগু খুঞ্জাওবগী মতমদা কাজী-উল-কুজ্জাত ওইখি।

৫। কাজী সৈয়দ সুলেমান খৃঃ ১৬৭৯ দা মৈদিংগু পাইখোম্বগী মতমদা কাজী ওইখি

৬। [illegible]নবা খুল্লাকপা খৃঃ ১৬৭৬ তা মৈদিংগু পাইখোম্বগী মতমদা ওইখি।

৭। ওকাতুল্লাহ খুল্লাকপা খৃঃ ১৬৮৬ তা মৈদিংগু পাইখোম্বগী মতমদা খুল্লাকপা ওইখি।

৮। সৈয়দ [illegible] কাজী খৃঃ ১৭০৮ দা মৈদিংগু চরাইরোংবগী মতমদা কাজী ওইখি।

কাজী [illegible] খুল্লাকপা অনী মখোয় [illegible]গী মথক্তা কাজী সৈয়দ হুসেননা কাজী-উল-কুজ্জাত ওইখি

৯। শিব [illegible] শঙ্গায়বাকপা অকোনা [illegible]

৪৩. “মাদ দাই [illegible] নামা” পেজ ৫১-৫৩ অইবা— রিয়াজুল্লাহ

হায়নস্থ খউনবা খৃ. ১৭১৩ দা মৈদিংঙু গরীব নিৱাজগী মতমদা কাজী-উল কুজাত ওইনা কাজী ওইখি।

১০। নিব কাজী খুন পুনা খৃঃ ১৭৩৫ দা মৈদিংঙু গরীব নিবাজগী মতমদা খুল্লাকপা ওইখি।

১১। ইসমাইল উর্ফে গোবমণি খৃঃ ১৭৪৭ তা মৈদিংঙু গরীব নিৱাজ মতমদা কাজী ওইখি।

১২। অালি মুল্লাহ কাজীনা খৃঃ ১৭৫৬ তা মৈদিংঙু গৌব শ্যাম মযাম্বগী মতমদা কাজী ওইখি।

কাজী মবি, খুল্লাকপা অমা মখায মডাগী মথক্তা শিব মুহম্মদ উর্ফে শঙ্গাযবাকপা (ওখো লাবা) কাজীনা কাজী উল কুজাত ওইখি।

১৩ কুলসুম কাজীনা খৃ ১৭৯৩ দা চৌথখোম্বা নিংথৌগী মতমদা কাজী ওইখি।

১৪ নসিরুল্লাহ ইবনে বহরুল্লাহ মকক অহৌদনা খৃ ১৮২৬ দা চৌব সিংহ মহাবাজগী মতমদা কাজী ওইখি (অতুবু কমাল লাবা ষনি শুবদা শিখিবদৈ থবক পুবমদে)।

১৫ ববরুল্লাহ উর্ফে তোলেন কাজী খৃ. ১৮২৬ দা গম্ভীর সিংহ মহাবাজগী মতমদা কাজী ওইখি।

১৬। তেবা কাজী খৃঃ ১৮৩৬ দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা কাজী ওইখি

১৭। সনবা কাজী খৃ ১৮৫১ দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা কাজী ওইখি

১৮। আলি মিযা কাজী খৃ ১৮৭৮ দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা কাজী ওইখি।

১৯ ইবা কাজী খৃঃ ১৮৮৯ দা ইদিংথৌ সুরচন্দ্রগী মতমদা কাজী ওইখি।

মথক্তা পীবিবা কাজী অমদি খুল্লাকপাশিংগী মমিংশিং অসি ডল্লিউ মতমদদি কাজী-উল-কুজাত কৌবা কম লৈবম্মী। কাজী

উল-কুজাত অমগী মখাদা কাজী অমদি খুল্লাকপা করা লৈরম্মী। অহুম তৌনা মণিপুরদা কাজী উল-কুজাত অহুম পানখি। মখোয় অহুমগী মমিংদি— (১) কাজী মুহম্মদ সানি (২) কাজী সৈয়দ হুসেন (৩) কাজী শিব মুহম্মদ উকৈ তাওখোংতাবনি। কাজী উল-কুজাত কম মুৎখিবগা লোয়ননা "খুল পুবা" কময় মুংখি। কাজী উল-কুজাত লৈত্রবা মতুংগী অহাম্বা কাজীদি আলি মীয়া কাজী নি; মহাক্না খৃঃ ১৭৫৬ তা মৈদিংগু গৌর শ্যাম মরাম্বগী মতমদা কাজী ওইখি।[৪৪] মণিপুরগী অরোইবা কাজী ওইখিবদি অবদুর রহমান উকৈ সনাজাওবা কাজীনি। মহাক্না কাজী ওইবগী মতমদি চুরাচান্দ মহারাজনা পাম্না মতমদনি। সনাজাওবা কাজাদি য়াদ দষ্ট কুসি নামদা ইরমদে। সনাজাওবা কাজীগা যমখোল পীবগী তারিখ-থা যাদ দাষ্ট কুসি নামদা পীরম গনু অথড-অথৈং, অহুল-লমনশিংদগী মহাক্না কমখোল পীবগী মতমদি খৃঃ ১৯২৯ দগী ১৯৩১ ফাওবগী মনুদা ওইবা য়াই হায়না ফই।

নিংশিংগদব, খুল পুবা (খুল্লাকপ) অমদি কাজীশিংগী মথক্তা লৈং-শিংলবা কাজী অমন মখান খুল পুবশিং, কাজীশিংগী মকোক ওইনা কম অমা লৈরম্মী। মহুৎ কম অদুবু কাজী-উল কুজাত কৌই।

৪৪। "য়াদ দষ্ট কুসি নামা" পেজ ৭৪ অইবা— রিয়াজ উদ্দিন

মণিপুরদা মীতৈ

মীতৈগী হৌরকফম চপচানা হায়বা ঙমদ্রি। অরিবা রারীগী মতুং ইন্নদি মীতৈ জাতি শন্দোকখিবা অহান্বা মী সনামহীনা শেমশিনবনি। অতোপ্পা মত অমনা মীতৈ জাতি অসি অকোয়বদা লৈরিবা চীংমীশিংগী শন্দোরকপনি (১)।

মীতৈশিং অসি ইন্দো-মাঙ্গোলিয়ান নত্রগা তিব্বতো-বর্মণ কাংলুপকী জাতিনি (২)।

পণ্ডিত শরগী মত মতুংইন্নদি মীতৈশিং অসি তাই জাতিগী মন্নচম্না মোই কাংলুপকী থারানি হায়নরু হায়রৈ (৩)। খেন্নবা মোংশিং অসি নৈনর। ঐখোয়না অরোন্না হায়বা য়াই মহৈদি মীতৈ জাতি অসি মোঙ্গোলিয়ানগী ঈনা নম্না য়াওবা য়ানশিন্নবা জাতি অমনি (৪)।[84]

(১) (২) (i) মীতৈ হায়বা জাতি অসি মঙ্গোলোয় গ্রুপনি। মণিপুরদা লৈরিবা চীংমী তম্মী অমসুং মুসলমানসি মঙ্গোলোয় গ্রুপনি। আদম সানি হজরত নুহ অলৈসসলামগী মচা অহুম পোকখি। মখোয় মচিন-মনাও অহমগী মমিং হাম, শাম, য়াফিস কৌই। য়াফিসকী মচাশিং চীনাবোমদ শন্দোক্লুনা লৈখি।[86]

(৩) (৪) (ii) মীতৈশিং চাইনাগী হুরাংহু ইয়াং-সিকায়াং তুরেল

৪৫। ময়াই থংবা যুগকী ইতিহাস, পেজ ৪৯, অইবা এল, বোধরঞ্জন সিংহ নিংশিংগদবা— নম্বর ১,২ কলম (i); নম্বর ৩,৪ কলম (ii)

৪৬। তারিখুল ইসলাম, Vol. III, Page 351
By : মৌলানা অকবর শাহ খান নাজিব অবাদী

মপান্দা লৈরম্বদগী মখোয় মশেল চাযনরক্লুনা বমা (মানমাব) গী নিংথি তুবেল মপান্দা তারম্মী। মফম অচুদগী অবাং বমাদা শন্দোক্লুনা লৈখি। অরাং বমাগী টাই জাতি অমদি শান জাতিনা পুংনা তাব মফমশিদগী লাক্লুনা পাৎকোই চীংশা লান্নগী মণিপুরদা তাবকখি ⁴⁶

মীতৈ লৈবাক:—

মণিপুরদা লৈনিবা যেক সলাই ভূবেৎকী মীতৈশিং অসি ইতিহ্নবা জাতি অমদগী হৌখিবনি হায়না থাজনরি। যেক সলাই ভুবেং অচুদি— (১) নিংথৌজা (২) খুমন (৩) মোইরাং (৪) লুৱাং (৫) অঙোম (৬) খাবা-ঙানবা অমসুং (৭) সরাং লৈশাংথেম্ অহান্নদ মীতৈ হায়রগা নিংথৌজাখক্ত খনরম্মী। মণিপুরী ইতিহাস অহান্ন নিংথৌ রেলনি হায়না লৌ-রিবা পাখংব (খৃ. ৩৩) অসি নিংথৌজা কাংলুপ চম্মী। নিংথৌজাশিংনা অতৈ যেক সলাই ভূবকী নিংথৌশিংবু মায়থীবা পীত্লুনা মখোয়গী লৈবাকশিং লৌশিনগ অন্ধম লৌনা নিংথৌজাগী লীচি মখাদা অপুনবা মতৈ লৈবাক শেমখি। নিংথৌ জাগী শাসন মখাদা লৈবিবা যেক সলাই পুবেংমক প্রজাবু মীতৈ হায়না খঙনখি। নিংথৌজানা মীতৈ ওইবগুন্না অদু যেক সলাইগী মীশিংসু মীতৈ ওইখি। যেক সলাই খুদিংমক মীতৈদ পুনশিন অমসুং মীতৈ জাতিগী অপুন্ধা শক্তম পুরকখি।

অথেংবা মথাই থংবা যুগ হৌবকপদা পাঙ্গল অহানা মরুওইবা মীতৈ নিংথৌদি থৱান থাব (খৃ: ১১৯৫-১২৩১) নি। মহাক্না খুমন নিংথৌবু মায়থীবা পীরম্মী অমসুং চৈংমী নুংচি বশিংবু নমথবগী পুবান থাব (খৃ. ১২৪৭-১২৬৩)না খুমনগী শক্তিবু মপুং ফানা মাঙহনখি নিংথৌ খুমোম্বা (খৃ ১২৬৩-১২৭৮)না ববোশিং (কবো শম্পাকী শান)বু খুমন লৈবাক্গী তান্তোকখি। মহাক্না মচা মোইরাম্বা (খৃ: ১২৭০-১৩০২) না মোইবা শিংবু নিংথৌখোঙদা মায়থীবা পীরম্মী। নিংথৌ

৪৬। "য়াদ দাই তুসি নাবা" পেজ ৩০, অইবা— রিফাযতুল্লাহ্

নেপালি জাতি অসি অহানবদা সিনধু প্রদেশতা লৈরম্মী। সিনধু প্রদেশতগী রাজস্তান ফাওরগা গরবালদা চংলকখি। গরবাল অমদি কুমাউন মফম অনী অসিদা লৈরম্বদগী অমুক নেপাল কৌবা চীং লৈবাক অদুদা চংশিনখিদুনা খুন্দা লৈতাখি। সিনধু প্রদেশতগী লাকখিবা নেপালিশিং অদুগী মমাংদা নেপালদা অরিবা "কিরাত" কৌবা নেপালি জাৎ অমা লৈরম্মী। হান্না লৈরম্বিবা অরিবা "কিরাত" কৌবা জাৎ অসি মঙ্গোলয়দ কাংলুপনি। কিরাত কৌবা মঙ্গোলয়দ কাংলুপ নেপালিশিংগী ওইবা কলচর লৈরমদে। মখোয়গী পুন্সি য়াম্না চম্বা মওংদা লেপ্লম্মী। মখোয়গী হিংনবা পুন্সি লম্বীদা অমতা ভাইরবা শিনফমদি শা-ঙা শিকার তৌবা অমদি শা লান থেংনবা অসিনি। হায়রিবা শিনফম অসিদা য়াম্না হৈনজবা অমসুং মশানা মশাবু নোংশাগুম্বা থৌনা কবা জাৎ অমনি হায়বগী থাজবা থমজবা মীওইশিংনি। কিরাত কাংলুপ অসি চাব জাৎ হায়বদি ব্রহ্মন, ছেত্রি, বৈহসিয়া, সুদ্র মরিগী মনুংদা "ছেত্রি" কৌবা কাংপুপ্তা চম্বা শাগৈ অমনি। মতম অমদা নেপালদা "গোরখা" কৌবা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমসু লৈরম্মী। গোরখা লৈবাক অদু নেপালগী মথা পোল্লমদে। লৈবাক অনীমক তোথায় তোথায়না লৈভাক্করম্মী। অদুবু দেশ অনীমক অমতা ওইনা পুনশিন্নখি। গোরখা নিংথৌনা নেপাল অমদি গোরখা লৈবাক অনীগী অপুনবা একত্য পুরকখি। মতম অদুদা লৈরম্বা আরিয়ান অমদি মঙ্গোলয়দ কাংলুপ অনীমক কলচর অমগী মখাদা হিংমিন্নসি হায়বগী য়ানবা অমা পুরকখি। নেপালিশিং নেপালদগী অমুক শিক্কিম ডার্জিলিংদা চংলকখি। নেপাল জাতি খুদিংমক আরিয়াননি। আরিয়া হায়বদি রাম কৃষ্ণগী মতমদা লৈবা জাতি হায়বনি। আরিয়ানশিং কদায়দা লৈবগে হায়রবদি অফগানিষ্টানদগী বর্ম্মা ফাওবগী এলাকা অসিদা শন্দোক্লুনা লৈ হায়বগীদমক মফম অফগানিষ্টানদগী বর্ম্মা ফাওবগী এলাকাবু অরিয়াবর্ট কৌই।

অরিয়াবর্ট অসিদা লৈরিবা ব্রুহ্মন, ছেত্রি, বৈইসিয়া, সুদ্র জাৎ মরি অসিগী গোত্রশিং লৈজে। গোত্র হায়বদি খান্দান (শাগৈ-জাৎ) গী মমিংনি। খুদম ওইনা ব্রহ্মনগী গোত্র ভারদরাজ, অত্রী, কুসিয়াপ, কৌরিনিয়, আত্রিয়, উপমনিয় অসিনচিংবা মশিং কয়া অমা লৈ। অসুম্না জাৎ মরিমক্কী গোত্রশিং লৈ। নেপালিশিংগী ওইনা করিগুম্বা খোদোক রাথোক উৎসব, কর্ম অমদি লুহোং খোংদোংবদা গোত্র খিনৈ। ইরাৎ পুজা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বদসু গোত্র খঙবগী দরকার লৈ। নেপালিশিং চরো-মোরোনবদসু গোত্র ভিন্নবা মশেল লৌনা লৈনদে। মশক খঙনদবা দেশ অমগা অতোপ্পা দেশ অমগা লৈনবা মওইশিং ওইরবসু গোত্র তিন্নরবদি মচিন-মনাও থোকনরে লৌনবা য়াম্রে হায়না অখিংবা থমনৈ।

লৈশাংখোংগী এক্কাউন্ট

(চেনা ১৩১, ১৩২ অমদি ১৩৩ দগী য়াওপ্রবা অমদি য়াওদবা)

মুহম্মদ সানিনা অহোং পোকই। অহোংনা নমফৌ, ভোনবা, কেঙোক্ক, লালুমাঙ উর্ফে ইবনে ফরদিন পোকই। নমফৌনা খোইজু ওমবা পোকই। খোইজুনা অকাশতুল্লাহ পোকই। অকাশতুল্লাহনা খিংগ্রংমুনি পোকই। খিংগ্রংমুনিনা নেম্বা, য়াংলেম্বা অনী পোকই। নেম্বনা মুক্তি মিয়া, চাওবা মুন্সি অনী পোকই। মুক্তি মিয়ানা লোবো অচৌবা, জিনতুল্লাহ, অবদুল গফফার অমসুং পিত্রৌ মিয়া পোকই। লোবো অচৌবগী থারা লৈতে। জিনতুল্লাহনা অকবর, অববাস আলি, অবদুর রহিম পোকই। অবদুল গফফার থারা লৈতে। পিত্রৌ মিয়ানা মচা অহুম পোকই মুফিজ আলি, ইন্দরশ আলি, সৈয়দ আলি কৌই। মুফিজ আলিনা নসির আলি, মৌঃ নুর আলি, বহিমুদ্দিন পোকই। ইন্দরশ আলিনা জুমির আলি, জুমা মিয়া পোকই। সৈয়দ আলিনা জমালুদ্দিন, সিরাজুদ্দিন পোকই। মুক্তি মিয়াগী থারা মরাগাং লৈশাংখোং কাছাড়দা লৈখি। চাওবা মুন্সিনা মচা অহুম পোকই খম্বা, ইব্রাহিম, খলিফা কৌই। খম্বনা হাজি অমিরুদ্দিন, অবদুল বাহিদ, মনাওতোল পোকই। হাজি অমিরুদ্দিনা অবদুল গনি, ইবোয়াই, সিরাজ, অবা অমসুং গফুর পোকই। অবদুল বাহিদ থারা লৈতে। মনাওতোলনা অলিমুদ্দিন, তোম্বা, রহমত পোকই। ইব্রাহিমনা বাবু পোকই। বাবুনা এনামুদ্দিন বশিরা পোকই। খলিফানা মচা মরি পোকই, মচা মরিগী মমিং থমবৌ, অবদুর রহমান, কিরাম, অবদুল জববার কৌই। থমবৌনা অখতর নবী, নজিরুদ্দিন, জমিরুদ্দিন, মুহৈয়ুদ্দিন পোকই। অবদুর রহমাননা ফজলুর রহমান, হবিবুর রহমান, অজিজুর রহমান, মৌঃ সলাতুর রহমান পোকই। কিরামগী থারা লৈতে। অবদুল জববারনা মৌঃ অবদুল গফফার, অবদুল অজিজ পোকই।

নেম্বগী মনাওনুপা য়াংলেম্বনা মচানুপা অহুম পোকই পানা মুন্সি,

নিকাপা, রজব কৌই। পানা মুন্সিনা অবদুস সমদ, মুন্সি অবদুস সুহবান, চাওবা, হাজি অবদুস সত্তার পোকই। অবদুস সমদনা নুরুদ্দিন, তোচা, অরমান পোকই। নুরুদ্দিননা নিজামুদ্দিন পোকই। নুরুদ্দিনগী মনাওনুপা তোচা কবোদা লৈখি। নুরুদ্দিনগী অনীশুবা অরমান বাংলাদেশতা লৈখি। মুন্সি অবদুস সুবহাননা সমশুদ্দিন (সমশু), অবদুল হৈ, অবদুল রাহিদ, অমজাদ আলি, ইসমাইল পোকই। সমশুদ্দিন (সমশু) না অচৌ, তোম্বা, খম্বা, পীশক, খাদ শাহ, জিয়াউদ্দিন, ফজলুরুদ্দিন পোকই। অবদুল হৈনা অবদুর রহিম পোকই। অবদুল রাহিদনা অহমদ আলি পোকই। অমজদ আলি খারা লৈতে। ইসমাইলনা সহাবুদ্দিন পোকই। মুন্সি অবদুস সুবহানগী মনাওনুপা চাওবগী খারা লৈতে। হাজি অবদুস সত্তারনা অবদুল হকিম পোকই। অবদুল হকিমনা মোঃ অবদুল মালিক পোকই।

পানা মুন্সিগী মনাওনুপা নিকাপনা হাজি বাবুর রহমান (বাবু) পোকই। হাজি বাবুনা জুনাব আলি পোকই। জুনাব আলিনা রিয়াজুদ্দিন উর্ফে রেগো পোকই।

পানা মুন্সিগী অনীশুবা মনাও রজবনা মচা অরুক পোকই, মমিং মথংশিংনা রমজান, অঙৌ মুল্লাহ, লিক্লাই, অঙাংতোন, অবদুল করিম, মোঃ অবদুর রহমান কৌই। রমজাননা হাজি অবদুল জলিল, হাজি অবদুস সমদ, তোমচা, হাজি মোইরাং নিংথৌ পোকই। হাজি অবদুল জলিলনা কাশিম আলি, মোঃ সমশির আলি পোকই। হাজি অবদুস সমদনা মুহম্মদ অচৌ হাজি পোকই। অঙৌ মুল্লাহনা চাওবা পোকই। চাওবনা তোম্বা পোকই। লিক্লাইনা তুরাব আলি, জমালুদ্দিন পোকই। তুরাব আলিনা সিরাজুদ্দিন পোকই। অঙাংতোননা জবির আলি, হাজি জাফর আলি পোকই। অমির আলিনা জমিরুদ্দিন পোকই। অবদুল করিমনা নবাব আলি, হাজি তোয়াই মুন্সি, হাজি জমাল, হাজি মুফিজুদ্দিন, হাজি ফয়াজুদ্দিন পোকই। নবাব আলিনা মোঃ মুহৈয়ুদ্দিন পোকই। হাজি তোয়াই মুন্সিনা

মৌঃ অবদুস সমদ উর্ফে রজালি পোকই। হাজি জমালনা সৈয়দ আলি পোকই। সৈয়দ আলিনা শৌকৎ আলি, নুরজমান পোকই। হাজি কয়াজুদ্দিননা মৌঃ জিয়াউদ্দিন পোকই। মৌঃ অবদুর রহমান। হবিবুর রহমান, ইবোতোন পোকই। হবিবুর রহমাননা মজিরুদ্দিন, মৌঃ অবদুর রশিদ পোকই।

মণিপুরদা অহাণবা মৌলুবী

ওল্লিবৈ মতমদা মনিপুরী মুসলমানশিংগী মৌলুবীগী কোর্স মপুংফানা তম্লম্মদে। মৌলুবীগী কোর্সকী শরুক খরদমক তম্নগা অহুম পেম্বোক্লুনা তোক্লম্মী। অহুম্না শরুক খরতা লাইরিক তম্নগা পেম্বোক্লুনা তম্বা লেপখিবা মীওইশিং'বু "মুন্সি" কৌই। মনিপুর চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মমাঙদা মুন্সি নত্তনা মৌলুবী পাশ তৌবা মীওই অমা ফাওবা লৈরমদে। মনিপুর চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতুংদদি মৌলুবী কোর্স লোয়বা ফাওবা তমখৎনরক্লে। অহুম্না মণিপুরগী মপান লৈবাক মীরৈবাক্তা মৌলুবী তম্লকলুরগা অহাণবা ওইনা থোরকখিবা মীওইদি মৌলানা এবাদুল্লাহ সাহেব চেশম ময়ুমনি। জনাব মৌলানা এবাদুল্লাহ খৃঃ ১৮৪০ গী জানুয়ারী থাদা ইরোং ময়াই চেশাবা লৈকাইদা পোকখি। খৃঃ ১৮৫৯ দা জনাব মৌলানা এবাদুল্লাহনা মণিপুর থাদোক্লগা মীরৈবাক সিলেটতা লাইরিক তম্বা চৎখি। খৃঃ ১৮৭১ দা লাইরিক তম্বা লোইরগা মণিপুরদা থোক্লকুনা কাছাড় নিঙোল অমা লৌরগা কাছাড়দা চহি ১৪ লৈরম্মী। জনাব মৌঃ এবাদুল্লাহ সাহেবকী চহি ১৪ গী খুন্দিদা মপারী মমোম অমফাওবা শাৎখিদে। মপারী মমোম অমফাওবা শাৎলকত্রবা অতুদা পোকম্নিন-শাৎমিন্নবা কনা লৈত্রবা মকম কাছাড়দা মঙম শাংনা লৈনিংদবগী মথম্মোয়দা অঙবা অমা লাকখি। লোয়ননা পোক্লকম লমদম ইরোং চেশাবা ময়াই লৈকাই মণিপুরগীদমক কাছাড় থাদোক্লম্মী। খৃঃ ১৮৮৪ ইংদা পোক্লকম লমদম মরৈকায়দা অমুক হন্জিন্নকুনা খুৎলিং খুম্নানখি। মহাক্কী জনাব মৌলানাগী মচা-মতু খারা ওলাদ লৈখিদে। চেশম শাগে অসিদা

পোকপা মৌলবী কিরামৎ আলি কোয়া মপা অমনা অপোকপা মপাওয়া জনাব মৌলানা এবাহুল্লাহবু য়োকখি। মীওইবগী হকচাং লোয়বা ন্যাইবা পুন্সি ওইবনা তাইবং পাম্ববু বিদায় তৌরম্লগা খৃঃ ১৯২১ ডিসেম্বর থাবা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি-ইনা পিয়াহি র-জিয়া ইল্লেহি রাজিউন। জনাব মৌলানা সাহেবকী অরোইবা হকচাংবু ইরোং চেশাবা ময়াই লৈকাই মহল্লা কবরস্তানদা "নকল" (মুবা) তৌখি। মুহাক্কী কবর অহু মাইকৈ মরিমক চেক্লা থাজিন্নগা য়ায়া চেকশিন্না মথোইবা হুকচাংবু শেন্নতুনা থম্মি। কবরস্তান অসি মৌলবী কিরামৎ আলিগী মচা-মশুশিংনা খাদিম ওইনা শেম্মরি। খাদিম মোঃ সমশুদ্দিন, মৌলানা চিরাগ আলিনা পোকপনি। মোঃ এবাহুল্লাহ মরহুম সাহেবনা নোংমা তমখৎলকখিবা মীওই কয়া অমসু লাইরিক তম্বীরম্মী। জনাব মৌলানা মরহুম সাহেবনা তম্বীরবা মৌলবীশিংদি—

১। মৌলবী অবদুল জববার, ফুরেম্রে ময়ুম, হাওরৈবী মখা লৈকাই।

২। মৌলবী উনিদ আলি, মেয়াই ময়ুম, হাওরৈবী অয়াং লৈকাই।

৩। মৌলবী সুলৈমান, হাওরৈবী।

৪। মৌলবী শরফউদ্দিন, ফুরেম্রে ময়ুম, হাওরৈবী মখা লৈকাই।

৫। মৌলবী দিন মুহম্মদ (মৈ মৌলবী), ফুসম, হাওরৈবী শম্ব থোং

৬। মৌলবী সোনজাও, য়াইরিপোক।

৭। মৌলবী অবদুল গফফুর, খুরাকপম, য়াইরিপোক।

৮। মৌলবী অবদুল হেলিম, ময়াং ইম্ফাল।

৯। মৌলবী সুলৈমান, ময়াং ইম্ফাল।

১০। মৌলবী অবদুল কাদির, ময়াং ইম্ফাল।

১১। মৌলবী অবদুল আলি, ময়াং ইম্ফাল।

১২। মৌলবী ফজলুর রহমান, কৈবুং।

১৩। মৌলবী অহমদ আলি, তারাপুর, কাছাড়।

১৪। মৌলবী জহিরউদ্দিন, লালাং, কাছাড়।

১৫। মৌলবী অবদুল করিম (তোম্বা মৌলবী), ইরোং।

১৬। মৌলবী মহেই, ইরোং।

১৭। মৌলবী শরফউদ্দিন, ইরোং অসিনি।

অনীশুবা মৌলুবী

জনাব মৌলুবী অবদুল জলিল উর্ফে তানজো মৌলুবী খৃঃ ১৮৫১ দা খৌবাল মোইজিং লৈকাইদা পোকখি। খৃঃ ১৮৬৪ দা মৌলুবী তম্বা চংখি। খৃঃ ১৮৭৬ তা লাইরিক তম্বা লোইরগা মযুম লৈপাক মণিপুর পোক্লকম লমদম খৌবাল মোইজিংদা থোরকখি। মণিপুরগী পাঙল প্রজাশিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবগীদমক নসিহৎ তৌদুনা অচৌবা দায়ত্ব লৌরকখি। জনাব মৌলানা সাহেব খৃঃ ১৯১৩ দা তাইবং পান্নবু থাদোক্লগা শিবা নাইত্রবা তেকপা কায়বা লৈত্রবা লেংত্রবা মকমদা অমুক হনখি, ইন্না লিল্লাহি ব-ইন্না ইলৈহি রাজিউন।

খৃঃ ১৮৭১ দগী খৃঃ ১৯০০ কাওবগী মতম অসিদা মণিপুরগী ওইনা মৌলুবী তম্বা মশিং কুনতরেৎ (২৭) লোইরকখি। মখোয় কুনতরেৎ অসিগী অপুম্বা "জমেতুল উলমা" কৌবা বোর্দি অমা শেম্লগা মণিপুর পাঙলশিংগী জরাং-অপা য়েংশিনবা ওইনা ওন্নিতৈ মতমদা কাজিশিংগী পুরম্বা থোগাইগুম্না উলমায়ে এসোসিয়েসন অসিনা অঙকপা কংনা নছিহৎ (তাকপী-তম্বীবা) তৌরম্মী। বোর্ডি অসিগী সদর (প্রেসিদেন্ট) জনাব মৌলানা এবাদুল্লাহ সাহেবনা মকওইবা দায়ত্ব লৌরগা মণিপুরী পাঙলশিংগী মথক্তা চৎনহনগদবা নীয়ম-নীতি কয়া অমা অমদি দীনে ইসলাম হিংননবা কয়াৎনচিংবা চাওখৎ থোরাংগী হিরম য়াৎলম্মী। অনীশুবা সদর ওল মণিপুর জমেতু উলমাগী ওইনা জনাব মৌলানা উমিদ আলি, হাওরৈবী অরাং লৈকাই লিলোংনা থবক পুরম্মী। জনাব মৌলানা উমিদ আলি, মেরাই খৃঃ ১৯৪৯ জুলাই থাদ ইন্তেকাল ওইখি। অনীশুবা সদর ওইবিরম্বা জনাব মৌলানা উমিদ আলি, মেরাই মমমনা লৈখিদবগা মৌলুবী হুসেন অহমদ ইবনে য়ুসুফ মুন্সিদা অহমগুবা সদর ওইনা জমেতু উলমা মণিপুরগী অচৌবা দায়ত্ব লৌখিবি। জনাব মৌলানা হুসেন অহমদনা সদরগী কম পায়রবা মতম থরুগী মতুংদা খৃঃ ১৯৪২/৪৩ দা মণিপুরগী ওইবা অহান্না জমেতু উলমা বোর্ডি অদু শিথখিরম্মী। লৌরন-লোয়ননা

মণিপুরগী মরুম মরুম থরদা তোথায়-তোথায়না জমেতু-উল্লমা ইউনিয়ন লিংখৎলক্লি অদুবু অহাম্বা ওস মণিপুরগী ওই'। জমেতু উল্লমানা চাওখৎ-থৌরাং অমদি দীনে ইসলাম মপুং ফানা চৎপা ওয়্ববা য়েংশিন্নু খিক্লিনখিবগুম অনৌবা লিংখৎলক্লিবা বোর্ডশিং অসিনা অহকাম শরিয়ত অমদি চাওখৎ থৌরাংগী লমদা মপুংফানা লমজিংবা ঙমখিদে। মণিপুরদা অহাম্বা লিংখৎখিবা জমেতু উল্লমা ইউনিয়ন অসিনা মমল য়াম্লবা কয়াংকী হৈরম কয়া অমা থবক ওইনা ওল্লোকপীরম্মী। মখোয়না থবক ওইনা ওল্লোকপিরম্বা হৈরমশিংগী মমিং ওইনা পল্বা তারবদা পর্দা তৌনবা বুর্খা উপহনবা, কুরআন শরীফপু ফজনা মীপুম খুজিংদা তমহন্নবা, থাবলচোংবা-গোমিন চুশংপা খিংবা, কাং শাম্বা, লিক্সোন শাম্বা খিংবা, নোংমদা মতম মঙা কায়দনা নবাজ শোবা অসিনচিংবা পুম্নমক অসিনি।

সদর এবাদুল্লাহগী "জমেতু উল্লমা" গী মেম্বরশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবা শিংথানবা যাবা মৌলুবীদি নোংজাই মযুমগী উসমান গনি কৈথুনি। মৌলুবী উসমান গনি বা ঙানবা, য়েংনবা, মতম মতমগী ওইবা ৱারী, হাজির জবাব (প্রেজেন্স ওফ মাইন্দ) য়াম্না ফবা মীওই ওইরম্মী। চে ইবগী লমদম্ থোইদোক্না শীংথানবা য়াবা মীশক্নি। জনাব মৌলান উসমান গনি সার চুরাচান্দ মহারাজদগী নাওরোল অমা হুম্বা মীওইনি। ইনিংথৌ চুরাচান্দ মহারাজগা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লোয়নরকখি। জনাব মৌলানা করিগুম্বা থৌফম অমদগী মণিপুর থাদোকপা তাখি অমসুং মণিপুব থাদোক্না তেজপুর (আসাম) দা লৈখিরম্মী। মতম থরা তেজপুর (আসাম) দা লৈরম্না খৃঃ ১৯৪৩ ইং ওক্টোবরগী তাং ২৮ দ ইন্তেকাল ওইখি।

সদর এবাদুল্লাহগী জমেতু উল্লমা মণিপুরগী বোর্দিনা শেমখিবা হিরম কয়াংশিংদা মদ্রাসা হায়বসিশু মরুওইবা অমনি। দীনে মদ্রাসা মণিপুরদা থম্বা য়াম্না দরকার ওইরে। মণিপুরগী পাঙলশিংনসু চলাইজবা ঙমগনি হায়রুনা কয়ারক হম্না মীফম তৌরবা ২তুংদা মণিপুরদা মদ্রাসা

লিংথৎনবগী ৱারেপ লৌখি। য়াম্না ওল্লিভৈদগী হৌনা মদ্রাসা শাগৎনবা ৱারেপ লৌনগ্রগম্ থবক ওইনা ওস্তোকপদি হেক্তা য়াদবনিনা থরা থেংনা লিংথৎখি। "মদ্রাসা আলিয়া লিলোং" মদ্রাসা অসি খৃঃ ১৯৩৪ দা লিলোং তুরেল অহুম্মীদ! লৈবা থুম্নাকপম মহম্মাগী মসজিদতা লিংথৎখি। মতম থরা লৈরগা মুপা অনীথক মদ্রাসাগী ৱাকিফ ওইজগে হায়দুনা চোংথোরকখি। মদ্রাসাগী ৱাকিফ ওইজগে চোংথোরকখিবা মৃঃ মুহম্মদ আলি থুম্নাকপম অমসুং হাজি মুর আলি বাশৈ ময়ুম অনীবু প্রজা মীয়াম্না য়াবিরদুনা হৌজিক লিলোংদা লৈরিবা মদ্রাসাগী মুম্ফম অসি ৱকফ তৌহনখি। জনাব সাহেব অনীনা ৱকফ তৌবিখিবা মফমদা মণিপুরগী প্রজানা মত অমত্তা ওইনা য়ানরগা মদ্রাসাগী building শাখিবনি। হায়রিবা মদ্রাস। অসিনা মণিপুরগী ইসলামিকী অহানবা ওইনা লাইরিক তম্ফম্ম।

মণিপুরী মুসলিমশিংগী মৌথি-চাথিবগী চৎনবী

সুপা অমগী সুপী (মৌ) থিবদা "তুতি" গী মতেংনা থিনৈ। "তুতি" হায়বা য়াহৈ অসি মণিপুরীনি। সুপী (মৌ) অমবু সুপা অমগী লোয়নবী (তালোয়) ওইনবা কনাগুম্বা অমবু হায়জহল্লি, হায়জবিরিবা মহাক অদু "তুতি" কৌই। তুতিগী বাকমবগী সুপাময়ুম সুপী ময়ুম অনীমক য়াশিন্নবা অমা পুরকই। য়াশিন্নবা অমা পুরক্লবদা সুপা ময়ুমনা মথোয় সুমীৎ অতুদা মৌঃ থিবা মাঙ্গোল কাজরকে হায়বগী পাউ সুপী ময়ুমদা পীথি, লোয়ননা সুমীৎ অদুদা অহল-লমন মণ্ডা/তরুকথক অচা-অথক, কা-হৈগা লোয়ননা সুপী ময়ুমগী মাঙ্গোল কারুই। মসিবু "মৌ থিবা চঙবা" কৌই। মৌথিবা চঙবা (মৌ হায়জবা) দা মৌগী মঙ্গং-খাগৎ অমদি "সনা মহুরনা" নচিংবা লৌগদবা পুন্নমক তুপশিন্নৈ। ১০/২০ নি লৈরগা অমুক "ক থায়বা" কৌবা থৌভম অমা পাংথোকই। কা থায়বা থৌভমদা অহল-লমন অচঙবা মীওই থরগা লোয়ননা চংমিন্নৈ। থৌভম অসিগী উদ্দেশ্যদি (পান্দমদি) হান্না ভাওন শরুপ্লিবা পুন্নমক অহোংবা কন্নিসু লৈনত্রে হায়বা থংনবা থৌভম অমনি। থৌভম অদুগী পোৎচংদি কা হৈ, চুরুট-বেড়ি, চুগক থরা লফোই অমদি খুবৌনচিংবা থরা অসিনা মরুওইবনি। মতম থরা লৈরগা অমুক "পাম্বুকা পুবা" কৌবা থৌরম অমা পাংথোকই। পাম্বুকা পুবা থৌরমদা পাংথোক্লিবা শিস্থাদি সুপা ময়ুমগী শিংলুপ পাল্লিবা অমসুং শিংলুপকী মসুংচম্না লৈবা মীওইশিংদা য়ুমথোংশিংনা ভল ১০০/১০০ হৌহল্লি। হৌল্লিবা ভল ময়াম অদুগা কবোক থোইচুম ৫০০/৬০০, কবোক অফাবা শংবাই ৩/৪০ লফোই, খুবৌ অমদি অহাও

অথুম জিলিবী, মিথাইনচিংবা মথেন-মকোয় শুনা লাংলগা পোৎলম-শিং অদু মুপী মযুমদা পুডুনা চৎপা অমসুং চামিন্নক্কবা অসিনি। পান্নুকা পুবা মুমিত্তা নত্রগা মতুংদা "নিকাহ" শোন্নবসু য়াওই। অদুবু অয়ায়দা চৎনবদি লুহোংবা মুমিংতা শোন্নে। পানুকা পুবা থৌরম লোয়বগা "শাগৈ ক্বা চৎপা" থৌরম অমুক পাংথোকই। শাগৈ ক্বা চৎপা হায়বসি মুপী ময়ুমনা পাম্বা থবক অমা পাংথোকহন্বনি। পাংথোকহল্লিবা থৌওংদি ইচা-ইচলবু মখোয়গী মচা-মমৌ ওইহন্রে হায়বসি মুপী ময়ুমগী স্বগর্ভ অনকপা মরী-মতা "চফু কায়নবা" ইমুংশিংদা খঙহনবগী বার্তান তৌবনি। মসিবু শাগৈ ক্বা চৎপা কৌই। শাগৈ ক্বা চৎপগী মমাংদা লুহোংবগী মুমিং লেপ্পল্লে। লুহোংবা মুমিত্তা ময়াম চাক থাংলগা চামিন্নে। চাক চারবা মতুং ঙাইহাক পোথারগা দামন (বর) না দোলাই তোংলগা কন্যা ময়ুমদা খোঙশাল্লি অমসুং কন্যা ময়ুম যৌবগা হৌনবী থবক খিবক্কা লোয়ননা দামন কন্যা অনীবু কাজি নত্রগা মৌলবী অমনা নিকাহ শোন্নি। নিকাহ শোন্বা লোয়রগা দামন কন্যা অনীমক দামন্না শগোল, কন্যানা দোলাই তোংলগা হল্লকই। ঙল্লিঙৈ মতমদদি লুহোংবা অহিং য়াইরেক্করম্মী। লুহোংবা মুমিংকী মমাং নোংমা রাৎলৈঙৈ মুমিংপু "গয়া মুমিং" কৌই। গয়া মুমিং দামন্না দোলাই তোংতুনা কন্যা ময়ুমদা খোঙশাল্লি। কন্যা ময়ুম য়ৌবগা অহান্নদা দামন কন্যা অনীবু নিকাহ শোন'ব। নিকাহ শোনবা লোয়রগা দামনগী মী অমসুং কন্যাগী মী পুন্নমক

প্যানা অনী শেন্নগা কাংজৈ শান্নে, মুক্রা শান্নে, গজল, কশিদা', হমদ ছনা, রসুলে খোদা (হজরত মুহম্মদ অল্লাহগী পাউপুবা) গী থাগৎ বান্নে, প্যাসিদা উর্দুদা শৈশক তান্নে। অদুম্না অহিং চুপ্পা তুমদা হিপ্তনা শৈশক-শৈশোন তান্নরে। নোংঙাল্লগা লুহোংবা মুমিংনি। লুহোংবা মুমিত্তা দামন-কন্যা অমদি লুহোং খোঙলোই ময়াম মুপা মপাদমক মুপী ময়ুম থান্নোরম্নে, মসিবু "দামন-কন্যা হল্লকপা" কৌই। দামন-কন্যা হংজুনা মুপা ময়ুমদা খুমল্লবগা লুহোংবগী চক্ক

থাংলিবা অমন্নুং থোৱাং লোয়শিন্দুনা থম্লিবা অহু নুপীময়ুমগী লাক্লিবা মীয়ামগা কমকম অমত্তা ওইনা নুপা ময়ুমগী মীয়ামগা পূল্লপ চাক চামিল্লে। লুহোংবা মতুং নুমিৎ হুম্নি নত্রগা মঙানি লৈরগা দামন অমদি দামনগী গধা খরগা লোয়ননা মপামদা চৎমিল্লে। নুমিৎ অসিদা মপামগী মীওই খরনু মচল-মচেবু লোবা লাকপন্থু য়াওনৈ। মসিবু "হিনাম হনবা" কৌই। নুপী অমনা মো অমা ওইখিবদগী ফিজেৎ-চাকচাদা অওনবা খরা লাকই। অওনবা লাক্লিবশিং অহুদি ফুরিৎ অচোনবা কুর্তা লিৎপা, ফনেক মপুং নাইবী শেৎপা, খাংদা স্বাংনম (ফি মচা অমা) শেৎপা, মকোক ইন্নফি (খুদৈ) না কুপ্পা অসিনচিংবা অসিনি। নুপা অমনা লুহোংলবা মতুংদা অওনবা লাক্লিবদি মশম তেন্না ককপা, মকোক্তা খুদৈ মতেক অমা য়েৎপা, লিচৈ অকোনবা অমা পায়বা, কোই থাকপা (য়োকপা) অসিনচিংবা অসিনি। হায়রিবা থৌওংশিং অসি খৃঃ ১৮১৯ গী মমাং মতুং অসিরাইদা কজনা চৎনরম্মী অদুবু ঙসিগী সমাজ অসিদদি অওনবা থরদি লাক্লে।

কাছাড়দা লৈবা পাঙলশিংগী মৌথি-চাথিবগী চৎনবী

কাছাড়দা লৈবা পাঙলশিংনা মচা মপৌ থিবদা দরকার ওইবা মীওই খরা চংই। মীওইশিং অদুবু "মৌ শেন্না" কৌই। "মৌ শেন্না" হায়বসি মণিপুরী য়াহৈনি। মৌ শেন্না হায়বা মীং অসি নুপা অমা নত্রগা নুপ অনীনা ওইনৈ। করিমগুঞ্জ মতমদা নুপীনদু মৌ শেন্না ওইবা য়াওই। মৌ হায়জবা মৌ থিবগী থবক মৌ শেন্নদা পুমশিন শিন্নৈ। মৌ শেন্নবা নুপা মযুম নুপী মযুম অনীগী য়ানবা অমা পুরক্লবা হোৎনবসি মাগী অমত্তা ভাইববা দায়ত্ব ওইনা লৌনৈ। মৌ শেন্নবা হায়জবদগী যাশিন্নবা অমা পুবক্রবদা নুপী মযুমগী মরু ওইবা মীওইনা নুপা মযুমগী মীওই অহুম লমনশিংদা লাকপা য়ারগনি হায়বা পাউ থারকই। নুপী মযুমদগী লাকপা য়ারে হায়বা পাউ ফংবগা নুপা মযুমগী মীওইশিংনা অচা-অথক, অহাও-অথুম, ক্বা-হৈ নচিংবা পুরগা নুপী মযুমদা ময়াম চামিন্নরুই। মসিবু "যুমচং পোৎ পুবা" কৌই। যুমচং পোৎ পুবা মুমিত্তা নুপা মযুমগী মীওইনা মথং মুমিৎ অমদা দরকার ওইবা য়াফম থৌভম থুদিংমক খন্নরসি হায়রম্মী। নহাল লেপ্পরম্বা মুমিৎ অদুদা নুপা মযুমগী মীনা চৎলগা নুপী মচাগী মরল-মথুম অমদি মঙ্গৎ-থাগৎশিং ভাংনরুই। মঙ্গৎ-থাগৎ ভাভনবা লোইরবা মতুংদা হায়জপোৎ (পান-ক) পুনবা মুমিৎ অমা লেপ্পে। হায়জপোৎ পুবা মুমিৎ অদু খঙলগা নুপা মযুমগী মীওইশিং হল্লকই। হান্না লেপ্পথিবা হায়জপোৎ পুবা মুমিৎ অদুদা হায়জপোৎকী পোৎলমশিং পুহনা চৎলি অমস্তুং লুহোংবগী মুমিৎ তম্মি। মসিবু "য়ারোইহ

পোৎ পুবা" কৌই। বারোই পোৎ পুবদা চংবা পোৎচংশিংদি করোক হৈবোক, সেব, অঙ্গ্ৰব, মিথাই, লকোই অমদি কা কাঠি মরি মডা-নচিংবা অসিনি। লুহোংগদবা নোংমা বাৎলিডৈ মুমিংপু "পুরজাক মুমিং" কৌই। পুরজাক মুমিংকী মথাঙদা চগাও চেং মন ২/৩ মুপা ময়ুম্না মুপী ময়ুমদা পীনৈ। মসিবু শিংলুপ গয়া থাঙনবা চহাও পীবা কৌই। ওল্লিডৈ মতমদা কাছাড়দমু মণিপুরগী ওল্লিডৈ মতমগুম্না লু'হাংবদা অহিং য়ারেক্লমী। ওসিগী সমাজ অসিদদি অহিং য়ারেক্ল-বত্ত তোক্লব্রে। পুবজাকী নোংঙানবগা দামন (বোর) শাল্লগা কন্যা লৌবা চৎলি। কন্যাগী ময়ুম য়ৌবগা দামন অমদি গয়াশিংগী ফমফম শেম শাত্নুনা লৈরম্লিবা অত্নুদা লেংশিল্লগা ফম্মি লোয়নননা দামন কন্যা অনীমক অহাম্বনক্তদা কাজি নত্রগা মৌলুবী অমনা নিকাহ শেংন্বি। নিকাহ শোম্না লোয়বগা নৌনা খোংদারক্লিবা বোর কন্যা অনীগী হুরা (ফোরমোর নিজবা) তৌবি। নিকাহগী মতুং তুরা লোইবগা অচা-অথক খরা চারবা মতুংদা দামন অমদি খোঙলোয়শিংনা কন্যা পুত্নুনা হল্লকই। দামনগী য়ুমদা থুংলবগা মাগী খোঙলোয় ময়াম হন্নব্রে। তংথাইফদনা দামন শেন্নহৌরিবা গয়া খরা অমমুং দামন মখোয় ওাইহাক পোথারবা মতুংদা অমুক কন্যাবু ময়ুমদা থিম্বিরুই। কন্যাবু ময়ুমদা থম্বিরম্লগা দামন অমদি লোয়নননা গয়াশিং দামন ময়ুমদা অমুক হনম্মিন্নরকই। ম'সবু "হিনাম থিল্লবা" কৌই। নিপা ময়ুম মুপী ময়ুম অনীগী য়ানবা মুমিং অমা লুহোংবগী মতুং মুমিং ৫/৬ নিদা মপামদগী মৌবু মুপা ময়ুম্না লৌরুই। মতুদা মৌ অত্নু ফিদোম শেৎলগা খুাংনম নম্নগা লাক্কনি। মসিবু হিনাম লৌরুবা কৌই।

বাংলাদেশতা লৈবা পাঙলশিংগী মৌথি-চাথিবগী চৎনবী

বাংলাদা লৈবা পাঙলশিংনা মৌথিবা (মৌ হায়জবা) অমদি লুহোংবগী থৌরম :—

নুপা অমগী মৌ হায়জবা চৎপগী দরকার ওইরবদি কনাগুম্বা হৈ-শিংন্দবা নুপা অমবু "বকিল" শেন্নগা মখোযনা পান্নিবা নুপী অদুবু মৌঃ ওইজগে হায়না হায়জহল্লুই। নুপী অদুগী মপা মমানা পাউ-থুম্নকই— ঐখোয় ময়াম অমুক্তা খন্নজখিগে, খরনিগী মতুংদা উন্সি। বকিল অদু মতম খরগী মতুংদা অমুক নুপী মযুমদা চৎলগা হায়জরুই। নুপীগী মপা মমানা পাউথুম্নকই— ঐখোয়দি "ফিরোই" (মহরনা) খরা য়াম্না লৌগনি মদু ওন্নবদি নুপীমচাসি নমৌ ওইবা য়াগনি। বকিলনা নুপী মচাগী মপা মমাগী অপাম্বদু য়াশিন্নরগা ফিরোইগী মশিং লেপথোক্নৈ। মদুগী মতুংদা নুপীগী মপা-মম অনীনা বকিলদা নুপাগী মমা মপা অনীমকপু নুপী মযুমদা লাক্নবা পাউ থাই। নুপাগী মপা-মমা অনীমক নুপী মযুমদা লাক্নগা মপা অনী মমা অনী পুন্না ফম্মিন্নে মদুনা শকথঙ মাইখঙনরগা করি নুমিত্তা হায়জপোৎ পুরকউগে হংনজে লোয়ননা নুপীগী মমা মপানা তারিখ অমা পীরকই। পীরকইবা তারিখ অদুদা অহান্বা হায়জপোৎ পুরগা নুপী মযুমগী মঙ্গোল কারুই। মঙ্গোল কাবা নুমিত্তা লুহোংবগী তারিখসু লেপথোক্লে। (লুহোংবা নুমিৎকী) লুহোংগদবা নোংমগী মমাঙ নুমিৎপু "পুরজাক" কৌই। পুরজাক নুমিত্তা নুপা মযুম্না নুপী মযুমদা কা পুই, মদুবু "কা তাঙ্খ" চাবা কৌই। নুপা মযুম্না কা পুবদা নুপী মযুমদগী অয়াবা অমগী

মথান্দা পুগদবনি মখোয়না কা তাঙ্খ অতুক পুরকউ হায়বত্থু পুগদবনি। মত্থু নত্রবদি নুপা মযুম অত্থু চাওখৎতবা থৌগল্লোন খঙদবা হায়না লৌনৈ। মাঙ্গোল কাবা নুমিৎতা চাবা কাদি তাঙ্খ অমত্তুনি অত্থুগা পুরজাক নুমিত্তা চাবা কাদি তাঙ্খ অনৌনি। ঙল্লিঙৈ মতমদদি লুহোংবা নুমিত্তা অহিং য়ারেক্করক্সী। পুরজাক নুমিত্তা দামন (বোর) শাল্লগা কন্যা মযুমদা অহিং য়াবেকই। (১) দামন্না কন্যাগী মযুম হেক য়ৌবগা অহানবদা নিকাহ শোল্লি। নিকাহ শোল্লবা মতুংদা পুবজাকী চাক চানরে। (১) চাক চানরবা মতুং দামন অমদি কন্যা অনীগী পার্টি অনীমক গজল, কসিদা অমদি মুসারিফৎ তাননৈ। নোংডাল্লবদা দামন্না কন্যা পুত্থনা চৎলগা দামনগী যুমদা চাক খাংলম্মত্থু ময়াম পুন্নমক অমুক চামিন্নরে। লুহোংবগী মীয়াম কায়নখ্রবা মতুংদা দামন অমদি গয়া অনী অত্থুন্না কন্যাবু অমুক মপাম তান্না থিনবিরুই। দামন অমদি গয়াশিং কন্যাগী মযুমদা থু বগা চৎখিবা মী পুন্নমক চাক চামিন্নৈ। চাক চাবগা দামন অমসুং গয়াশিং মযুমদা হনমিন্নরকই। দামন্না মযুমদা য়ৌরক্লনা পোথাত্থুনা লৈহৌরে। দামন মমানা মৌ অত্থু অমুক মযুমদা লৌরকউই। দামন মমানা মৌ পুরকপদা নুমিৎ ঙাসুক্কি থমজগে অত্থুগী মতুংদা থিনজরকনি হায়রম্নগা পুরকই। মসিবু "হিনাম লৌরকউবা" কৌই। হায়নবা নুমিৎ লোইরবদা মপামদা অমুক থিল্লুই মত্থুবুনা "হিনাম থিনখিবা" কৌই। নুমিৎ খরা থা খবা মপামদা লৈবস্মবা মতুংদা অমুক নুপা মসুমদা (লৌরকলুই) কৌই। খোংফম অত্থুদা মৌ অত্থু ফিদোম শেৎলগা লাকনি মত্থুবু "শীবা" কৌই। মৌ অমা ওইবগী পুন্সিদা অহোংবা লাক্লিবসি ফনেক ফিদোম শেৎপা কমিজ ফুরিৎ লিৎপা লোয়ননা খাংদা খাংনম নম্বা অসিনি। নুপাগী ওইনা লুহোংবা মতুংদা অহোংবা করিসু লাক্তে।

ত্রিপুরাদা লৈবা পাঙলশিংগী মৌথি-চাথিবগী চৎনবী অসি বাংলাদেশতা লৈবা পাঙলশিংগী মৌথি-চাথিবগী চৎনবীগা মান্নৈ। কাছাড়দা লৈবা পাঙলশিংগী চৎনবীসু খরা মথৈদি ম'ন্নবা য়াওই।

মণিপুরদা ইসলাম ধর্ম্ম

মণিপুরদা চৎনরিবা ইসলাম ধর্ম্ম মীতৈ লৈবাক ওইরবসু করি-গুম্বা অথিংবা অমত্তা য়াওদনা ফজনা ইসলামগী নীয়ম নীতি ঙাকনা চৎপা ঙম্মক্রি। ইসলামগী চৎনবী নিয়মশিং অসি মুসলমানশিংগী মনুংদা খরা খেন্নবা লৈ। মতুনা মরম ওইতুনা দ্বীনে ইসলাম চৎপা মীওইশিংবু শিয়া অমসুং সুন্নি হায়না গ্রুপ অনী খোক্রা খায়দ্দকই। মণিপুরদা লৈরিবা মুসলমান কাংলুপ অসি সুন্নি ঙাক্তনি, সুন্নি জমাতনি। ভারতবর্ষদা শিয়া লৈতবদি নত্তে অদুবু মশিং ইযাম যামদে। নিযেণ-পুরগী লানফমদা খৌনা ফনা লাল শোক্লখিবা মখৌনা ফবগী "পাঙ্গলবা" মীংথোল ফংগ্রবা মুহম্মদ সানি লানজিংলেন মশামক অমদি মাগী লান্নী পুন্নমক সুন্নি জমাতকী মীওইশিংনি। তৌবুল খোইজুমানগী লানফমদা য়াশিন্নবা অমা পুরক্লতুনা লানজিংবা অমদি সিপাইশিং পুন্নমক "মুসলমান খুম্মোক অচৌবা" এমিং লৌরগা মণিপুরদা পাঙল ওইহন লৈরকখিবনি ময়ামগী লানজিংলেন অদুগা অদুঙৈ সিলেট প্রতাপগড়গীনা নবাব মুহম্মদ সানি ময়ুম লৈবাক্তা লৈরিঙৈদা চৎলম্বা ধর্ম্ম অদু মণিপুরদসু ইকাই কায়দনা চৎলম্মী। মুহম্মদ সানি এবাদত আমল য়াম্না ফজনা তৌজবা নুপা অমা ওইরম্মী। মশা মথন্তা চৎচবা নত্তনা মাগী কাংলুপকী মীওইশিং চপ মান্ননা অফবা ওইমিন্নবগী রাখল মশাদা চেল্লম্মী। মতুগীদমক্তা মৈদিংঙু খাগেম্বগী বড়সেনা মশামক্তা তুংগী পাঙলশিংগী শর্ত অদুমগী য়ানচে অমা ইনখি।"

৫৭। য়াদ দাস্ট কুসি নামা অইবা— রিফায়তুল্লাহ, পেজ ১৫

তৌবুদগী লাল লোইরবদা লোইপোং ডাইদুনা লৈরিদৈ মীতৈগী তেঙ্গোল অমসুং মুসলমানগী তেঙ্গোল পংলাপ লাপ্পদনা লৈরম্মী। নক্না লৈমিন্নবদ্দা খুদোংচাবা লৌদুনা লাইরিক য়েংবম ধনঞ্জয়না মুসলমানগী সিপাই অমবু চণ্ডনা ফাখিবদু পাসাশিংনা নমাজ জমাত শোন্লিদৈদা ফাখিবনি হায়না য়াদ দাই কুসি নামাদা পল্লি। মতুদগী ঐখোয়না খণ্ডবা ডম্মে মতুদি মখোয়শিং অদু মথৌ মশক খংবা ধর্ম্মদা পুক্নিং চংবা, অচুম্বা চৎপা, অবানবা থবক তৌদবা মীওইশিংনি। শ। লান্দা য়েক্নবনা মখোযগী সিপাইবু চণ্ডনা ফাখিবদা মপু নীংবগী থৌরমদা অকায়বা ওইখিনি খন্দুনা মখোয়গী সিপাইবু মুংহৌখিদে। পাসানা অরানবা তৌদ্রিমখৈ মীনসু অরানবা তৌরক্রোই খন্দুনা থাজবগা লোযননা নক্না লৈনবিবা য়েক্নবশিংবু অকি-ভুজুংবা পোক্তনা অপুনবা নমাজ জমাত শোনবা পাংথোকলুবনি। মণিপুরদা পাসা মুসলমানশিংগী মথক্তা শারা-শরিযতগী (ইসলাম ধর্ম্মগী ওইবা) কাজি হাপ্পবা রাকম লৈরবদা পাসাশিংগী মমুংদা লাইবিক হৈবা খল্লকপদা হান্নসু লিদর ওইনা লাকখিবা অমসুং লাইরিক হৈবদসু কাংলুপ অদুদা মপা মান্নবা হৈবা মীওই ফংদবদগী বড়সেনা লানজংলেনবু অহানবা কাজি হাপখি। মতম অদুগী মৈদি ডনা মণিপুরদা শারাগী অহান্বা কাজিনি হায়না অবাংবা থাক্কী ব্যবহার তৌবিখি। কাজি মুহম্মদ সানিনা ইসলামগী চৎনবী নীতি নীযমবু চলাইদুনা পাসাশিং মতম পুন্নমক্তা ইসলামিক ওইহৌনবা হোৎনরম্মী। দ্বীনে ইসলামনা য়াবা অমদি যাদবা পুন্নমক মহক্না চেকশিন্না থায়দোক্নম্মী। অদুবু মফম মতমগী মতুংইন্না অওম্বা লাকখিদবদি নত্তে। মীতৈ লৈবাক ওইখিবা ইসলামগী লৈবাক ওই-দবনিনা চপ-চাবা ইসলাম লৈবাকশিংদা জারিবা নিয়মশিংদু মণিপুরদা জারিবা যাদদুনা কুল, নিয়মশিং চলাইবদা অচান-মীরাই নাইদবা য়াদবগী মওং লাকখি লোয়ননা কোমথোকখি।

শরিয়তকী নিয়মশিংদগী কোমথোক্তবা য়াদবা অমা ওইনা কোমথোকখিবা মরুওইবদি পর্দা অসি অমনি। মুসলমানশিংগী মথক্তা চৎনা পথাপ পর্দাবু কোমথোকখিবগী মরমদি অহান্বদা মণিপুর মীতৈ

লৈবাক ওইবনিনা মশীং য়ামজদবা মুসলমানশিং মখোয়গী পর্দা থম্বা ঙমগদবা মওং মুসলমানশিংনা শিনজবা ঙমখিদবা। অনীশুবদা মুসলমানশিং মশিং য়ামদবনা লপ্লোল ঈভিক তৌবদসু মশিং য়াম্বা মীতৈশিংগা লোয়ননা তৌমিন্নরুবা, চানবা চৌঙ্গাক, শেংনবা ফিরোল-নচিংবা মীতৈ জাতিদগী তাংজবগা লোয়ননা হিংমিন্নবকখিবা অমদি মীতৈ নিঙোলশিং লোবগা থুল্লিং থুগ্নাল্লকখিবগী মবন্না ঈ-মবী ওইরিবা মখোয়বু লাপ্পা থানবা যাখিদবা। অতমগুবদা মণিপুরী মুসলিমশিং সহুরদা লৈরমদবা লরাইগী লমদমদা লৈরম্বা, শোন্দ্বক লম্বীদসু যাম্না হুন্দবা, লাইবিক-লাইগুগী লমদসু লাযববা অসিনচিংবা অরাংপা ময়াম অসিনা পর্দাবু কোমথোকহনখিবনি। পর্দা কোমথোকহনখি, চেকশিন্না ঙাক শেনদে হায়দুনা দ্বীনে ইসলামবু শাদোকপা, তুংওই-নখিবদি তৌরকখিদে। নিংথৌবোল মথং মথং শাবাগী কাজি পাল্লকখি। কাজিশিংনা দ্বীনে ইসলামগী চৎনবী লৈঙাকলোনশিং ফজনা মুসল-মানশিংগীদমক্তা চলায়বকখি। অদুগুম্বা মতমদা পাঙলবু মীতৈনা চৎনবী মীতৈ মীংশিং থোঙ্খিখি। মখোযশিংতু মুসলমানগী চৎন পথাপ তুংওইনখরে, ইসলাম ধর্ম্মবু মাংহনখবে হায়বদি য়াদে। চরৈ নিং থববু অমোং-অকায় থোক্তনবা তাবুন্নুংদা ধর্ম্মগুম ইসলাম ধর্ম চৎপা প্রজাশিংবু কাজিশিংনা অমাঙ-অতা থোক্তনবা শেন্নবিবকপনা ইসলামগী ফিথল মরুমদা হিংলকখি। পাঙলশিংদা মীতৈ মমিং থোল্লবসু কাজিশিংনা ক্যাবা পীগিন্নবনা থোগিবস্বনি কাজিশিংনা য়াদবদা মীতৈশিংনা অবংনা মীতৈ মীং পাঙলশিংদা থোগিখিবা লৈতে। অসুম্না ঙসি থাওবদা পাঙল সমাজনা মণিপুরদা ইসলাম ধর্ম্মবু য়োকপা ওয়ুক্লি অমসুং থম্মকলি।

মহৈ-মশিংগী ফিভম

মণিপুরদা পাওলশিং লাইরিক-লাইগুগী ফিভম ওল্লিবগী মতমদদি য়াম্না ফরম্মী। মতম অতুদা পাসি চংনরম্বা ওইরনা সিলেট রামদগী পাসাশিংহনা মচা-মচু চারোল-শরোলশিংবু মমা-মপা মচিন-মনাওশিংনা য়াম্না ফজনা পাসি লাইরিক তম্বীনরম্মী। মযুমদা মমা-মপা মচিন-মনাওশিংনা তম্বীবা মওং অদু নত্তনা স্কুল, কলেজ চংতুনা তম্নবা নৈরমদে। তম্বীবা লাইরিক খুৎতম অদু মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদগী মৈদিংঙু গৌরশ্যাম মরাম্বগী সনা হাক্তক কাওবা চংনরম্মী। খৃঃ ১৬০৬ খাগেম্বগী মতমদগী খৃঃ ১৭৫৩ গৌরশ্যাম মরাম্বগী মতম কাওবা মযুম মযুমদা মপা-মমাগী খুথাংদা লাইরিক তম্বা খুৎতম্বী অদু লোইশিনখিরম্মী। মতুগী মতুংদাদি কনাগুম্বা থম্বনা তম্বীহৌই পামজদবা ময়াম পুম্নমক থাদোকখ্রে। খৃঃ ১৭৫৪ দগী খৃঃ ১৮৯১ কাওবা চহি ১৩৭ অসি লাইরিক-লাইগুগী ফিভম পুম্নাও মাওলক্লম্মী। ইংশোক ১৮৯১ গী মতুংদা অমুক মণিপুরদা ইংলিশগী য়াওল অমা লাক্লুনা স্কুল লিংখৎতুনা লাইরিক তম্বা য়াওনগী মীকপ থোক্লক্নে। মতুংদসু পাওলশিংদি শরুক য়াম্নমদে। সহরদা নৈবা মীতৈশিংদি অয়াম্বা লাইরিক তম্বা হৌনখ্রে। অহানবদা লাইরিক তম্বা হৌখিবসি সহরগী অকোয়বদা নৈবা মীওই ২০/৩০ রোমতা ওইরম্মী। চৌংনী লমদদি খৃঃ ১৯০৬ কী অহুমাইদগী তম্বা হৌরকখি। অতুগা মীতৈ ওইরবসু খুঙংদা নৈবশিংদি লাইরিক তম্নমদে। পাওলশিংদি সহরগী থরা নকপদা নৈরগসু লাইরিক তম্নমদে। মখোয়না তম্নমগদবদা লমজিংবিনবা নৈখিদবা অমদি ইংলিশ তম্বা য়াংই নত্রগা শেংই

হায়বগী চয়েৎনবা অমা লৈবদগী মতুনা অপনবা ওইতুনা পাওলশিংনা ইংরাজি তম্লখিদে। খৃঃ ১৯০৮ দা লিংখৎখিবা লিলোং এল, পি, মদ্রাসা লিলোং পাওলশিংগী অমত্তা ওাইরবা স্কুলনি। হায়রিবা স্কুল অসি লিংখৎলকপদগী পাওল ১/২ দি ইংরাজি তম্বা হৌরে অদুবু মপুং ওইনা পাওলশিংনা তম্লখিবা লাইরিক্কি গ্রন্থগী লাইরিক-শিংনা ওইখি। খৃঃ ১৯২৬ কী অদুরাইদদি সহুরগী অনকপদা অকোয়-বদা লৈবা পাওলশিং ইংরাজি লাইরিক তম্বা হৌরকখি। মতুদতু পাওল মুপীশিংদি স্কুল অমদা মুপাশিংগা পুন্না তম্মিনবা য়ারোই, পদ১ ওাকপা ওমদবা মওুংনি হায়তুনা অখিংবা থম্মী। পাওল মুপীশিংগী ওইনা হায়রবদি খৃঃ ১৯৭৮ কী মতুংদদি মুপা ১/২ দি ইংরাজি লাইরিকতু তম্বা হৌরকখি। মখোয়শিং অদু থরা ওন্না লাই-রিক-লাইশু তম্লকখিবা মীওইশিংগী মচা মশুশিংনি। খৃঃ ১৯৫১ দা অনীবকশুবা খোংকম ওইনা অমুক লিলোংদা এম, ই, স্কুল লিংখৎ-লকখি। লিলোং এম, ই, স্কুল লিংখৎলবা মতুংদগী লিলোং পাওলশিং তপ্লপ-তপ্লপা ইংরাজি তম্লরকখি। অদুবু মুপীশিংগী যেংলুরগদি য়াম্না তাওই। ইংরাজি লাইরিক তম্লক্লিবা মুপী থরা অদু সমাজগী করিগুম্বা থৌদোক-থাখোক, উৎসব, কর্ম নচিংবা মকমদা অলল-লমনশিংনা তুক্কচ্চনা লৌরদগী মখোয়শিং থৌদোক-থাখোক্তা যাওহল্লমদে। মীতৈ ইচিন-ইনাওশিংগীদি খৃঃ ১৯৪৯ গী মতুংদগীদি সহরদা লৈবা, খুঙ্গংদা লৈবা পুম্নমক লাইরিক তম্বগী মাইকৈদা খোংদাথরে। মসিনা মীতৈ সমাজগী ওইবা অহোবতু খৃঃ ১৯৯০ গী অদুরাইদি থরগী মথৈদি যেনখৎপা ওমখি। পাওলশিংদি খৃঃ ১৯৪৯ দা লাইরিক তম্বা হৌরক খিবদগী মতুগী মহৈ ওইনা খৃঃ ১৯৭৩ দা মণিপুরদা মীতৈনা ওইরক-খিবা ফিভম অদু ওসি পাওলশিংনা খৃঃ ১৯৯৩ দতা তাম্বা ফংলি। অদুনা খৃঃ ১৯৭৩-১৯৯৩ ফাওবগী চহি ২০ গী লাইরিক লাইশু খোংজৎ অসি পাওলনা শোখহৌবে।

অসুম্না মণিপুরগী পাওলশিংনা লাইরিক লাইশুগী লম্বীদা খোংনা

খোংদাক্লবনা ঙসিদি পাঙলশিং শেল-থুমগী ফিভমদা শোথহৌরে। মহৈ তম্বা হায়বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াম্রবা অমনি হায়বা খঙলকপগা লোয়ননা মণিপুরগী মফম খরদি লাইরিক ফজনা তমখৎনরক্লে, অদুবু পাঙল নুপী লাইরিক তম্লকলিবীশিংগী চাং ১০% য়েঁৗবা ঙমদ্রি। ঙসিগী মণিপুরদা পাঙলশিংগী মহৈ-মশিংগী ফিভম হায়রবদি নাম্মা শোয়রবা অমদি সমাজদগী শোথহৌরবা কাংলুপ অমা ওইরে। মরম অসিনা ঐখোয় পাঙলশিংনা অহোবা, অৱাৎপা, শোথহৌরিবা খুদিংমক মেনখৎপা দরকার ওই। মসিবু মেনখৎপা ঙমগদবদি মশানা মশাবু মশক মুন্না খঙলবমক্তদা ঐখোয়গী অৱাবশিংসি কোকহন্না ঙমগনি। অৱাৎপা অদু মশা মশানা মশক খঙবা হায়বসি করিগুম্বা পোৎশক অমত্তনা খঙহনবা ঙম্মোই। মহুগী মতিক চাবা লৌশিং পীগদবদি মহৈ তম্বতনা ওইগদবনি। পাঙল সমাজনা মহৈ তম্বদা শোথরিমখৈ করিগুম্বা হিরমদসু মতিক চানা মশানা মশাবু হিংনবা শিঞ্জবা ঙম্বগী উপাই লৈরোই। শোথনা লৈহৌরবা পাঙল সমাজনা শেল-থুমগী হিরমদা পোংথোক পুথোক্লবা কল কারখানাদা, স্মোল স্কেল ইন্দস্ট্রীদা খোংদারগা চাওখৎপা সমাজ অমা ওইদুনা মণিপুরগী অমদি ভারতবর্ষগী চাওখৎ খোংথাংদা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নরগা তেংবাংবা হায়বসি মতিক চানা মহৈ-মশিং তম্বা নত্তনদি থাজবা য়াবা ৱাফম লৈতে। মরম অদুনা জোব ওরেন্টেদ এদুকেসন অমদি সাইন্টিফিক এদুকেসন হায়বসি পাঙল নহারোল সমাজদা মীপুম খুদিংমক ফংননবা হোৎনবা তঙাই-ফদবা লৈ। ৱাফম অসি "লাইরবা" লাইরিক-লাইশু শোৎথহৌরবা পাঙল কাংলুপ্পা ওইথোকপা য়াদবা পাংথোকপা ঙমদবনিনা ইনাক খুল্বা অমদি লাইরবা সমাজ পুন্নমক্তী মপা-মমা ওইরিবা গভর্নমেন্টকী পুক্নিং চিংশিনবা তঙাইফদবনি। হায়রিবা লম্বী অসিগী খোঙচৎতা পীগদৌরিবা এদুকেসন অসি মোরেল এন্দ স্পিরিচুয়েল প্রিন্সিপাল য়াওদবা ৱাথলগী এদুকেসনদি ওইবা য়াদে। মরমদি হায়রিবা প্রিন্সি-পল অসি য়াওদ্রবদি মীপুম খুদিংমক্না তৌবা থবক মোরেল য়াওদবা

অচুম্বা উৎত্তবা চৎনরোল কান্নবা রাকম ওাক্না ওইগনি।

এডুকেসন পীবা মতমদা লুপা ওাক্না পীবদি সমাজ চাওখৎপা পুরকপা ওগ্নোই। অদুনা লুপা লুপী অনৌমক এডুকেসন পীদুনা মান্নবা থাক্না পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসি তৌদ য়াব্রবা থৌওং অমনি। অসিগুম্বা তঙাইফদবা তৌরগদবা থবক অসি পাঙলগী মীহুৎ অমদি ধর্ম্মগী লমজিংবা ওইরিবা উলেমাশিংনা লমজিং লমসাকপীবা রাংনি। পাঙল সমাজদা থেংনরিবা খুদোংখিবশিং সমাজগী মীপুম খুদিংদা মশা মশাবু মশক খঙহনবা দরকার ওই। ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা সমাজদা মহৈ-মশিং তম্বা হায়বসিনা মরুওইবা তৌদবা য়াদবা অমনি হায়না খঙহনবগী থবক পাইখৎপীগদবনি। অসুম্না চাওখৎলবা মতমদা লাইব্রিক-লাইশুগী ফিলদা হাও, মীতৈ, পাঙল জাতি অহুমগী লমজেন্দা য়ান্ন। শোৎখহৌববা পাঙলনি। নাকল অময়োমদা লাইবিক লাইশু তম্নিবা পাঙল ছাত্র অমগা মীতৈ ছাত্র অমগসু মান্নদে, লিচৎ থেন্নৈ, পাঙল ছাত্রশিংদি লাইরিক পাবগী হেবিৎ থমদে, লম্বী শোরক্না ঙাওশিন্নদুনা মতম মাংথোকই, মীতৈ ছাত্রদি মহু তৌদে। অসিগুম্বা থেন্নবা নৈন্নিবসিগীদমক্না পাঙল সমাজনা স্পীশেল ওইনা দায়ত্ব লৌকম থোকই। অন্নাৎপা ময়াম অসি অমুক্তদা মেনখৎপা ঙন্নবা পাঙলগী মীহুৎ, ধর্ম্মগী লমজিংবা উলেমাশিং, ওঝাশিং, মপা মমাশিং অমদি তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরকদৌরিবশিংনা সেমিনার তৌদুনা রার্কসোপ কেম্প হাংদোক্লুনা থম্মোয় থৌগৎলগতা ভাব তাননবগী লম্বী ওইগনি। ছাত্র-ছাত্রী, নতাবোলশিং খুদিংমক তঙাইফদ্রবা শিনকমশিংদা মকম মতম চানা তমুক্না পাংথোকমিন্নরসি লোয়ননা সমাজগী থোংজেল তুং ইন্নসি। "শোৎখহৌরবা পাঙল কাংলুপ" অন্নাৎ-অপা য়াওদ্রবা নুঙাই য়াইফরবা মালেমগী কাংলুপ অম্বা ওইদুনা ইতিল্লসি ঐখোয়সু চাওখৎপা মান্নবা সমাজদা।

ৱারোইশিন

সেন্ত্রেল এসিয়াদা পোকপা ফরিদোংগী মচা টুরনা ইরানগী প্রোভিন্স অমদা পাল্লম্বগী রেকোর্ড ঐখোয়না ফংলে। টুরগী মচা-মচুশিং ভারতদা লাক্রগা মুহম্মদ সানি পোকখি। মুহম্মদ সানি সিলেট প্রতাপ-গড়দগী অমুক মণিপুরদা লাকখি। মহাক্না মীতৈ লৈবাক্তা অহানবা শারাগী কাজি ওইখি। কাজিশিংগী মথক্তা কাজি-উল-কুজাত ফম লৈরম্বী মহা মুহম্মদ সানিনা ওইখি। কাজি উল কুজাত ফংখিবা মুহম্মদ সানিতা নত্তে, সৈযদ সুলৈমান কাজি অমদি তাওখোংবা কাজিসু ফংখি।

খৃঃ ১৮১৯ দা মণিপুর খুন্তাক্নুনা মযাং লৈবাক তানা চেন্নখি। চহি তরেৎ মযাং লৈবাক্না লৈরম্লগা অমুক মণিপুরদা হল্লকখি, মহাক্কী মতমদা চহি তরেৎ খুন্তাকপা হায়না কৌনখি। চহি তরেৎ খুন্তাকপক্তা চেনখিবা রিফায়তুল্লাহগী মখুরা সিলেটতা লৈহৌরম্মী। মতম থল্লগী মতুংদা রিফায়তুল্লাহ উর্ফে খোযদোংবা জোমাদার মখোয়না চৎলগা মখুরাগীদা লৈরগা সিলেটতা পার্সি তম্লম্মী। খোযদোংবা জোমাদার পার্সি লিটরেচর যাম্না ৱাংই। মুহম্মদ সানিনা পার্সি ম্রোন্দা ইরম্বা লোইশিল্লমদবা ইতিহাস "য়াদ দাস্ত কুর্সি নামা" মহাক্না মপুং কাহল্লম্মী। ওহিগী পাঙলশিংগী অমগা তাইরবা রেকোর্ড লাইব্রিক অমা ফংজরিবসি মহাক্কী হোৎনজমন অতুগী মহৈনি। মণিপুরদা শারাগী কাজিশিংনা লৈঙাকলোন ৱায়েল-থোদা তৌরম্বসি মীতৈ অমদি পাঙলশিংগী অপুম্বা ওইনা তৌরম্বা নত্তে পাঙলশিংতবু তৌরম্বনি। কাজিশিং শারাগী কাজি ওইরবদি ফনাওম্বা মীওইনা ইসলামগী চৎনবী নীয়ম-নীতি

লাম্বোকন চৎপদা মহাক অদু "কতল" তৌদুনা চৈরাক পীকম থোকই মদু তৌখিদে, চৈরাক অদু চলাইরমদে হায়বগী বাহং অমা থোক্লকবা নত্তে। অদুবু মদুগী রুপ অদু মণিপুরদা চৎনবা য়ারোই মরমদি মণিপুর ডাকল হুরকপি, ডাকল ইসলাম নত্তে। মরম অসিনা মণিপুর মীতৈনা পানবা লৈবাক ওইবনা মুসলমান্না পানবা নত্তবনিনা ইসলামগী নীয়ম-নীতি থম্না কোমথোকপা দরকার ওই। মরম অদুনা শারাগী কাজি পান্না পান্না চপ চাবা ফন্দামেন্টল রুপ ওক ইসলাম চলাইবা য়াদবনা থম্না কোমথোকখিবনি। মুসলমানশিংগী মথক্তা ইসলামগী নীয়ম-নীতি চপ চাবা চলাইবা অদু ভাকনা চৎপা ওয়না ওইরবদি পর্দাসু থম্মগনি। পর্দা। থম্মদবা অসিদগীসু মরেক লানা নীয়ম-নীতিবু ভাক্না চৎপা ভয়রক্তবদগী থরগী মথৈ কোমথোকখি হায়বসি থভবা ভন্মী। মীতৈ লৈবাক ওইরবসু, ময়াং লৈবাক ওইরবসু অমদি পাঙল লৈবাক ওইরবসু নমাজ, রোজা, হজ, জকাত অমদি কলমাদি কোমথোককম থোক্তে অমসুং কোমথোকখিদে। উপাল অমা থারগা উপাল অদু হোররকবদা মশাশিং ককথৎখিবনা উপাল অদু কংখিদে। উপান অদু মথোংদা য়াম্বৎলবদি শোয়দনা কংখিগনি। অসুম তৌনা ইসলাম ধর্মদা মরুওইবা ইসলামগী মুস্থী মঙা কৌবা পোৎলম মঙা লৈ মদুবু বুনিয়াদ ইসলাম কৌই। বুনিয়াদ ইসলামগী মঙা অদুদি কলমা, নমাজ, রোজা, হজ, জকাত অসিনি। পাল্লকখিবা কাজিরোল কয়ানা ইসলামগী চৎনরোল নীয়ম-নীতি কয়ামুক কোমথোকপ্রবসু বুনিয়াদ ইসলাম মঙাবুদি কোমথোকহৈদে অমসুং কোমথোকখিদে। ইসলাম ধর্মবু ভাকনা চৎচবা পাঙলশিংবু মীতৈ কাংলুপসু অন্নাংবা থাকী ব্যবহার তৌবিবগা লোয়ননা লৈমিয়ে। মদুগী খুদম হায়রবদা অদুতৈ ইনিংথৌ চরাইরোংবা নিংথৌগী মতম ইবুঙো লোয়ম্বু জিংথৌ শেম্বগী থৌওং তৌরম্বা অমদি চেরবশিংবু লোইনা তুম্না হাৎপ্রবদা থৌকম্লা। চেরবা মেরাই সুলৈমান কাজিবু মহাক্তি কাজি অমনি ধর্মগী সুচিংবনি, থরায় মাংকদে হান্না মথরায় কবীহৌই। থৌকম

অহুদা মেরাই সুলৈমান কাজিবু কয়ীহোরিবহু মেরাই সুলৈমানবু নত্তে, পাঙল ধর্ম্মগী লূচিংবনি কাজি অমনি হায়না তৌবিবা ইজংনি। মরম অসিদগীসু ঐখোয়না লৌবা য়াই— মীতৈ লৈবাক্তা পোইরে কনা অমনা পাঙলগুম্বা অমদা মশা মশাগী চৎনবী ইনাৎকা লোয়ননা হিংজবদা করিসু অখিংবা পীখিদে হায়বা অসিনি। মণিপূরদা ঙন্নিতৈদা মসজিদ লৈরমদে। খেংথরক্লগা লৈরকপনি হায়বা ইতিহাসকারশিংনা কোংদোকলি মহুদসু ওইখোকপা য়াবা য়াকম নত্তে। মসজিদ মশিং য়াম্মদে হায়বদি য়াই, ইরে লৈরমদে হায়বদি লাক্লি। মসজিদ হায়ববু করিনো? মসজিদ কদায়দা লৈগদবনো? অদোমদা নৈনকয়গদি মীওই খরা পুনশিল্লগা অমত্তা ওইনা নমাজ শোনবা য়াবা মফম, ইভৎ-ভত্তনা শোনকন্নবা মসজিদ কৌই। তৌবুলগী লানকমদা মুসলমানশিংনা পল্টন ওইনা লৈবদা নমাজ জমাত শোনখি। ইতৎ-ভত্তনা নমাজ শোয়খিবা মফমছু মসজিদনি। তৌবুলগী পল্টনদা লৈরম্বদগী য়াশিন্নবা অমগী মথাদা মৈদিংঙু খাগেম্বগী অনিংবগী মথা পোয়া মুসলমানশিং তোঙান-তোঙানবা মফমদা থমখ্রে। মখোয় মখোয়না লৈবা মফমশিংদা নমাজ শোয়বা "শঙ্গোয় লাইশঙ" কৌবা মসজিদ মচা মচাশিং শাখ্রম্মী।* মসজিদ ১৩ অমসুং পঞ্জগানা ১১, চহি তরেৎ খুন্তাকপা (খৃঃ ১৮১৯) ফাওবগী মমাংদা লৈরম্মে। মসজিদ লৈরম্বা মফমশিং অহুদি— অহানবা মুহম্মদ সানি লাইনিংশঙ, কুংলা সনয়োং চংলগা মথা খংবা নাকপা, অনীশুবা মোইরাংখোম শংগোই লাইশঙ, অহুমশুবা কংলা উকোক শংগোই লাইশঙ, মরিশুবা নিংথৌনাই শংগোই লাইশঙ, মঙাশুবা ইরোং চেশাবা শংগোই লাইশঙ, তরুকশুবা ময়াং ইম্ফাল শংগোই লাইশঙ, তরেৎশুবা শঙ্গায়প্রুম্ফম শংগোই লাইশঙ নিপানশুবা অয়াং লৈকাই শঙ্গোই লাইশঙ, মাপনশুবা লিলোং শঙ্গোই লাইশঙ, তরাশুবা মথা লৈকাই শঙ্গোই লাইশঙ, তরামাথোই কৈরাও শঙ্গোই লাইশঙ, তরানিথোই কাইরং শঙ্গোই লাইশঙ, তরাহুমদোই

---

* য়াদ দাউ কুসি নামা অইবা— রিকাহকুল'হ।

পোয়ৌমপাৎ শঙ্গোই লাইশঙ। পঞ্জগানা[1] অহানবা ফুম্রে, অনীশুবা হৈয়োক, অহুমশুবা উথোংশাং, মরিশুবা মালোম খোঙনাংবন্দ, মঙাশুবা খৌবাল মোইজিং তরুকশুবা উরুপ, তরেৎশুবা ক্ষেত্রি বেঙ্গুল নিপানশুবা লমশাং তাওথোং, মাপনশুবা খোময়ান, তরাশুবা মোইরাং তাওথোং, তরামাথোইশুবা পাঙল তাবী অসিনি। মসজিদ ময়াম লৈরবনিনা নমাজি ময়াম অমা লৈরম্নগনি অদুবু অফাওবা নমাজি অনীথকী মমিং পম্বা যাবদি— হনজনা মুন্সি পুখ্রি ময়ুম কৈরাওদা লৈবা নিংথৌ খম্বা মনাই অচানবনি। মহাক বলি (অচুম্বগী মঙাল ফংবা) অমগুম্বনি। মতম শাংনা ইমাম ওইরম্বগী রেকোর্ড ফংই। অনীশুবা লাঙোন লাইনিংবা লিলোংদা লৈবনি। মহাক য়াম্না এবাদত আমল ফবা মুপা নমাজিনি। মহাকী এবাদতপু অল্লাহনা য়াবিরদুনা মাগী কশ্ফ[2]দা অমম্বগী পাও খংবা ঙম্বগী থাক্তা লৈরম্মী। অরাননা মণিপুরদা অল্লা লাল লাকদবা অদু মাগী কশফতা খঙহল্লম্মী অমসুং লানজেম্ববা চয়োম চেংজেন শেমদুনা লৈকায়শিংগা মতম ঙাইনিন্নখিবা মুপানি। মতৌ অসুম্না ওল্লিউদগী মসজিদ লৈরকখিবা, নমাজি অল্লাহ বালা লৈরকখিবনা মণিপুরদা ইসলাম ধর্ম্ম ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরক্লিবনি।

১। "পঞ্জগনা" নমাজ মতম মঙা শোনফম মসজিদ, জুমাগী নমাজদি শোন্দবা মফম।

২। ধ্যান তৌদুনা ফম্বদা তুংদা থোকদবা ফিভম অল্লাহনা খংহন্বীবা।


ফকিরা পুরী শিজরা - ১ (৬৭,৬৮,৭০)

- (১) কমর আলি
  - (১) জেবো মুরাদ (পতিপুর)
    - (১) ইব্রাহিম
      - (১) জমিরুদ্দিন
      - (২) মুরাদ আলি
    - (২) মৌ : আবু বকর
      - (১) আবু নসর
      - (২) আব্দুল মন্নান
    - (৩) মু : ইব্রাহিম
      - (১) ওয়াহেদ আলি
      - (২) মৌ : মৌলানা আলি
  - (২) মৌঃ কিফায়েত আলি (কাকাড়) – মৌঃ নাসির আলি
    - (১) হাফিজ আজিজুল রহমান
    - (২) মৌ : আহমদ আলি
    - (৩) মু: আলি
- (২) পেয়ার
  - (১) নিজাম মিয়া
    - (১) মহাম মুরাদ
      - (১) আব্দুল মুনাফ
      - (২) আব্দুল রাজ্জাক
      - (৩) আব্দুল খালিক
    - (২) হাজি নাজির আলি (সাহিবা) — জমিরুদ্দিন
    - (৩) ইমামুদ্দিন
      - (১) নূরুল মিয়া
      - (২) চাওধা মিয়া
    - (৪) জমালুদ্দিন
      - (১) কামালুদ্দিন
      - (২) মুনুদ্দিন
  - (২) মাজন মিয়া —— (X


(৬৭,৬৮)


- (৩) কুপা মিয়া
  - (১) হাজি আব্দুর রহমান
    - (১) হাজি মুসা মিয়া
      - (১) আলেকাদিন
      - (২) মুঈনুদ্দিন
      - (৩) নাসিরুদ্দিন (আমুচৌধা)
    - (২) মুনাব আলি
      - (১) মৌ : আব্দুর রহমান
      - (২) হাফিজ আবদুল্লাহ
      - (৩) হাজি আহমদ আলি
      - (৪) মুহম্মদ আলি
  - (২) হাজি ইসমাইল
    - (১) আব্দুর রহমান —— (X
    - (২) আব্দুল মজিদ
      - (১) মুরু আলি
      - (২) আমরেজ
    - (৩) কুপা মিয়া —— (X
    - (৪) কবির মিয়া —— আলেকাদিন
    - (৫) আব্দুল্লাহ চাওধা
      - (১) আব্দুল আলি
      - (২) আব্দুল জলিল
      - (৩) আব্দুল জব্বার
      - (৪) আব্দুল হাকিম
      - (৫) আমুচ্ছা (৬৮)
  - (৩) হাজি মোনা মিয়া
    - (১) মিয়াচৌধা
      - (১) হাজি আমজাদ আলি
      - (২) হাজি আফসার আলি
      - (৩) মুবারক আলি
    - (২) আতাও হাজি —— হাজি রফিকুদ্দিন
    - (৩) পানখোই হাজি —— (X
  - (৪) হাজি মনসুর আলি
    - (১) হাজি আলি রাজা — হাজি আব্দুর রহমান
    - (২) মৌ : হাবিব রাজা
      - (১) হাজি মাহমুদ রাজা
      - (২) চাওধা শাহ
  - (৫) হায়দর আলি
    - (১) আবু কাসি
      - (১) হাজি জৈনুদ্দিন
      - (২) নুর রহমান
      - (৩) শাহ জামান
    - (২) আবু মাকফ্ —— (X
    - (৩) বাবু মিয়া
      - (১) চাওধা মিয়া
      - (২) নিজাম আলি
      - (৩) আজোন
    - (৪) মুসলিমুদ্দিন
      - (১) মজিদুদ্দিন
      - (২) রফিকুদ্দিন


কবিলা পুথী মিজরা -২ (৬৭,৬৮,৭০)




কবিরা গুষ্টী মিজিরা - ৩(৬৭ - ৭২)








কবিলা পুর্বী শিজরা - ৪ (১২,১৩)







কবিলা পুঁথী নির্ঘণ্ট— ছ-(৭৩,৭৪)


- (২৯) ইব্রাহিম
  - (১) পনাউল্লাহ মুন্স
    - (১) [illegible]
      - (১) মুফিজ
      - (২) মমতাজ আলি
    - (২) আবু ছালি
      - (১) আবুকাশিম
      - (২) রহিম বক্স
      - (৩) আবদুল নবাব (পনাউল্লা)
    - (৩) নূরুল মিয়া
      - (১) ফজলুল্লাহ
      - (২) ইব্রাহিম
      - (৩) এবাদুল্লাহ
    - (৪) জোবা
      - (১) নিবেদী
      - (২) জিলজুল্লাহ
    - (৫) মুল্লাহ — (X
    - (৬) আবদুল্লাহ — (X
    - (৭) মৌঃ [illegible]
      - (১) মৌঃ সিরাজ
      - (২) [illegible]
  - (২) নূরুল [illegible] মুন্স
    - (১) হাজি আব্দুর
      - (১) ইসা মিয়া (বিদেশে [illegible])
      - (২) আব্দুর [illegible]
    - (২) [illegible] — জোবা
  - (৩) মুবারক মুন্স (জোবা)
    - (১) আব্দুর
      - (১) [illegible] আলি
      - (২) [illegible] আলি
      - (৩) [illegible] আলি
      - (৪) মুবারক আলি
    - (২) [illegible] — জিলজুল্লাহ
    - (৩) [illegible] — [illegible]
    - (৪) [illegible] — হাজি [illegible]






কমিলা পুরী সিরাজী - ৬ (৭৫,৭৬)








(৭৫,৭৬)

কবিলা পুথী শিজরা - ৭ (৭৪ - ৭৬)



কবিলা পুঙ্গী শিজরা -৮ (৭৭,৭৮)

- (৩৯) সোনা সর্দার
  - (১) সোনা মিয়া
    - (১) ইব্রাহিম
      - (১) সঈদ আলি
      - (২) যোদোন
    - (২) ইব্রাহিম — অমজদ আলি
  - (২) আমিরুল্লাহ — আব্দুল হমিদ — উমিদ আলি
  - (৩) আহমদুল্লাহ
    - (১) হাজি অব্দুল আমির — (X
    - (২) হাজি অব্দুল করিম
      - (১) রজব আলি
      - (২) মৌ: আমজদ আলি
      - (৩) কয়েস আলি (খোইমু)
      - (৪) অব্দুস সমদ (চাওতোম)
      - (৫) অব্দুর রহমান
      - (৬) অব্দুল গনি (অমুদোন)
    - (৩) কাসিম আলি — (X


(৪০) নজিমুদ্দিন — অব্দুল করিম — অব্দুল আলি — অব্দুর রসিদ


(৭৭)

- (৪৩) আজিম মিয়া (খাসম হসজবা)
  - (১) অব্দুল্লাহ
    - (১) চাওতম — (X
    - (২) সুলেমান (তোয়াই মুন্সি)
      - (১) নজিরুদ্দিন
      - (২) নিজামুদ্দিন
      - (৩) অজিজুর রহমান
    - (৩) মুহম্মদ আলি
      - (১) নসির আলি
      - (২) অব্দুল জলিল
      - (৩) ফজলুর রহমান
      - (৪) জয়েরুদ্দিন
      - (৫) হবীবুর রহমান
  - (২) জিনতুল্লাহ
    - (১) ইব্রাহিম
      - (১) সুলেমান
      - (২) হাজি আলি
    - (২) মকুব আলি — ইসমাইল হকিক
    - (৩) অবু শামা
      - (১) মুত্তক আলি
      - (২) মুহম্মদ আলি
      - (৩) নুর মুহম্মদ
    - (৪) জমির আলি
      - (১) বশিরুদ্দিন
      - (২) অব্দুল হেলিম
  - (৩) হবা ইয়ামোস — কাসিম
    - (১) মহা তোহা
    - (২) তোমচা
    - (৩) অয়োস
  - (৪) ইসমাইল (শামা)
    - (১) অব্দুল জব্বার
      - (১) অব্দুল আজিজ
      - (২) সুলেমান
      - (৩) অব্দুর রহমান (কোইবী)
      - (৪) রজাক আলি
      - (৫) মৌ:ইমাম আলি
      - (৬) মজহর আলি (ফি: পি:)
    - (২) অব্দুল আলি
      - (১) ইব্রাহিম
      - (২) তোহা
    - (৩) তোফা — বশির আহমদ


(৭৮)

কাজিলা গুষ্ঠী শিজরা - ৯ (৭৮,৭৯)







কবিলা পুশী শিজরা - ১০ (৭৯,৮০)





কবিলা পূর্বী শিজরা - ১১ (৮০,৮১)






কবিলা গুষ্ঠী শিজরা -১২ (৮১,৮২)









(কয়াক - মোয়াজ্জাং ইসলামগোষ্ঠ) (৮১,৮২)

গ্রুপ্ শাইরেকী চার্ট জন্মা (১৬০ - ১৬৪)

(লখিয়াকুল,সুনারকুল, মামানো)





অশুদ্ধ সংশোধনী

পৃষ্ঠা সংখ্যা	লাইন সংখ্যা	অশুদ্ধ পাঠ	শুদ্ধ পাঠ
৩	১৩	বখতিয়ার খিলজী	ইখতিয়ার উদ্দিন মুহম্মদ বখতিয়ার খিলজী
৫	৩	মুহম্মদ নাজিরী	নবাব মির্জা নাজির মুহম্মদ দুরানী
১৪	২৬	মৌলুভী বাজার	মৌলভী বাজার
১৫	১১	ভানুগাছ	ভানুগাছ
১৭	৫	গাজিরী	গাজিনা
১৭	১৮	দৈবাকলিংনা	দৈবাকলিংনা
১৮	৪	চুকীটানা	চুকীটানা
১৯	১০	হলোকদা	হলোকলা
২০	১১	মদাও	মনাও
২৪	২৩	ব্রাহ্মবিদ্	ব্রাহ্মবিষ্
২৬	২০	ম.রাম	ম.রাম চন্দ্র
২৯	২৪	গাবি	গাবি
৩২	৮	গাগন	গগন
৩৬	২	(সিলেট)	(সিলহেট)
৪৫	৯	১৬৯১	১৬১৯
৪৫	১২	মুনকরা	মুনকরা
৪৬	১৫	কৌবা	কৌরা
৪৬	২১	১৮২৬.২০	১৮১৮-২০
৪৯	২২	১৮১৬	১৮৬১

[illegible]	২৫	[illegible]	[illegible]
[illegible]	৭	[illegible]	[illegible]
[illegible]	৩	[illegible]	[illegible]
[illegible]	৫	[illegible]	[illegible]
[illegible]	১৮	[illegible]	[illegible]
	[illegible]	অতোধা তাওশোং আবা	তাওশোং আব
[illegible]	৮	ময়াবতী	বরাবতী
[illegible]	৩	অঠীকারী	অধিকারী
[illegible]	১৭	[illegible] বর্জাবলী	অর্থাৎ বর্ষাবলী
[illegible]	১১	কাভপুপ	কাভনুপ
৬৪	৮	কোঁচিক্র	কৌরিক
[illegible]	২২	অবহুল	অবহুল
৭৭	১৫	অজাবএলাহি	আহমদ আলি
১৪০	৩	মহাম	মহুব
১৪৪	২০	১৬৭২	১৬৭৯
১৫৩	১৭	জিজিমহুনা	শিজিমহুনা
১৫৬	১০	বলি উত্রাহনা	বলি উত্রাহনা
১৬৩	১২	(এগ্রি ইঞ্জিনিয়ার)	(এগ্রি ইঞ্জিনিয়ার)
১৬৫	৪	তুনাইতের	হুনাউতের
১৯৫	২৪	কোজিবী	কৌজিবী
১৯৬	২১	মনাও মিপা	মনাহুপা
১৯৯	৭	মলোয়ায়	মলোনয়
	১৪	[illegible]	[illegible]
২০৫	১৯	শবজ্জোর	[illegible]

(৩)

২০৬	[illegible]	১২৬৫	১২৬৫
২০৭	১৪	কোৎনাই	থুংচোকপ
২০৮	৪	১২৩৪	১২৪৪
২২৩	১১	মতম্না	মতম্ম

অরাংবা হায়রিবা

লমাই/পরেং — হায়রিবা

২৬/১৭ — কুমথোক ১৫৩০ খৃঃ ১৬০৮ লোইদাম

২৭/১৮ — অমা দরবার থীরে হাইদুনা মুহম্মদ সানিনা পাউথুরকই। মনিপুরদা লাইকম-তৌনবা কোয়কখে ওপস্যা-মচম শাংথোক্লগে লাকপা থিং ইওনা হনখবদি হন্নিংথোকা করি থনখিগনি। বা তাম্‌হনুগা চংশনদি ———

২৭/১৯ — হায়খিবগা চংশা তাবনি। কোয়নবা মীর সাহেব—

৩০/১ — মুপা মাজরা অনীমক —

৪৯/৯ — বিষ্ণুপুর, কোথা, থাথোম কম্পু অসিনচিংবা

৭১/১২ — অহুম পোকই। মুবশির উদ্দিনবা মচা অনী নজিমুদ্দিন, জহিরুদ্দিন পোকই। ইচোলনা —

৭৪/১৫ — তোম্বা পোকই। মুলে থেরবনা মচা অহুম কিরামত আলী, তাজিম আলী অমসুং নিয়াজ আলী পোকই। কিরামত আলীনা অমা মুগ আলী পোকই। তোরবা —

৭৬/৮ — মহুম্মদ লোকই। অব্দুর রসিদনা, নাসিরুদ্দিন লোকই। নাসিরুদ্দিননা অমা, মুক্তি লোকই। মখোয়গী মচিং রহিমুদ্দিন, মৌ: অমজদ আলী, আহমদ আলী, অব্দুল্লাহ, মহম্মদ রহমান, কমরুদ্দিন কৌই। অহনবুরাহনা —

৭৭/৮৯ — অমুকপাইবী মচা অব্দুল হমিদনি। অব্দুল হমিদনা উমির আলী লোকই। উমির আলীগী থারা লৈরোইদে।

৮০/১৬ — হাজিম আলী, ইবো অমচু —

১৩০/৯ — ইদ্রিশ আলী, অব্দুর রসিদ, জুবাব আলী (অমা) মফিনাগী রহিমুদ্দিনগী মচা লুপাং নত্তে ! অতোপ্পা মফিনাগী অমগী মচা-লুপাংশিংনি।

১৩৩-১৩৪ — কোনোমনা মচা মুপা মচা পেকই। অব্দুল্লাহ, নছির আলী, হাতিম আলী, মৌ: রফিউদ্দিন (পকাই চৌধুরী), মনোহর কৌই — ।

১৩৬/৪ — জান মুহম্মদ উকে খাল উকোকতোনা —

১৯৪/৬ — কৈমুদ্দিন (থাইমা), মৌ: নিজামুদ্দিন, তোম্বা —

৬/২২, — "মুল দাই তুদি নাবা" by খামু মিয়া চৌধুরী লিখিবা অমাই ৩

১৬৮/১৬/১ — মেহেকমন, রহিমুদ্দিন — হাজি মখোয়গা লৈবী।

১

তুরাতোকনা : রহিমুদ্দিন চৈফ মেহেক তোৎনা মুহম্মদীন লোকই। মুহম্মদীননা, অচোবান, চৈফ নুরৈ লোকই। মচৈনা মাইবা (নহৌবাই) লোকই। মেহেকী থারা তুবন অহৌ হাজ মখোয়গা লৈদি।


[illegible]



পাবীয়ু!   মণিপুরীগী হন্দক্লবা

১. হাদ কাস্ট কুর্মি নামা (পাকসনী পুরাণী)

২. কানিয়ানিয়াত - অবর্জন খান



পাবিয়ু   নৈনবীয়ু

বেঞ্জামিন এম. শাহনী

১. ইসাবেল্লা (নোবেল)

২. শীরুপি অবৌন্রমিদুগী থোকুন।

(লৈবাকনিংগী ওইবা)